খদাংগী শমত্রে

খদাংগৌ শমক্ত


ইজবা

হিজম গুণ সিংহ

KHADANG-GI SHAMBRU -- *A Collection of short Stories written by Shri Hijam Guno Singh, meaning 'A Mole on the Chin' and published by Kumari Hijam Surodhoni Devi of Keisampat Thokchom Leikai, Imphal -795001. Price Rs. 8.50 only.*

ফোংজবী—কুমারী হিজম স্বুরধ্বণী দেবী,
কৈশামপাং, থোকচোম লৈকাই,
ইম্ফাল—৭৯৫০০১।

অহানবা কোংবা, ওক্টোবর ১৯৮৫ ইং



মমল, লুপা ৮.৫০

ফংঙম: ১। কোঙজবীগী যুম,
২। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ
পাউনা বাজার, ইম্ফাল
৭৯৫০০১।

লাইরিক নম্বা ভাগ্যবতী কার্য্যালয়,
চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কস
ইম্ফাল।

ৱাহৌদোক

হিংনবগী লানফম চংী মতাংননি খণ্ডদে মতম্নি খণ্ডদে ওম্বোক্না কনখ্রে, অতুমকপু পামজমনবদগী ৱারী মচাশিং অসিমস্তু পুথোকচরি। ৱারীশিং অসিগী মনুংদা "কৈদৌঙৈ অমুক" হায়বা অসিমদি ঋতুগী ৩৯ শুবা মশীংদা থোংদোকখ্রবনি। "লম্বী চয়োম" হায়বসিগী ৱারী মপূংনা শ্রীগীতচন্দ্র তোংব্রা, পদ্মশ্রী অমসুং ভারতকী সাহিত্য একাডমীগী এৱার্ড ফংখ্রবা ঐগী ওঝানা ঐগা ৱারী শান্নবদগী মাগী "উপু বাকসি" কৌবা ড্রামাদা পুথোকখ্রবনি। ড্রামাদা পুথোকখিবা ঘটনাশিং অমসুং চরিত্রশিংগী মওংনা ওঝাগীনি, ৱারা মচাসিদা য়াওরিবনা ঐগীনি। ওঝানা ৱারী মপুং শাগংপদা মশাগী আদর্শ অমসুংভাবকী বিকার উৎপীরিবা ঐনা অমুক য়োবা ঙমগদোবা লৈতে।

লাইরিক অসি থোক্নবদা মনিপুর ষ্টেট কলা অকাডমীনা শেলগী মতেং পীবিখি অদুগা ভাগ্যবতী কার্যালয়না ছাপা তৌবগী শরুক য়াবীখি। সংস্থানশিং অসিবু ঙমখৈ লৈতনা থাগচরি।

লাইরিক অসিবু পাবীবশিংনা অরান অহুই য়াওবা থেঙনবীরবস্তু ঐগী হৈজদবা মতৌবু য়েংবীদুনা ঙাকপীগদবি নীংজৈ।

ইম্ফাল

তাং ১০।১০।৮৫ ইং

হিজম গুণ সিংহ

হীরম লামায়

ৱারী মচাশিং		লামায়
১	খদাংগী শমক্র	২
২	নহাক কাওদেদনা	২১
৩	তম্ফা খুদোপ য়াই ওইবা	২৬
৪	খুৎনায়বা অঙাওবা	৩৭
৫	'কুম্বর'গী হেন্দোই	৪৪
৬	লখী চয়োম	৫৩
৭	খুদোনপোৎ	৬০
৮	কৈদৌঙৈ অমুক	৬৭
৯	রিক্সা ভাড়া	৭৪
১০	মেরাগী থাবল	৭৬
১১	লাইগী ৱারক মীগী ৱারক	৮৬
১২	ইমুং অমা চৎনবী অমা	৯১
১৩	মপাম চাক্তোবা	১০৪
১৪	খিৱেঙলগা নাশিখোঙগা	১১০
১৫	মমিং থোক্লীবা ৱারী	১১২

খজাংগী শমক্রক ।

ড্রোইং রুমদা হেক চঙলকপদা মকোক চেৎনা খুয়িবীহনা মনিন ফুং ফুং কায়বা চানা চোল্লবা কজরবা কপ অমগা, মপান কোইনা য়াৎপী কমলা মচুগী নিংথিজরবা বিস্কুটনা লৈতেংলবা প্লেট অমগা মশা নাল্লবা অকোয়বা টেবল মচাহুদা শেম শায়রহ উবদা অনৌবদো করি খল্লুরবনো খঙদে, তপ্পা চঙশিল্লক্লগা ফিক খুমলিবীহুগী কোকখুমফিগী ফিজিন্দু পায়হুনা খংচিং চিংলকই। চিংলুবদা হজাম মপালগী অঙাংবা ফিজিন চনবা খুদৈ মতেক্লুগী ফিজিন অমনা লেং লেং চৎলবা য়াম্নবা শয়াংশিহুগা লোইনল্না লেংপাকথক্তা, অতোপ্পা ফিজিন অমনা লৈমায়থক্তা, ছিকথহনা তারকই। লাউরকই 'হিংচাবী' অহুগা লৈথোরকই মায়থোং খবাল হকচাং কায়াংকী ফজবা পুম্বনা লৈতেংলবীহুগী, অনৌবগী মাং মক্তদা ; মিং চানরকই। 'হৈমা' হায়রম্লগা চিংখংখি ফি মক্তক হাম্লগুম, খুমই মকোক্, ফাখিনি মতাগুম, অহুগা চংখি লৈথোরক্লনা কা অহুদগী।

চৎরবীহুগী মমায় মায়ত্তা হৈজীং কায়রবী হকচাং কায়াঙ শাঙ্ক শাদা উক্লগা করি তৌগে খল্লবনো খঙদে উত্তীংবগুম চপ্প লেপ্লরোই অনৌবহু।

"তস অসিমগাইদনা শোইদি শোইদেক্লনা।" কয়ক পোক্ল শোল্লগা কমথৈ অনৌবা লোকাথক্তা, চা থম্লিবা টেবল মচাহুদগী

মনাক্তা থারিবা। খঙহৌদনা হৌরকখিবা মশাগী মিহুন হৌজিক্তা কাওরকই মশাদা দং দং। চাহু লৌথহকে মখুং তিংখোকলুই, লৌথংপা ওমদে মখুং নীক্নে হায়বা খঙলকই। তুমিন ওাইহাক পোথাই।

খল্লুরগা নোক্লীংলকই।

রাজেন ওয়াং লুহোংবনি। মহাকী ময়াম্বা অনী লুহোংরে, মচেম অমন্থু হোংরে। ময়াম্বশিংগী অনৌবী মতৈমশিং মখোয়গীদা বাঝাইনে যেঙ্গুম্নে অমনা শামুদা, অমনা দোলাইদা থিল্লকখি; মচেমল্লুনা কার পরেং পরেং, জিপ পরেং পরেং লেংল্লুনা থিনখি মবাই বরগীদা। মানা নুপীময়ুমদা। নোক্লীংলকই।

মপাবুংনা হায়বদা করিগী য়াক্করি? মপানা হায়খি, "স্নুপামচা রাজেন, ইতৈমবেম্মনা করিস্থু লৈত্রবা ঐঙোন্দা মমিত্তা মপি হেক তাবমখৈ হায়জবসিদা ইপাদি মাই হায়বা ওমত্রে; মচা নিঙোল অনী অসিতনি. নংবু মচা পিবাদোওম য়োকচগে, মাগী অয়েবা সম্পাত্তি নংগী তমগে, শিরমদাইদা ইচান্নুপা শকনা নংনা সেবা তৌরক্সন্থু হায়না হম্না হম্না ইপাদা হায়ররকপা কুইরক্নে। তাইবুংঙো লৈরিঙৈদগীনি, কদাইনো হায়ঠুনা খক্সিঙৈ তাইবুংঙোদো মুংঙাইতা, মুংঙাইতা থুপত্রে। ওহোক্না নাংওমহোদে। অহবু নংনা মরাত্রবদি ইশানা য়ানীংই হায়হুনস্থু রা তুপ্পা য়াদে। নং করি হায়বগে?"

রাজেন ইণ্ডিয়ান এয়ারলাইন্সকী গ্রাউণ্ড ষ্টাফ-তা থবক তৌই, অঙাং ওইরিঙৈদগী শিল্লংদা লাইরিক তম্লকই, লংকৈগী মী ওইনা হৌরকই। যুমগী মহাও থোইনা খঙলক্কে, থনস্থু খল্লু দে। মাগী

য়ী।পক মীরাইবা শাজং রাওাংনা থুংলুবা লৈরুবা থুম অমদা ইমুং মুংঙাইনা লেনবা হৈনরকই। লুহোংবগী রা অসিমু মহাক্না গৌহাটিদা পোল্টিং তাম্বিভে নিনথুং নিনথুং হৌদোক্লবদগী হৌজিক মাদ্রাজদা ত্রাপকার তৌরবা মতমসিদা মেন তানখিবনি। অদু কাওবদা মাগী রা খাক্লমই মপানা, করিগুম্বা মানা ময়াত্রবদি লুহোংবদে: তৌরুপা কাওবা য়াম্নমই। লাইবক্তা তমখিবা হায়বহৌরা খভদে মশক্তদি অমুক্তং য়েংহনসি হায়ছনা অহন মশেন শীন্নছনা রাজেন মবাই অহলগা লোয়ননা থারকখি নোংমা অনৌবীসিগী য়ুমদা। থুমিত্তুদা উখিবা ইবেমচাওবীগী মায়থোং থম্বাজনা গাবু পুমক্তম তক্কাংখি। কুচু ভৌই, তোঙ্গানৈ, মশা পাসু পাদে থাসু থাদে, শেংপা চাবা পকচৈ, চা লাম্হোক্লকপদা তিংথোক্লকপা মথুং মশা তুমত্রিক তুম, তনৌ তনৌ, পুয়মক অছুগী মথক্তা খদাংগী শমক্রু তোমখিন; মাগী থম্মোয়দা মযেক লানা তাখি। অছুমকপু মুপী ময়ুমদা লৈগনি খল্লুবদগী অরোইবা রা গায়দোক্লমদে, মাদ্রাজদা তুমিন অছুম হনখি।

মপানা তত্তনা চিঠি ইরকপগা মাগী থম্মোয়দা তাখিবা কাও-ঙমজবা শক্তমগা অনীছনা পুন্না চিংশিনখি মাবু মপাগী রাদা। তৌবগীদি মাগা থবক তৌমিন্নবা বি, স্বামীনাথন-না মহাকসু মুপী ময়ুমদা লৈ, পিবা পোক্তবা ইমুংছুগী নিঙোল মরা ওইরি, মপা মমাদগী মুপীগী মপা মমানছম হেন্না লুনা তৌই, মহাক্তা হান্নবদা য়াদবা লৈতে, অসিনচিংবা কয়ামা রারী শাবদগী স্বামীনাথনগী ময়ুমদা কাওবা চত্তুনা মখোয়গী মুন্বান্নচিংবা য়েংলুরগা মপাগী রাহু য়ারে হান্নবা পাউ থারকখিবনি। লুহোংবগী অকরুবা থুমিং লেপ্লরগা থুমিং তন্নানিমুক্তী চুক্তি লৌরগা মহাক ময়ুমদা লাকপনি।

কোকথুমকিন্থ চিংথোকলুবদা উথিবা শক্তম অছুনা নীংশিংহন্তি য়ঙ্গোন্দা হৌথিবা য়ারী মতাং অমা।

চা থক্ক থক্ক য়েংথোক্লকপদা ফজরবা শামিয়ানা খল্লিবা শুমাংদা য়োংকী উগী চৌকীশিং মপৈ মপৈ. গালীচা ফিদাশিং থুপচিন্দুনা পৈরিবা উরকই। চিঙৈ উরকই তুলসিবুঙদা মপান মঙৈ ফনা তুলসিগী থোঁগন তৌরিবী অঙাংবা গুলাব লৈপান্দু নমথেক্কুনা পুল্লি, পোম্বদা ঙাইরিবা লৈরাংশিং নোহহক্তুনা কল্লবা কনম পয়ানা লাকশিল্লি। হেক উরকপদা চাহু থমই পুল্লিবহু থাদোক্লীংই। কল্লম লৌথোকনি খল্লিঙৈ ময়াম্বা অতন্না শুমাংলোমদা চঙলকপন্থ উরকই। হেক চঙলকপগা মনেম ? হবাও হবাওনা ওকপা, ফিদা থাবা কুম্মেদোনা য়েংঙুরি। ময়াম্বনা মাবু হংবা ভাই, মনেমগা লোইননা মাগী ড্রোইং রুম তম্না চঙলকপা উই। মাবুনি থিরাক্লিবহু, ইকাইরপ তৌই।

"য়াইমা, কদায়দা লৈ, ইয়াম্বা নংগা উন্নগে লাকই!"

চেনবা য়াদ্রে। থোঙ হাংদোকই, মনেমগা ময়াম্বগা চপ লেপই। মনেম্না হায়, "রারম্বিনি; ঐদি হৌগত্রিবরা হায়বরু হৌগৎলবোইরে! ঙয়াং শুমিদাং ময়াম্না চাক চানি হায়হুনা কয়া থেঙলে। তুমশিং ফারম্বাই। চাক ঙম্বা লোইরনি হমানা, চাক চখোম অমা চারগা তুম্মু ইচাসিদি। লংকৈদা অমুক চংক-দোবনিনা না-ম্নেকপগা য়াদেকো— থবক ইনথাংক্লা অমত্তা য়াঙক্লনু ইচাসিদি, খুঙ্গাইদা লৈয়ু। —ইবুংঙো ইনেম চা হাথাথগে।" ময়াম্বনা হায়, "হায়বীত্রবত্ত য়ারেদা রাননবনি. হৌজিক্তা থকচরক্লি। ইবেম্মী লুহোংবদ্বি তরাদি, পানবদা শোয়ত্রবা নত্রা?"

'মানি ইবুংঙো হংচিংনি। থবক্তা ময়ামনিনা কাওরবস্থু মাই। ইনেমগী হায়ববু নখোয় খ্বায় লৈরিদো, থুংকন পাক্লনবগা সম্ব ওইনীংহুনা থিরকপনিদো ইনেম্মা। মচিন মনাও নোংমজ্জা পাঙ-থোকচগে তৌজবনি অহুবু কদাইদগীনো হুপামম্বুমগী মুম মাংবা অমা য়াওরক্তুনা য়েথোক্লরকপনি।"

"য়াম্মা করে ইনেবেম্মা, লাইনা তম্বনি। ঐখোয় লৈরি, করিস্থ রাবীগস্থু। পোংচৈসি লোইশিন্দুনা থম্লগা লোইরে। হয়েংদগীদি শেম শাগংপা য়ারে।"

"ইনেম চা লৌরুখিগে।"

মনেম হেক চংখিবগা হংলকই ময়াম্বনা—

"নংগী চংপনা নহান হায়বহুদা অতুম মতারত্রা?"

"তারিক তরা নংনবা চক্তবা য়াদে, হৌজিক ওডিল কন্না তৌহৌরি। ঐগী শরুক ভাইনতুনা লৈরমগনি। তাচৌ, কনানো অমুক লুহোংগদৌরিবো?"

"নংদি খগুলমখিরোই ইনেবেম্মনা পোকপা মচিন মনাও অনীসিদনি। অতোনবী কমলা হায়বী অহুনি। নংদি মশক খগু-লিরোই। মচানুপী অনীমক নোংমতদা হোংগনি লাংজবনি।"

"মখোয়স্থ ঐদোনা যুমসিদা লৈগত্রা?"

"লৈরোই হুপা মমুনদা থিনখিদৌনি। মচানুপী অহলদবু ইবেবেম্মনা কোম্লজনীংহুনা তৌবনি। ইনাওসিদি করিস্থ খম্মুস্থু। ইনেবেম্মসে মবুক মপাঙ ফবানি। পাজিনা য়াম্মা খাজদবনি, ঐখোয় য়াদবনি অহুবু চহী অহুমলোম্নদি তরুরকপনি, নহাকপুদা হায়রুন

মরৈবা, মাইবুংঙোহু লৈরিছেন্দসীনি। পাজিহু মবুক নোৌনা উই অহুবু নংনা ইপাগী যাথং ওাকলে। নহাক নরাইবক কৈ। মঙ্গল ওইরু। কায়নবসু নত্তে, য়ুম তোঙান লৈনবগী রাতনি। মচিন মনাও তোঙান চান্নরিবসিগুম্বনি।"

মনেবেম্মা লাকই, মথুম্তা চাগী ত্রে

"ইবুংঙো কান্নু, ননাওশিংনা লোন্নকপনি। ঐদি চা থকপা হৈজন্নমদবনি। মখোয়না হেক পীথকপদগী হৌজিক্তি নোংমদা অহুম মন্নী থকহৌত্রবদি চকম য়াওদবদোনা তৌরে। ইবুংঙো নংসু থকউ।"

"ঐখোযসু হৈরমদে ইনেবেম্মা, হৌজিক্তি মসি থক্তু্বদি মীয়ক তিনবসু য়াত্রে।"

অনীমক নোকমিম্নে। রাজেন রান্নী তানা তানা করিনো অমা খনবগুম তৌই।

"অহুগা ইবুংঙো চাকৌবদি পুন্নপ কৌবা তারে, নোংমা নীনি চোম্বরবা হায়বহুনি।"

"চুম্মিনে অহুগীসু লাকচবনি ঐ। পাজিনা ঐখোয়গীদা কৌনবা হায়জরকই, য়ুমগী লাইসু খুরুমজনবা।"

"করি রানোদা যাওং ইনদা ইনবা অতান্নরেদনা অহুদি। য়ুমগী লাই তন্নারক খুকম্বা য়াই। মপাম চাকৌববু মুপামমুম্না কৌনরনে? ইয়াসে ইচানি অহুগা ইচানা ইমৌনি হায়না খজন্নবনি। মানা শিগদৌবদা ঐনা শিজবা, মানা রাগদবদা ঐনা। মহাক করগা লোইরে। মচা মুপা মুপী ময়াম পোক্তুনা মুংঙাইনা পানহোবা অসিতনি ইনেমগী লাইনীং। ঐগীদা অহুম লাওজগে। ঐনা খুরুমজররকই হায়বীয়ু। ঐনা লাকদবনি, থবক্তসিননি।"

"লেংলক্লবস্থ য়াইদা ঐনা পাউ হন্দোকউরগা লোইরে।"

চা থকপা য়ারী-বাতাই শায়বা লোইরক্লম্না ময়াম্বা চংলগে হৌগংলক্লে। মনেম্না হায়, "ইবুংঙো নয়াম্বা থিন্দোক্ল্। কম্নিহ্ হন্দোইরক্ম্ নয়ুম্নিনে মসে।" য়াজেন মমায় পংশোন শোমবা মীদি নত্তে হায়ববু কোইদবা ঙমদে, লংকৈদদা মরৈবনে নহাগী ওইবনে চংনবীগী কাংলোন কূপ্না খঙদবদগী থরা কোইয়প চাই। থিন্দোরকই ময়াম্ববু। কনা চাওবা ইথোম্নি, লূহোংবগী ইরং লংনগা শেংদোকপনে, হৈ-লৈনগা মকুম মথাগী হৌনবা লৈশাং লৈতয়কপনে পূন্সিগী অনৌবা মতাং অমদগা খোঙদাবনে পূক্নীং ইয়াং হৌই, পূন্নমক ইকদা ফজনা উরকই। কোম্হোং মপান য়ৌরকপদা ময়াম্বনা হায়, "নংনা মাদ্রাজ চংলমদাইদা পাজিবু অমুত্তংদি থুকম্নম্ম্ হয়াওজপনি।" ময়াম্বনা হায়বস্থমক তৌগনি খঙহন্লি ময়াম্বা থিন্দোক্ল্রগা হঞ্জিল লকপদা থবক-ইচ্ছাং নোম্বা লাকপা লৈকাই পাখঙ নহারোলশিংনা য়েংনৈ মাবু। হঙ্গাম মপানগী কি-মতেক ইনবীহ্ ভুংওইরপ্না অরাংগী য়েনথাদা চঙথিবা উই, হাইকেৎ য়েংথোকলূই, মহ্ উবদা পাখং অমনা খোইরুম তৌই, মথোয় অনী মিৎ চায়রুই, মরু লূকথনে। কা মহুং য়ৌরক্লবদা টেবল মথক্তা লৈরিবা ওরাংগী খবর পায়থক্ল্না মাদ্রাজ-রোমগী পাউ হান্না শোইথি থিরকই, তাঞ্জাহুমক্তা রেডিও থাগংলকই কনানো অমনা মনূংগী কাদা। পেলহৌদবা অমা লৈবদোনা কা অদোমদা চঙলকই অহুবু কনামত্তা লৈরমদে, অমুক থোক্লকই ড্রোইং রুমদা। মথক্তা শোম্নি, "নুপী ওকরেদা, ময়ুমদকাও অহুপ ইকাইরবসিনদ্রি ঐথোয়দকা ওইরবদি য়ানা খাঙপ্রনিদা।"

নোংমচু থানা লেনখি। হুমিদাংঙাই ঙাইহাক চখোকপা মাগী কুইনা হৈনরক্কবীনি।" নীংখিনা শেং-চাতুনা খোক্লকই চখোক্লগে নীংতুনা। মনেম্মা হায়রক্লৌই, "ইবুংঙো মতম কক্তেকো, অথাইকাও চখোক্লরগা চিঙৈ হজিল্লকউ। চাক লোইহল্লগে।" অয়াংকেমগী কাংবু, লৈকাইগী ময়াম পুম্নমক হুপতুনা য়েংহৌই। লৈরক খোকখি-বদহ লৈশাবী মচাশিংনা মূনা-মূনা য়েংই, মী 'উশিঙবী খয়না খুদোম্বীনা খিল্লগা নোক্লকই, রাজেন 'খোইনা খল্লুদে, মাহ মুম্না য়েংঙই, মচু উরগা "হৈমা অনৌবনবু মমায় য়াম্না কল্লিনা" হায়হৌবা য়াওই। পীপম খুদিংমক মাবু য়েংনহৌই। য়েংনীংবা মতাংনমনি, মশা মথন্তা কাওবা মশাবু য়েংনীংবা মতাং ওইবননি।

ইম্ফাল সহর পংরেং য়েংনীংঙাই লৈতে; কংলা পার্ক, বীর টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক, গান্ধী মেমোরিয়েল হোল, নোংম-নোংমগী পীক-শিল্লক্লিবা কাংজৈবুং, কারবাররালাশিংগী রাংখৎলক্লিবা দলাল, লম্বী মুম্না কল্লিবা নোংমা-নোংমগী হেক্ষংলক্লিবা ইমা ইবেন, শানৌ নহা কয়াগী হজাম কোবীগী পোৎফম পরেং, নোংবৈ পায়বা সিপাহী-শিংগী তমাসা, অসিমত্তাই। পুং ৮ লোম তারকপদা অনৌবা য়ুন য়ৌরকই। লাংলম্মি ইমুংচু হংচিৎ লুহোংগদৌবা অচুগী। মনেমচু ঙাইরমই মাবু, "ইচা লাক্লেদনা, ইচাশা ইবুংঙোগী ঈশিং অশাবা পীয়ু, মমায়-মমিৎ তাখোক্লবা মখোঙ-মখুৎ হাম্নবা। চখোকঞচু ইচাসিদি ইশৈ তাহনা লৈরো, নশাকা ঙমজবা য়াদ্দেকো।"

খুন্ফম শঙ্গরে, ভুমিন চঙলকই। মকি-মুরোল, হোংল্লোক্লগা লৌরকপা খবরচু পাগে হায়না চঙলকই ড্রোইং রুমদা। হেক

কম্নথবগা মনুং ক্লাদগী হায়রকপা তাই, "ঈশংগা জাউরেলগা অসিদা লৈরে ।" হায়রম্নগা অমুক চংখিবহুন্ তাই। হৱা চাকবগী, হমুং ল্যাংকপ-লাংবগা হায়কেং চোকথংগা মমায়-মমিৎ তাথোক্লীংবগা তান চ্লানক্লই । ঈশিং পুরক্লমহুগা অমুক্কং কাম্মল্লবদি থক্লকই । মমায়-মামৎ হেক তাথোকপগা চাক লোইরে তাক্লে মনেম্না । চাক-শঙ্গা তাইনবা চাক চাকম কা তাম্না চংখিবদা খুদৈ অরাংবা মতেক ইনবী অমনা চাকলুক অমা কজনা শেন-শাহুনা থম্লমই ।

ওংলেকই "হৈতে টেবলদা চাবনা হুংঙ ইদৌ ওইরাদ, টেবল মচা অমা পুরকউরা ?"

"টেবলদা য়ম্ম হৈনৈ ঐদি ।"

মনাওনুপীনা কোইলাং লাংই । মনেম য়াওরক্লে । ইবৈ হায়রকপহুদা মনাওনুপীনি হায়রুবা রানি । শাবান মুর্ত্তি, মথোল-মরূ ইমান মাম্নবগুম তৌই । কনাম্ন লৈতে মশক্লম য়েংগে য়েংথংলকই রাজেম্ন অচবু মকোক-মরু ইথুমহুম থুম্লমই । মনাওনুপী ওইরম্মি অহুম খল্লি। চাক-চা হেক তোকপদা মশাহু ইমুন মুনগ্রে, থব পানা পানা অহুম তুমগ্রে ।

মথংগী অয়ুক্কদি মহাক্না মিকপ থোক্লকপদা ইথোয়ংদা মীন পুম্নোম নোম্নম্নে । অম্বু মাগী মাচন-মম্না শেংদোক্লবা ঈরু-মায়থজনব ঈশিং-মাইশিং ওম্না শেম-শাহুনা থনমই । রাংপা হায়ববু মা অনৌবী অহুতনি । ইনক নক্লনা মথোয় অনী কনা লাপ্লে— হুবে লুহোংগদৌবা অহুগী লাংবহুনা ওইবা তাই । মুম্নিদাং রাগী তাইহা শাগদৌবা কাওবা অহাংবা মতম কংনদে । মাম্ন ওসিদি লুহংগদৌ

অহুগী লাংবদা য়াওরে। মমুমলোমগী মপা, ময়াম্বশিং, মতৈমশিং ওয়া শৌরক্রে। চেম্থোক-চেনশিন, থাংদোক-থাংজিন মাম্থু মাগী শৌদাং য়ারে। মনেম্না কনা থামই য়াওদনবা অহুবু মতাংনা য়াম্রে। ময়াম চাক থেওনা চাবদা মাম্থু য়াওরে। চাকচা ভোক্লবা মতুংদদি মনেম্মা য়াদহুনা মহাক পোম্বাহুনা লৈ। নুমিদাংবাই মহৌশা চথোকপা মতমহু ওইরকপদা মহাক হুরা চাবা চথোক্লকই। মনেম্মা থেওনা চৎকনু হায়না শায়না নুমিত্তু দি কনা য়াম্না থেওদোকখি, থায়না শিল্লংদা অতাং ওইরিঙৈ লাইরিক তম্মিন্নখিবা মরুপ জোনসন হাওক্লিপ লম্বীদা থেংনবদগী রাৎরী-রাতাই শানবতা নত্তনা জোনসনগী ময়ুমদা চত্ত্না চা থকমিন্নরুই মাগী মিসেসকা শক থঙনবা ওইনা। জোনসন সরকারগী অচৌবা থবক তৌরম্লে, ডিপার্টমেন্ট অমগী মকোক ওইরম্লে, থেওলে হায়না হায়না গাড়ীনা থিনগনি হু য়হুনা কনা থেওনা কম্লে রাত্রী রাতাই শান্নবা লোইরগা জোনসন্না মাগী কারদা শিল্লকুনা কোক্তোং মপান্দা থম্বীরম্লে।

শুম্মাংদা মীদি তিল্লমদ্রে থাওম্নেদি ওাম্না থ লমই। চাকশওদা লাংনবদি তাই। রাজেন য়াওংশও অদোমদা পরপ পরপ চওশিল্লকই, খোওহু ইল্লুবদা মতোমতা হাংদোকচরকই। মাগী কম্মুং কা তান্না চওশিল্লকপদা মাগী খুদা তিদান্দা মকোক-মরু ইথুম থুমজিন্দুনা মুপী অমা হিল্লিবহু উরকই। হিদান মনাক তান্না চওশিল্লকুনা লেপ্লবা কাওবদা হীগ্লিবদো তুমিন অচ্চম য়াতারি তুংথরবমাল্লে। শাবান-মুত্তিদো মান্দি মাল্লি, ওইরমকমহু থোকই— থল্লি। তাংনা কংলবা তাজাহু নাম্থোকহুমীংদে। লরুরগে হায়রমহু থল্লি।

করি তৌসিংগে থম্না থম্না য়েংথোক্লকপদা লুখুব ওইরম্বা শিথ্রাই শমুক অমদা চাক চাকলুক অমা কজমা কুপশিন্দুনা থম্বিবত্নু উরকই। মপুক্কীংদা থাজবমা পোক্লকই। চঙশিল্লকই হিম্বিবীহুগী খুরা ওইরপ। চিংঙে নীংশিংলকই মঙোন্দা মতৈমা অহম্না হায়খিবা, চেকশিন্দবা য়াদে খল্লকই। তপ্না চঙশিল্লকুনা মমায় মায়থোং কুপশিবা খুদৈ অরাংবা মতেকুগী ফিজিন্দু তপ্না লৌথোকই, ট্যুব লাইটকী ঙাল্লবা মৈঙান্দা মায়থোংহু কজনা উরক্লে। —তুংদা থংহন হন্দোক্লকই, হন্দোক্লকপদা নত্তনা নাশোন পীক, খুনিং কাঙনা থংনবা ড্রোইং রুমলোমদা তুমিন চংলক্লে। অমম্বা কাহুগী লমথাইদা তুমিন লেপ্লরে।

ঙাইহাক লেপ্লম্লগা কোইমা মাহুনা সোফা অমদা ফমথে, মতৈ-মনা হায়খিবত্নু অচুম্বনি, চোপ্পনগনি খল্লকই। ময়াম্বা অহনগী মতৈমা মাগা কয়া হক্লোইনদবী, মনাওশিং মচনশিংনা মমাদা মমাদৌগুম কোনবীরকপীতুনা মহাক্না লুহোংবগী মরমদা হোই-মাই হায়রুবদা নোংমা অস্থুম্না হায়খি, "য়াইমা হন্দকীসিদি য়াদবকা য়াপোৎ নত্তে। সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা হায়বত্নু থোকই। জাং তেম্ররুবা কাওবদা জাং তাবা য়াবা মকমনি। মশক্তো কজ-দা নত্তনা মুংশিবমা য়াওই। লক্ষ্মী চেনগ-দাবা শক্তানি। ম'দা নত্তে মচীন-মনাও অনীমক সমনা হেল্লি সিমনা রাংলি হায়ভম খঙদে। মশকহু চপ মাম্লে, কুচু-কুমেন রাং চাওবা তুংয়ান তাবা চপ মাম্লে। মশম-মনা মথোঙ-মখুং অমত্তা হেক রাত্তে। মচীন-মনাওদো ফাইবোক্লি। ঐথোমগী হায়নরিবসিনা মচে'ম মানদি খিত্তং হেল্লি কুচু পানবা।

য়াম্নিং মিংপান তাবহুগা মশম য়াম্বগা মানা হেল্লি। মচেমছু পোক্নম-বমু মনাওমু লৌদবা য়াদে ঐ কুপ্পা হেক্কা য়েংলক্লবনি। নতেম্না য়াইমদি খনকম খঙদে হায়রুনা মনাওমুপীমুবু ঐখোয়গী মৌ ওইদৌরিবু নত্রা হায় ঐঙোন্দা।"

অহুনা চেকশিনখি মহাক। মানা অহুক্তে মশক য়েংলক্তে ইবেমচাওবীগী খদাংদা থুংবা পীকতক তৌবা অমুবা শমক্র, লুহোংবগী নোংঙানবদা মাগী চা থম্লবদা অমুকা পরীক্ষা লৌখিবদা উখিবা শমক্র মাগী খুদা হিনান্দা তুম্লম্লিবী অহুগী খদাংদা থুংলমদে।

মুংশাশ্বর চাওনা হোল্লকই। করি অমুক নীংশিংলকপনো খঙদে তপ্পা হোৎংখিহুনা কাগী ফাওনকম খোঙহু তপ্পা থিংজিল্লি; থাউমৈগী মুই পাল্লিবা অদোমদা লাকই, মখুৎ তিংথোক্লরগা অমুক সর হুল্লিনখি। কাগী থাউমৈ থাঙ্গৎলুব্রে। সোকাদা অমুক।

খম্নুরগা য়ায়েৌয়কই মবুক্তা, অঙাং অসি করিগী অসিদা হিপ-হন্নরিবা, ঐবু চোপহনগে তৌরিব্রা? অমুকমু থল্লি হয়েংতা মঙাইরে লুহোংগদৌবা, ময়াম মরক্তা লৈবহু হঙোইহুনা অচিকপা মকম থিরকপদা লাকপা ওইরম্মু য়াই. অঙাংনিনা অসুম হিম্নদগী তুমথখিবমু ওইরম্বা ময়াই। শাওরম্বহ খরা নেমথৈ।

লম্না খরা শাংনা চৎলুবনে, জোনসননী মুমদা অহাও-অথুমগ খরা চাশিল্লকপনে মশাহু ইমুন-মুল্লি হিপ্লিংবমা পোকই, হিপথৈ সোকাহুদা। মনাওমুপীহু অমুক্তং মিকপ থোক্লক্তুনা চৎপ্রবা নক্লগা মচেম অমুক্তং লাক্লবা নুংঙাইপ্রনি খল্লি। খল্লে হায়বহু মঙাই মনা-মনিন অমত্তা নাইরক্তে। মোল্লবা সোকাহুদা হিপলুবহু তুম্বা খেম্বগুম থোকউরে—তুমথক্রে।

মথংগী নুমিৎ অঙনবা অয়ুক ইবেমচাওবী চময়ৈ, নুমিদাং মপুম্নোইবনা হম্নক্রবগী নুংনাংবহু লৌংলিদি হায়বত্থু "থকইংপমহু য়াওই," করিগুম্বা মমাংনা থিম্নক্লবদি কমদৌবা। মনাওগী নুহোংবগী থবক্কা রাকম খঙদে। মমানা অউনপোংকী ইথংথিবা চৈহু পীম্নকউ হায়রকপদা ড্রোইং রুম তাম্ন লাকই। হেক চঙলকপদা লোকাথক্কা কনানো অমা হিপলম্বহু উবদা থংব্রেক থংই, লাউই, "হেমা"। অমহুম্ন মমিৎ থংপাং পাওই, হৌগংলকই। মপুম্নোইবনি থঙলবদা ইবেমচাওবী চপ লেপই, রা মথা তাম্নমদনা টেবলথক্কা লৈম্নিবা অউনপোং মশাং ইবা চেহু লৌম্নগা শাওরংননা চংখি। রাজেন তুম্মুবদগী ইথং থংনা হৌগংলকপগা অমহুনগা চিঙৈ চংখিবগা মমিৎ-মনা নোইহুনা অহুম লৈহৌরে রা হায়নবদি লাম্নরহুনা মশক কাওবা মুম্না উহৌদে। ওরাংগীহু নৌংশিংলকই। ইকিং-কিংনা হৌগংলক্লুনা য়াহৌরকপগী তৌগদৌবা পুম্বা লোইথোক্লুগে থোক্লকই। অম্নুম্না শেম শাম্নিঙৈ মাগী চা বিস্কুট ড্রোইং রুমদা পাইরকপদৌনা লৈরমই। থংশাও শাওনীংলকই— য়াঙং ইনবগী পুন্সিসিবু অ[illegible]। ঙাইহাক্লকাও কাম্মম্নহুনা সে-মাই হায়নবা কংদবা. হুই চাকথাবদৌনা চান-থক্লবম্হু তূমিন হেক্তা থনম্বা! মপুক্লীং ইতা তাদনা নমহুনা হোঙলবা .জাংলা? স্বামিনাথনগী হুপীনা মপুম্নোইবগীদমক তৌ-হৌবা সেবা চিঙৈ নীংশিংলকই, হেম্ন-হেম্নহুম শাওনীংলকই। "করে নোংমা নিনিদা ঙায়রেদনা চংখিদৌবা। পাজিম্নু থঙজ-হৌম্নসন্থু, হুনীমযুমম্নু থঙহৌসনু ঐহাক স্ণলাক লাক্লম্নোই।"

শাওননখিবদগী কাওই মনাওঙ্গুপীগী নুহোংবা ঙসিনি হায়বা। শাওনা-শাওনা থকপলগী. চাহু মৈহৌনা শাই হাম্নবা থঙহৌদে, মথনাও

পোক্লই, উমতুনা থাওই। তাঙ্গাতুমক্তদা কনানো অম! থোঙদা তেক-তেক কাপলকই, হায়রকই, "ইবায় ইমাইবেম্মনা কৌরি, ওমাংদা।"

থোক্‌বা য়াত্রে। ইমুংদগী থোক্লক্রে। মনেম্না হায়রকই, "ইবুংঙো য়োংকী অম্বারী মচাদু অমত্তা য়েংলু; মহুমক্তং য়াওত্রবদি তুংঙাইত্রে ইযানা। পৈশা অসিদা লৈয়ে। লৌশিং অনীরোম পীরমগনি হায়। নংগী খুত্নাগী জিপ অসিদা।"

য়াদি হায়রম্নগা মকি-ময়োল হোংদোক্লগা তুমিন চংখি অম্বারী লৈবা। চংত্রিঙৈ লুহোংবগী থৌরাং কনা য়াম্না লোইশিল্লমই, চাক ওয়া চাননবা শেম-শায়ম্নে। ওস্দিদি মীয়াম চানবগী থৌরাংনিনা বাযোন নেত্তুনা থোংলমই। রাজেন অম্বারী পুতুনা হেক লাকপদা ময়াম ওমশিন্নৈ অম্বারী য়েংবা। মনেম্না য়েংলগা হায়, "ওহোন্না কজত্রেদা, ইচাদি থবক তৌবদা মচু তাদৌরি। চাক চাথোকলুয়ো, তৌগদৌবা য়াম্না লৈরি। কবিগীনো ইকোই কোইরিবো। নংনা চেনগদৌবনিনে পুয়মকসে।"

শাওরম্মহু কাওই। মকি-ময়োল হোংদোক্তুনা ময়াম চাবা অতুদা য়াওরুই। হেক লোইবগা থাউমৈগী পাল্লিবা শেমলিবা ময়ামহু য়াওই। কোইদা-শানা নোমই থবক ইনথাং। থিন্দে পালা তিনথংলকই। মনেম্না অমুক কোইথি থিরকই, হায়রকই, "ইবুংঙো দান নংনা পীগদৌবনি, মকি-ময়োল ওয়া শেম্‌-শাত্তুনা থম্মবনি। হৈত্রবহু মরাম্বনা মরাইনা তাকচনি। মকি হোংদোকলুয়ো।"

তুগা ময়ুমলোমগী মী য়ৌরক্রে, ইশে হোত্রে, রাজেনহু মরাম্বনা তাক্তুনা শেম-শাবা লোইত্রে। ইকুই কুইদনা বর য়ৌরক্রে।

লুহোংবায়চিংবা থাংজিন্নুনা শেম-শাগ্রে। মপোকথৈগী তৌরক্লিবা ব্রাজেন ঈশিং থুজাই পায়দুনা ব্রাহ্মণগা লোয়নবা মাগুপ ময়ায়দা চঙলক্রে। মুপীময়ুমগী কাংবুনা নিঙোল-মরানি হায়দুনা মুকম মুকম শোন্নবা, মঙোল্লোমদা য়েংশিন্নরকপা ওয়া তাই, উই। ঐজ্ঞানা তাকপা মতুংইন্না আচমন কৎপা মন্ত্র শোনবা পূন্নমক তৌই। বর চঙলক্রে শোনবা থীবা পুন্নমক লোইরমাগ্রে, ইমুংদা অমুক চঙলকুনা কন্যাগী মাংদা কমতুনা শোনবা হৌনবা পূন্নমক প্যাঙথোক্রে, অউন-পোৎ পুন্নমক ঈশিং খিকুনা শেংদোক্রে। অমুক মাগুপ ময়ায়দা কন্যা পুথোরক্রে। ভাবুক রা লাওই। চাউদম শাংদম মপোপ-মতাং চুম্নবী, কুচুনগা ঙোরোক ঙৌ মথোৎকারকপগী খয়-থেংবী মতাংগা ওইবনে মী পুন্নমক য়েংনৈ কন্যাবু, ব্রাজেন মথন্ত মঙায় য়েংক্রিবা। কন্যা কমলরে মোন্তেক-থক্তা, অমুক মন্ত্র। বর-কন্যাগী খুৎ পুল্লে অপোকপী মমানা মিৎলু পিরাং ঈক্তৌনা, দানগী পোৎলম থাজৎলে শেন্নবনা। দান পীবগী হৌনবী 'পুষা লোইরক্লবদা ঐজ্ঞানা তাকুনা ক্ষিরৈদা য়েপলকপা ভরা চৎপী নোট লৌথোকুনা অহানবা কন্যাদানগী দক্ষীনা কস্বীথক্তা থাদগে হৌগৎলকই ব্রাজেন।

ব্রজেন খঙহৌদনা মপুক নৌরকই। অঙাংনি, মতৈগী কম্মুংদা কাওবা চঙলকুনা ইঙাও ঙাওনা তুম্নবনি ঙাংতা ; ইকাই হুঙোইবদগী মশককাওবা নীংথিনা য়েংঙুদে, রা অমরবু ঙাংনহৌদে। মশকু অমুক্তং য়েংনীংলকই অরোইবা ওইনা। দান থাদ-থাদনা য়েংলকই মনাওয়লপীবু। য়েংলুরগা স্বায় লাওই খংপ্রেকথংই। মমিৎ উইশিল্লি, অমুক য়েংলকই, মানা হৌজিক্তা উথিবা অছুমকনি।

দান থাদগদৌবা শাগৈ ভাই ময়ামত্থনা মরী মরী ইনশিন্নরকপদা ভাওবি ভাওরি হুন্দোক্লকই রাজেন। হন্দোক্লকপা চঙলকই তৌরুই ক্লবদা। লম্বদিং লমজেন য়াওরুবদৌনা সোকাথক্তা লৌংনা ইপথে। স্রেংথংথিবদা উরকই ফক্লাংদা থাত্রাং থেংলিবা মচীন-মনাও অনিগী কোটৌ। লোংনা হোৗগংলকই অভাওবদৌনা— থেংলিবা কৌটৌ অনীতুদা য়েংলৈ। য়েংলিভে অমুক কৌনরকই মপান্দগী। কন্যা থিন্নবা শেম-শারমে। ইমুংহুগী পিবা শক্লবনি, মনাওন্নুপীদো মবুং শক্লা মহাক্লা দান পীথি, শাগৈ ভাই কৌম্নবদা মহাক তক্তাইকদনা য়াওগদৌবনি। শাগৈ ভাই শকথঙনা ক্লা লায়ৈ, থুরুমৈ। কণ্যা থিনবা মরক্তা মহাকসু য়াওগ।" মুপা ময়ুম য়ৌরগা অমুকসু ভাইসেন ক্লা লাগৈ, থুরুমৈ, মহাক্লা মপুং ওই। মযুমলোমদা হল্লমদাই মনেম্না তাক্লকুনা মনাওন্নুপীগী নাক্তা চঙলকই। কমলানা মতৈগী মথোঙ শোক্ল থুরুমজরকই, মপি শিন্থনা হিক-হিক কপই। ফুরিংথাওদগী লুপা চাম্ম চংপীগী নোট অমা মনাওগী খুত্তা খুংথেংননা পীরগা, "ইবেম্মা ইতে চংলগে, ক্লুংক্লাই য়াইক্লনা পাম্মু।" খঙহৌদনা হু রদোকখি, মপি তল্লং ঈহৌরকই।

তেম্ম হেক্মা কপহৌই ক-লা থনমে মনাওন্নুপী মপুন্নোইবগী য়ুমদা। হন্নক্লে য়ুমলোম-দা তরোই-তরোই। অহুবু কদোম্নদা চংথি-খনো খঙদ রাজেন য়োৗরক্তে য়ুমদা পম্মম লাক্লরবা ফাওবদা। লোলাই-লোংগী চাক্লী থৌরাং হোৗগংঙ্গ্রে অহুবু লাক্তি রাজেনসি। মনেম্মা কোইচেন্ন চেক্লি, হংই। তৌদ-য়াদ, ওইবনা চাক্লী অমুক লাংই। তাঙ্কখিদা রাজেন তুমিন চঙলকই মথক্তা, কুনা মক্তা উহৌদে

চঙলক্লগা কমৈলে মাগী হিদাক্দা ইহৈ-হৈনীংদনা। মীংরেংকম নত্তদূনা অম্নুম য়েংখোবকই। নাক্তা থারিবা টেবল মচাহুগী মথক্তা কজনা কেম চন্দুনা লৈরিবা মহাক অমসুং ইবেমচাওবী অনীগী কোটোহু উবকই। হেক উবগা কোটোহু তাপ পায়খৎলি, য়েংগে থাজংশকই। তাঙ্গাহুমক্তদা ইবেমচাওবী তুমিন চঙলকুনা লৈপলে হিদান মনাক্তা, মুংমুক মুংজাননা হায়রকই—

"অহুক মুংশিবীদবা ঐগী কোটোহু য়েংদৌ শরুক ইমাগী মায় য়েংবীহুনা মপান্দা ইমানা থিরিবসে অমুক্তা উরবীরু!"

হায়বা ইনবা অঙাংদৌনা তপ্না থমই কোটোহু টেবল মথক্তা অহুগা থোকখি মপানলোমদা। হেক উবগা মনেম্না হায়, "পাঙ্ডীদগি য়াওরক্তুহুনা থোঙনা লাকহৌই হায়। করিগীনো অহুক ভুশোল-মানশোল্লিবো, নশেন-নবায় নয়াম্বহোয় ময়ামদিনা লাংজিবসি য়াওরোনে ইবুংঙো। ইমুংসিগীদি নঙতা মঙাম্নরবনিমে।"

কোন্দে হায়বদা থাকই ময়াহুবু লুনা তৌজবা। ময়ামক্তদা চাকই, ময়াহুব খুকনহল্লি অহল-লমনশিংদা, শক খঙনহল্লি মমাল্লবশিংগা। কুইদে চাকলুক থারে, চাক শীনবা হৌরে। ময়াম কোইলাং-লাংহুনা চাবা হৌগৎনরে, মাসু অহুম য়াওই।

চাবা-থকপা লোইরবদা, ময়াম কায়নখে। য়াজেনসু মশেন-মবাইশিংনা শেংদোক-খোঙোকপচ্চ য়াওরে। মনেম্না অমুক তানশিল-লকুনা মাগী কাদা চঙলক্লে। চঙলকপদা মকোক-মরু ইথুম-খুমজিল্লবী ইবেমচাওবী দান্দা কমহুনা হিক-হিক কপ্পা থেংনরে। চপ লপই লবয়াখদা। "কমহু তোক্তে; য়াজেম্না হায়রকই, "করিগী থিবনো ইবেম্মগীয়া।"

খুম্নক্ত অতুম্ কপই। মনাক্তা কমথরক্রে। কপালিবীহুনী খোকপ্পুমক্তিনু তপ্পা লৌখোকপী, মখুৎ নাম্মনা নৌরবী লেংবান্দা,

"কন্নিগীনো এনা হংলগা অহুক পুক্লীং হুংশিনা কপালিবা ?"

ম ম্যুথাং লুক্তক্লনা খুম্নকই

"অপাংবী ইমা-ইচা এখোয়না ক্লানখ্রে। পুক্লীংনা অহুক তাবিরম্মোই হায়বা খঙজহৌত্রে।"

"এনা কৰি তৌরহুনা ?"

"অরাং মুমিলাং হিদান্দা এনা তুম্মুই হায়বগী নত্রা ড্রোইং কম্মা লেকম্নিবা ? হিগ্না য়াংগত্রা কায়হনা হিগ্ন বদগী তুমথোকখিবনি। ইমানা থিরকপদা ইকাইজহনা পোখাত্রে হায়জিল্লে। ড্রোইং কমদা চঙজবস্থ এবু তাম্বোকপীরম্বা য়াবনি। মীকপ থোক্লকপদা ইথম্বা লৈবা ক্লিহুনা অঙাংছু লোম্না কৌরুহুনা লেকমিম্নরে। অঙাংছু মথায় কয়া মুংঙাইখিত্রে। কয়াদা মুংশা থীনা লেল্লে!"

অমুক হিক্-হিক কপথৎলকই।

রাজেন্দো নোকম্ন নোক্লীংহু, কোকচাওবীসু কাই রাহু তারগা। নোক্লীংবনা ওয়কই, হায়রকই, "এদি কি-মতেক অরাংবছু ইনবা ইবেম্মা ওক্তরবোই নীংলুবে ; অঙইবনি সত্য !"

"খঙজরে ইবুংঙো। মনাওলুপীনবু মতেগী হিজাম্মা হিঙ্গি হায়বরাও ? চা-মুং লাম্বোকপা, ঈশিং-মায়শিং লাম্বোক্লপনা অমনি। মানা লোইনবা পাম্নবনি। অহৎ হৌন-খঙবী নত্তে ইনাওঙো।"

হায়রগা মনাক্তা কৈরম্বা কোক্টো আলবুম্ অমা য়াক্লী তৈবম্মা, তপ্পা থমই।

'চা-মুং লাম্হোকপা, ঊশিং-মায়শিং লাম্হোকপা' হায়বস্থু তাবদা মুংশাখীবা হেঙ্গংলকই। টেবলথক্তা থমখিবা আলবুমস্থু অমুক য়েংই, ইবেমচাওবীনা অমুক।

"ঐবু থাজো সত্য। নহাক্কি খওলগবু কম্নিগী ঐনা চেনগদৌরিবা? কৈ অমোম ওইরবস্থু নহাকসে ঐগীনি! ঐদি নহাকা অমুম্না কম্মিন্নবসিকাও কংলরোইদ্রা মুংশাখীরম্মবনি। সে কমদুং, ঐ লানথ্রে। ঐ মাম্রাক্তদা চংকদৌবা তরানিগা মঙায়রবনি।"

ইবেমচাওবীগী মনাক নকশিল্লকই, মপি তৈথোকপী।

"ঐহাক ইবেম্মগীদমক য়াম্না মুংঙাইহৌরবনি। নোংমতকাও কম্মিন্নহনা রারী-রাতাই শানহৌদে, মাগীনি হায়হনা করিমত্তা তমহৌদে। নখোয় অনীসে শক-চু ইমান-মায়ম্নৈ, শাবান-মূত্তি থেম্নদে হায়, ঐহাক য়াম্না হজোয়, ঐনা খওবা—"

মথা তাররক্তে চপ লেপই। তুমিনু তারম্বী ইবেমচাওবীনা হৌজিক্তে। কপ্লম্বগী পিরাংনা লৈরাক্রখিবা মমিৎ অনীহনা মপুরোইবদা চিংন য়েংলগা নোকাম-নোকনি হংলকই,

"কয়াদা ওইদবা ভাংলিবা! ঐবু ইবেম্মগা মান্নৈ হায়রবা! মানা শেম্বী-শাবীরগা মানগদৌ মঙাই। ইনাওনা শেম্বী-শাবীহনতা লাকপনি ঐবু। ঐখোয় অনীগী ফোটোহু য়েংউনে।"

মানা থমখিবা আলবুমন্থু লৌই, হাংদোকই। হেক হাংদোকপমক্তদা মখোয় অহমথক—অনী অমনা ফম্নগা অমনা ভুম্না লেপ্পুনা লৈবা ফোটো। ইবেমচাওবীনা মখুৎনা খিম্নুনা তাকই,

"কম্লিবদো ইবেম্মনি, মাগা কম্লিন্নবিবদো বরখুনি খায়নদগী মখোর অনী শকথঙ মাযথঙনরকপনি। লেপ্লিবহুন্না মান্নক্রা যেংউবে ?"

রাজেন মুন্না য়েংই কোটোহ্ কমলানি হায়ন্নিবীহ্ মঙ্গার তানা নোক্ল মনাক্তা কম্লিবগা মথুং-মথুং পায়নহুনা। তুংদগীহুনা ইচম চম্না। কা অহ্ মুংশিং-মুংশা চঙখবদোৱা পংচিক চিকশি, নোক্লিবীহ্ কমলানি। রাজেন কোটো য়েংলম্বদগী ইবেমচাওবীদা অমুক। ইবেমচাওবীদি মাবু য়েংলি হায়বা খঙদে, মপুরোহবগী কৈবোমদা মথুং থম্লে হায়বকাও কাওথোকুনা কোটোহুদা চাগদোঙ্গুম য়েংলি। মতোহ্ উরগা রাজেন থিক-থিক নোক্লকই, আলবুম খংখুম থুমজিল্লগা মুক হৌগংলকই, ইবেমচাওবী ইথং-থংনা হন্দোকখি। হন্দোকাখবা ইবেমচাওবীগী মথুং অনী সুপপায় পায়রগা হায়রকই রাজেন, "ঙসিদা তুমীংঅবরা এগী হিদানসিদা ?"

ইবেমচাওবী তঙক-তঙক য়েংলকই; রাজেন্না কমকমদগী চিংখংগী। তুমিন হৌগংলকই। "হায়ুনে, তুনীংঅবরা হায়বা ?" হায়রগা চেৎনা কোনবীরকই ইবেমচাওবীবু, খদাংদা শমক্র থুংলবী ইবেমচাওবীবু।

"নহাক কাওদেদনা ?"

চহীগী লাপ্নবা চাংজৌ অনী। নগা অত্তাং ওইবিবা মচা-মত্ত-শিংগী মকমদদি হন্নুবীদো শিবগা চপ-মান্নবনি. শিন্নে হান্নবস্থ ন্নান্নবনি। মহাক নশা কাওবা মহাক হিংলি, তাইবং মীচাক চান্নি হান্নবসি হেক হেক কাওবগুম তৌই। মমিং উত্রে, মনা তাখিন্নে, মী অমগী মপান তাংজবদি হৌগং-কাম্বংপা হান্নরা ভমত্রে; কাওইবমক শিন্নবা হাম্নবহুনি অচবু মহাক হিংদ্দি হিংজি। ন্নামত্রবদা নোংমগী মন্নুংদা মহাক অনীন্নক্তি হিংলি হান্নবা মশা মতোমন্তা মীংশিংজবা ঙমই। মতমহুদা মহাক্না হংই, "তোম্নবু চাক পীজন্নব্রা ?" পীজন্নে নত্রগা পীজক্রি হাম্নবা পাউখুমহু তান্নগা তোম্নগী মনাক্তা চংকনি মমৌনন্না নত্রগা মত্তনন্না অরৈবা অমনা শৌবীহুনা। মচা অতোম্নবু থক-থক মীক্লবা, তোংশা ন্নাওক্লবা মখুংনা শীং-নানগনি, হংগনি "নহাক কাওদেদনা ?"

মহাক শিক্রি।

তোম্নদো কুইত্রে ইমুংদগী মপান তোন্ননা থোকখিদবা। মহাক্না থোক্লকপা হেক্ক উবদা পীক্লিবা অত্তাংশিংনা তেম্পাক্লা থাবা লক্লবা শোন্নদে। মহাক কনাদস্থ শাওদে, তুমিন্না অহুম হল্লকই; কাদা মথক্ত কমহুনা মতম লেনগনি। মন্নাক্লনা হেক পোকপা ই কাওবনা মাবু লক্লগনি, মকি চিংগনি, তেম্পাক্লা থাগ্নিনি। মথোন্নশিং অনিদস্থ মহাক মীতোপ্নি ইচুংহুগী মী ওইনা ওইনা। অদুবু ইমুংহুগী মী অমদি মওইন্নি।

নোংমা কঁরখি মানা ইমুং অসি কুম্মা চাকশ্রগদোবা মৈচাক করবা লৈস্ম অমদগী মাগী মুংশিবা শৈহেক্রা। ময়াম্বতুগা লাপ্পখি। ময়াম্বনা মু, মুশী, জুবারদা ময়াই কাখিতুনা মমা-মপা, মনাও, মাগী মুশীবু পুন্নকাও কাওখিডে, লৈখিত্রবা মপাগী সম্পত্তিপুম্বা মনীং তম্বা হৈদোকডে. মীগী লৌরি-মুম্ফম কা শোকডেদা অরাক্কমদা তাবা হাক্কক, মতৈমনা পুন্সিগী য়াক্রবা মুংশা মৈশা লাংলবদা মহাকী মশা-মল্লেং কল্লবা কল্লনাগী ঊক্কমদা চগুজন্থনা হিংজবা ঙমখি। মুংশিন্নকই মতমদো, হৌখিবা মতমদো।

মহাক ওইখি হিংচাবা, 'রত্নাকর', কৈজেংলাং, অতুগা ওইখি কবি খোন্নৌবা শৈশকপা, মাগী খুদোন্দা পকপা লাই-য়াওরবা হৈ-শিংলবা চিত্রকারগী খুৎকৎলা। মাগী নামিবা শৈহেক্তা নীংবা কায়বনা কংশিন্নুরবা মকুম মথা লানঙমদনা কাংখুন্দুনক্তদা কংশিল্লগত্রা কিরপ্পা মতৈমগী পুন্সি মৌনা য়েম্মীং ঙাংদম হুলহনখি। মহাক বিপ্লবী ওইখি— তৌওম্বা বিপ্লবী; হৌনদবা পুম্নমক হৌনবা ওলহনখি, ধর্ম অমা ঙাক্লবগী অচেৎপা লাইনিং অমগা লোইননা, ঈশ্বরনসু খোজানবীখিত্রা ? মতুগী শাক্তি মাবু পোকপী মমা, মতৈমা অমীনা ওইখি অত্তোপ্পা অমনা খঙদে। অতুনা মমানা হায়বসু তত্তনা নীংশিংলি হৌজিক কাওবা, "নহাক কাওদেকনা!"

মমাদো হুম্বরে, হিংনা হিংনা শিরে—মতম্নি! মাগী বা তাবীগদবা লৈত্রে, মচা খঙদে, মমৌ খঙদে, মশূ খঙদে। তোম্বা মাহু অহু মঙাই। অহুবু তত্তনা নীংশিংখিবা মমাগী হাহু মহাক্তি তাবগুমসু তৌরি। মাগী কাদা চেৎনা লোংলি— মাগী কল্লবাদী

মশা, পান্নবা মাগী থপ্সোয়গী মম্নি অমথক। কনাসু খণ্ডদে, মহাক কাওবা কাওরম্বা য়ারে।

ওসিদি ময়াম্বদু ঈথৈ অরুবদা তুংবা ঈশিং ওইরে। কন্যানা তম্বা ওমই—কত্তবা কম্না লুপথরে। খ্বায়না শকখণ্ডবা অচৌবা মহাজন ওইরে, অচৌবা দলান্দা লৈরে, সনা-লুপানা চাকমেন্নরে। পুম্নমকসিগী মথক্তা মানসু অদুগা মাবুসু তুককচ্ছখিবা মাগী লুপীগা চান্ন-চিন্নবা পান্নরে। বিন্নবীগী কল্লনা মহৈ য়াল্লে। লুপাখিবা নক্রা অক কত্ত পুম্বা, তত্তনা চোল্লবা মতমগী ঈচেন্দা, অদুবু ঈচেন অদুমক্তা থেংবদা তোর্ব্বান লৈরাহদা তাহোবা ঈচেলদুগী মমিদি মাঙখিদবসু ময়াওই। তোম্ববু ঙাওদা ঙাওরবনি হায়না থৈদোকুনা থমখি, মহাক য়ারোদে অহোইনদুম পোল্লি অদুবু মহাক ভাবুক্তি পামই, ভাবুক কাওবা মখোয় ওইবীখিদে। হোই কল্লনাদা হিংজবা মীগীদি মদুনসু কৈ। অঙাওবা ওইরে।

অদুকৈ নোংমা অমকাওবদি মহাক ঙাওরমদে—অদুকৈ নোংমা লুমিদাং অনা কাওবা। লুমিদাং অদুদা মাগী মৌ হান্নরুবগী নরন্দা কৈ ফক্তে হায়না মমা, মম্নাম্বা মতৈমা মখোয়, মশেন নৈ থোক্লা য়েৎনখি। নয়ুমদা হল্লকপদা ময়াম্না য়েৎনবদু মহাক তান্নমই। মতৈমনা মমিঙ্গী মাঁপ হেক শিন্থবমথৈ য়েৎথ। মাগী য়া কনামত্তনা তাবীজবদা চিঙৈ থোকখি লুপীদো মকমঙ্দগী; কদোমদনো খণ্ডহোদে। তোম্বা মাগী কা তান্না লাক্লে, মাগী কাদু থাউমৈ মুংলয়ে। মাগী মদুং চঞ্চলকপদা হিক হিক কপ্পা'মা তারকই। লৌতম খণ্ডবা তেংথা-খোন্দু তারগা অওকপা চৈনা অমা থপ্সোয়দুংদা কাওরমই; থাজরম্বা

পূম্নমক লাক্লমই, থাজরমদবা পূম্নমক চুম্নমই। শাগৎখিবা-মঙ মঙমক ওইরম্রে। কাগী মপুংদা চঙলক্লমই, করম থামসিগে ঙাইক্তাক থান্নিঙৈ চিঙৈ লাক্লমই কনানো অমসু। খুদক্তা মহাক উপু অমগী মক্কমদা লৈশিন্দুনা লোংলমই। চঙলক্লিবহুনা কাগী থাঙমৈ কাপখৎখি—থারিবা কমজাওগী কাংথোন্দা মকোক ঙাশিন্দুনা মশম-মনা ইকা-কা কপ্লিবীহুবু শংত্রিক য়েং, মনাক্তা তারিবা মহাদেব অমসুং সতীগী হুকচাং তথ্বায় থাদোক্লবা অয়েকপা লাই শংত্রিক অমুক য়েং মকোক পায়হুনা থাঙই ; মখোঙ্গেল তনীক তনীক হুংলকই—

মুপী। করিগী আসদা। য়েক্লিবা অসিনা—

মথা। তারমদে অয়েকপা লাই য়েংনা য়েংনা হন্দোকখি। হন্দোকপ্রবদো ময়াম্বনি তোম্বগী।

কল্লমলিবী মতৈমা হংখিবদো ঙাখিবরা তাদবরা খঙদে। মনাক্তা তারিবা অয়েকপা লাইহু তপ্পা লৌখৎলগা হান্নগী থমকম কাচিন্দা তপ্পা থমলুই। পিরাংনা চোংলবা মমিং অনীনা শংত্রিক য়েংষ্ট, হান্ন কুপ্লম্বা কিহুনা ইয়েন কুপশিল্লম্নগা তপ্পা তপ্পা চংখি কা অক্ষুদগী।

মুমিক্ত্দগী, কাওরুম্নবা অয়েকপা লাইহু উরুবা মুমিক্ত্দগী তোম্বা অঙাওবশিংদা। কনামত্তনা করিসু তৌখিদে। শাগীদমক হান্নমা চৎনবা পুমলেপ লেপখি। অশোনবী মমাদো হেম্না শোম্বখি, করিগীনো খঙদে। ঙাইবংপানি পুম্নমক মঙোম্দগী থৈদোকখি— কল্লনা মঙ্গনি।

থৌদোক অহুমশুংনা অত্তাওবা! মশামক মথুংনা য়েকচবা অয়েকপা লাই ওইথি, মচেং মচেং শেগায়রগা অয়েকপা লাই। মমানা করি করিনো কনা খাম্না হায়রথি, মানা তাথিবদি, "নহাক কাওদেদনা" হায়রবতুতা মতাই, মহুতা মথওই।

ওসিন্থ হংলি মমানা হংহুনতা লাক্লবা রাহং। অহুবু ওসিদি মমানা হায়বহু ত রিগস্রা, থমাং মতোন্দা তুমিন তাহুনা লৈ-রবা মহাক্লা। মকোক-মরু ঈহং-নাইহং শায়ে, মশাদা মিহুন লৈত্রে। নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপদা লম্বীদা তাহুনা লৈরমলে হাক্লহুনা পুবীরকপনি লম্বী চংপা চানবীবা অমনা।

মমিং উদ্রবা, মনা তাথীরবী ঙাইহাক ঙাইহাক্তুংদা মহিংলবা মমানা মচাহুবু "নহাক কাওদেদনা" হায়না হায়না মম্লিস্তগী মপি চহুম চহুম শিন্থনা শিং নাম্লি, কংলবা মখুত্তুনা। ঙাইহাক নাম্লবা মতুং মমৌ-হুপীহুদা মাগী কা তাম্না অমুক পুবীনবা ঈঙং তৌই। মমৌনা শমহুনা পুই। চংনা চংনা হায়রকই মনেম্না, "নীংথেমহুবী অমত্তা কৈনা চাদে, ইবেম্মা মাগীদমক তৌকম থোকপহু তৌবীগনিদনা নখোয়না?"

শোক্লবী মনেমহুগী মকমদা মহাক পাউথুম অমত্তা পীখিদে। করি থুমগদৌবা থওদবগুম তৌই। মনেম্বু কাগী মহুংদা থিনজিল্লগা থোওজিন হেক কাম্থোক্লকপদা মনেম্না তেংথারকই। মহাক মথোঙ থাংবা থোক্লক্তে লৈমায়থক্তা হাইথে। অসিগুম্বা চাংয়েং পুক্সিদা থক থেংনখিত্রি। মহাক হুপীনি, মচা পোক্লিবী হুপীনি। নীংশিংলকই তোম্বনা য়েকখিবা মহাদেবগী তাওবকী ঙকোল্লদা

গুৎনা চংলিবা মথৱাই য়াওত্রবী সতীগী হকচাং পোল্লাং, মুপী ওই-বীগী হকচাংগী কক্তবা পুন্নমক থাদোক্লবী সতীগী। নীংশিংলক্লই অমুক্তম্ অয়েকপা সতীগী শককম মহাকা চপ মান্নে; মশম-মনা ক্ষারবা কৈ মউন শেংপা মহাদেবনা তোম্বগা।

অয়েকপা লাই অসিনি মানা চেজেং কোন্দুনা কপখিবা তোম্বগী কাদা অথম্বা মুমিদাং অহুদা।

তম্ফা থুদোপ য়াই-ওইবা।

নোংডাগ্রি, ভানৈগদোবা কনা থাম্মা ৱাংথলি অহুবু মী তিমথং-লকপদি, চংপনি অমুম অমুম হেনগংলকই; হিয়াং-কুম্মে য়েংবা চংনবদু মতাই মৈয়াগা মৈয়াগা লাক্লিবা, কাথংনরক্লিবা, থাইরবন কৈথেল তমত্তুনা।

চংলিবা পুন্নমক মুপী ভাকনি—পাগ্র' অমা অনী মতায় মুপা য়াওনে য়াওরম্বদা।

মুপী অমনা হৌদোক্লকই, "চাওবীতোন ঐথোয়সে লাইবক কৈদকো। মীগী মুপীদোনা মায়থুমকিনা মমায় কুপশিন্দুনা লাই-কদির্বীজোনা য়েংনীংবা অমত্তদু মীং পেন্না য়েংবা কংদনা মথোক্লকী নকনবদু কনাদৈত্তবা উবা কংদনা কন্নাং-চাংজো মরীনা কোইশিন্নবা

কা অমদা পুন্সি লোন্দা ওাইবদো নত্তে ঐথোয়নীদি । ঐথোয়নহু মীৎ পেন্না য়েংবা, ঐথোয়গী কজবা ইশক ইতৌম্ম য়েংজনীংবশিংনা মমীৎ পেন্না য়েংজহৌবা । ভাবুকীবু খক্সবদি ঐথোয়না শেৎ-চান্নিবসি করি ত্তৌনগনি ?"

"খওদেদা ইচে অহুনা কবিত্রা ! শমুং মনুংদা চেক চনবমথৈ নোম্নগা লেনবহুনা করিত্রা ? নোংঙাল্লমদা'ই অসিদা থাদক্কী পীক্লিবা অঙাংহুফাও মতোমতা হুন্দোক্লম্নগা লিক্লা চাহুনা চংলিবসিনা করিত্রা ?"

"খোঙ চোত্রবদি কদায়দগী চিন চোংকদগেনে পেম্মা ?"

"অহুবু লাল্লি হায়দেদা ইচে; নোমজগে চৎচগে হায়রিবনি মতম চানা মফম-চানা, খুসাক কুরোল হেক হুমথৈ।"

"নেংদা নত্তেদা ; মুপী মশিন মুপা মশিন হায়রিবা অমম্ম লৈরিদা। মুপা খরা মাওরিবা অসিদি মতু মচা লৈজদবা ঙাক ওইরমগনি।"

"নোংঙাল্লমদাই লিক্লা চাহনা, খুত্তা মৈহুম শাহুনা চংলিবসিবু মুপী মশিক্লনে ইচে ?"

"হোয়নে নংনা হায়রিবহুবু লাল্লি করম হায়সিগে। অহুবু ঐথোয়সে মৈত্তে মুপীনিহাই মচা মরা কল্লিবা।"

মায়কৈ মরীদগী হোকংনরকই 'মাত্রীকশিং' মহোশানা লাইনীং কনবী মুপীশিং 'মন্দির' তমহুনা অরাং হুকানগী।

মুমিৎ তরং তরং হুন্দোরক্লে।

চেনখংনরকপা তোক্তি অমগা অমগা হিদাম্রহুমা অমুম অমুম কাখংলক্লিবা মুমিৎকা হানবা তান্নহুনা, অমনা অমদগী খোইথিনি

ছায়বশিংগী মতানি। নামিবা হুংশিংস্থ শিন্নি শিন্নি শিংলি।
মন্দিরগী খোঙদি হাংত্রি, যাত্রীকশিংনা পক্লোন পক্লোন কোইত্রে।

শ্রীগোবিন্দগী মন্দির, অচৌবা গিৰ্জাগী লাইশঙ, চঙখোল্লবা মসজিদ, মন্দির অসিদা তিল্লরিবা মীয়াম্মুক যাম্না অমুক্তস্থ তিনখিবা উথিত্রি। মীৎনা শোঙনা লম্বা কত্রবা অরাম-খোরাংবগী ঈখো অত্থুদি কনানস্থ খোওইনদে. অত্থুনা ওইহৌরে মন্দির, গিৰ্জা মসজিদ হুংগী অচম্বা যুথ। অশেংবা মন্দির চেংগী গুদাম-শঙ, অরাম খোৱাং কোকহুনবীবা ওম্বা লাইগী অশেংবা মন্দির!

মীনা কিঙৌ কৌবগুয়ে, খুরক হাংজ্রে, লাঠি পায়বা পুলিস পাওশিং, কামদারশিং মরি মরি যৌরক্লে. মীয়াম মরক থায়হুনা খোঙ তম্না পরূপ পরূপ চঙশিনখি।

অসোমদা যাত্রীক চাওবীতোনগী মবুংঙো হোংবনা ইমুদা মাগী কন্নংদা মখোঙ অনীমক তেনত্রিক তেন্না কোনশিল্লহুনা মপান্দা চেংচা খোংলিবা উচেক রায়াশিংহু মওদা তান্নরি কাগদবগী মতিম কুং কুং য়োংলহুনা, "ভামু খোইদীংনমসি তারকখিদবা কুইরবনিদা। ওসিদি হুমিং গুবমাক্লে মায়িবা তারে" মাগী মরূপ 'উতিয়াকলা তোলোংখোম্বনা' মায়কৈ অমদা থং মানা তানশিল্লি 'কাগদবগী ওাম্নশিং। তান্নরিঙৈ. মমা চাওবীতোম্না কদি-কন্না মরক্তী য়োল্লপা নমস্থম হুমজিল্লবা মাগী নিংখৌরেন মযুক লাম্নরুহুনা রা রা হেক কন্নকপাম্না মওকাওনৈ।

মখোঙ হুক্কবা অঙাংনি।

মপান্দনা চে-চা থোংবগা লাউবগা, ইমুংমনা হুঙজা হুঙজা, থোক্ক চম্না খঙদবী মমাহুনগা থোঙতু ল্যাওরেনখৈ ফারোল্লহনগা মুংশা মঙাম্না লময়াইদা ইরুং-য়ং, হোংবা নমিং খংপাং পাংই—

'চাওবদি উরিংমুক্তা মচাওই, কপ্পদনা মখোঙ্গেল য়াকচবা শারিবা ! মমা শোকচংনবীহুনা কদায় চৎপ্রবা নোংঙানকাপ্রিঙেসিদা?"

—কৈজুপতু চিংখৎলি মমাম্বতু লোৎকদবগী। মখোঙলোমদা অমুকঅহংবা মুংশিং লাংলে। অমুক তেনশিল্লি মখোঙতু।

চেনশিন্নরকপা ইম্নরকপনা হুম্মাং তানরে চাওবীতোনহোরগী অসোমদসু। মশক মচু থোক্রুবী চুম কাগংনদৌঙম কংলবী মীয়াম্ন চল্লপ তৌরবী হুপী অমনা ময়াম মরক অহুদগী হেঙ্গৎতূনা চথৎলি। মাগী মমাংদা লেপ্লম্বী মৌ-নহা মাদোনা য়াঙ্গংলবী অমনা মশম তাপ পায়তুনা চিংথোকই। অনীমক ওনশিন্নে মায়গা মায়গা হিগৎনৈ ময়া ময়া হুই চিক্রমদাইদোনা। মশম মশম পায়নৈ, পংকন কন্না চিংনবদি ওয়ত্রে, অনীমক চোকথনা উরে। ময়াম খ্বায় চঙনা খামদোক্লে, অনীমক মুংশা মপী হোন্দুনা ফমথনৈ।

হোংবগী য়ুমদা।

মচানা অৱেবী থাহুনা কপথৎলক্লবসু, মুনিং আ-য়ৌনা কারবসু তূম্বগী অওকপা মাইত্রবা হোংবনা মচান্নুপী অহন অহনবীহু থোঞ্জাউ থাহুনা কৌর কৌরহুনা চৈথৎলকই। মচান্নুপী অহনবীদি মথা থংবাগী অঙাংগী কণ্ড-হৌদিনা পূমচাই চাইরবা য়েনথাদা কক্লাংদা তাশিন্দুনা লুমু লুমু শাবা মুংশাহু য়াক্তনা য়াইনা কুপ্রী খোংপা লাক্লরি। অঙাং ওইনা চহী নৈশিন্না উই। মশা মউ ইরাউ রাঙউ,

খুজেং ইচেং চেং, মন্নিংদোন ইহা হাগৎ, মপানা চৈরক্তি চৈদগী পীশুম অনীহু কিন্থগদোবমখৈ শুক্লহুন" মথন্তা" শাওজরম্বনি। মপাগী মীচৈহু তাবদা মমিৎ-মনা ওনখৎলহুনা, মচিন্দা কবি করিনো ফজদবা মীচৈমখৈ মুরুম মুরুম শোল্লহুনা য়াম্না হৈনীংদনা চৈরিবা অদোমদা চঙলক্লে।

"নপা তৌরুব্রা অসাইমখৈ, পুকশ্রি নংবো! অঙাং অসিনা কপ্লিবসি তাগ্রা ননাহু? নমা তুজোম্বীহুনা কদায় চংখি?"

মচিন্দা মুরুম মুরুম শোন কাপ্পবা অঙাংহু কদি-করা চিংখৎপদৌনা চিংখৎলগা শাওনা থোকখি অহনবী। চৈথৌং মপানা মানা পোকপা নত্তবদৌনা। মচানুপীনা মরোল অমা মপান্দা চৈরি—

"থিঙ্গা মমু থকপা শাজাবসিদ্রে: মখিবোং পে-মখৈ চাশিললক্লগা তপ তামখৈ ওশিল্লবদা নবেম্মা ঐনা শেংদোকপীবা নত্রা? ইনাদা য়ানবা সনাকাওবা কক্তোক্লগা মমু থকপা, ইয়োং কক্লগা জুরার শাম্নথোকপা অঙাওবা! নংদা শিবিপ্রবদি ইমা-ইচা ঐখোয় রাই শংজ্নগদৌনি। নংদা কংশি শিগ্রো!"

হোংবা তাদে। কম্মুংহুদা মখোঙ অমুক কোনশিন অমুক তিংথোক কৈজুপশিংহুবু শাওরি। শাওরিঙৈ য়ৌরকই ঐঙ্গা চাওবা।

"অহনবী নপাদি!"

"তুম্মিবনি।"

"হৌজিকপো! ভৌদোক্কউ, থেঙমনগ্রে ·কৈমূহো, মপা শোকঅরনি!"

চাওবগী মখোনগী জাবদা হোংবা কনা য়াম্না নৌশিং তারকই। মচানুপীবু শাওই, "মসিগী অঙাংসি লাইমা কত্তেদা, ঐবু খিব। লাক্লবদি লৈরবসু লৈতে হায়রু করানো ঐনা হায়বা। কয়াদা হায়বা ইনখিরবনো ?"

ঐজ্জা চাওবা ইমুংদা।

"ইবুংঙো হোংবা, থেঙমন্নি হৌগৎলো ?"

লৈজবা থাদুনা তুমথগে লাক্লে হোংবা।

"ইবুংঙো হোংবা।"

হন্না হন্না কৌরকপদা,

"কৈনো ঐজ্জা অমুক তৌররক্রা ?"

"ঙসাং নং নমা থৌরানীদগী য়াইখু অতাঙবা লুপা অনগী শোৎখি হায় অথেঙবদা ! নহান সাটপতিদা চঙখিবা লুপা অনী-মখায়রুগা লুপা মরী মখায় পীথোরকউ। নমা থৌরানা পোৎ তিকনি হায়দুনা বোডাংউ পায়রুনা থোরকহোরে। হৌগংলকও ; অদুম মপীরক্লবসু য়াইদা!"

অহনবী অঙাংহ পমদুমা লেপলে লময়াইদা ; য়ৌনা য়ৌনা কুংলবা মমিৎ অনীদুনা বামোন্দা অমুক মপাদা অমুক উরুক্রু লৈনা য়েংই। হোংবনা -

"হোরেল পীগে—হোরেল। ঐখোয় সুপীহ পৈশা থৌবা চংখি। হেক য়োৎকপগা থোরক্কে ঐজ্জা ! সাটপতিগীদি ঐজ্জাদসু ঐগী চঙহৌবা লৈরমগনি, পাময়খিবা তারি।"

"করি থর্ম্মরোনে ইবো; হেক খায়বা। খুদিং নঙোন্দতা চঙ্‌হৌবনি।"

"ঐগীস্থ চঙহৌবনিদা ঐজ্ঞা। জুরায়গী পৈশাবু য়ুমদা মতাং-শিংগী মাংদা থোবা হৌনরনে?"

"রাইখু অতাওবগী পীংথারকও অতুগা! নংগী সুপীদি ওস্তানা চেং লৌরুনি হায়রতুনা ঐগী হুকান্দগী বিড়ী লৈখি পৈশা তরাগী। কনাদগী থোরুদৌরিবা শেয়ো?"

"অহনবী নমাবু শেল লৌরুনি হায়বদায়নে।"

"হায়রমদে হায়রমদে, চেংগীনে চেংগী! ওরাংদগী চাক চাগ্রি ঐথোয়।"

"তো তো—লাম্বোরকও ইবো—থেঙথ্রে!"

হোংবা মকোক থ্রো থো থোংলি। ওরাং মুমিদাং চাখিবা রাইখু অতাওবগী মহাউ হৌজিক্তা কাওরক্লি।

"ঐজ্ঞা পুথোরকে হায়রিমক্তদা থৌজিল্লকমুকো। মা লাক্রবদি ঐদি কদায়দগী কোংলুনি। সুপীনা চুম-শো পায় হায়বাসিবু থওদ্রা ঐজ্ঞাবো!"

চাওবা কোইরু-কোইরু য়েং—

"নখোয়গী চাথোকপ্রগা অসুম তৌবসিনা! মতুং মনাওদি পোংকা শোংপা পীবা য়াপোং নত্তে। ঐহাক ভাইরমখিদৌনি শোইদু।"

হোংবা মথোঙ অমুক ভিংথোকহৌই; মচানুপীনা মচু পৈথো-কুনা মপাল্লোমদা।

পুং ওয়ারোম তাশিল্লক্লে। চেংখী মন্দির মমুং য়োরে, ইচিন মাচিন্না চাওবীতোন। মনাংদা সের-কালা থম্লগা কম্লিবা পুকনোইবা সেংবী মহাজন্না মানা শুন্নিবা হিসাব লোইরহ্না মমায় হেক হায়গংলকপদা নহা ওইরিবী চাওবীতোনগা মীৎ চানৈ। চাওবী-তান মমীৎ মমা ইশিং শিংই। তোয়না থেগুনরকপদগী মখোয় অনী শক থগুনরবনি। মরোন লোইতক তৌনা হংবীরকই মহাজন্না—

"মংগীনা কয়া ?"

"লুপা ৪॥ তমক য'ওরকই কয়ানো খোকপা হেক্তা পীয়ু বাবু। থরা হেন্না পীরক্লবসু য়াই। হয়েং অমুক মরাকদবা লৈ। পৈশা য়াংপগা করিসু কিরুমু।"

"য়াদেনে দেড় সের পুখো।" "কৈদৌগে বাবু হোরেল ভুমিদাং-বাই হেক্তা হাপ্লগে. সের অনীদি শুহল্লু।"

শোইরোই হাম্নবগুম্না গাদীগী মচিদা ফমথে; বিড়ী অমা চনচম চমথংলি নোকমি নোকমি তৌনা। তুংদগী লাউনরকই—

"চেং য়েল্লিব্রা কেনবিব্রা, মশোক লাকুনা হাইয়ু-হাই!"

মাদৌনা ঋানা ভাইনরিবীশিং শ্যাওবনা মৈ হৌরকই। নহা ওইবীশিংগী ওইজবা মতাংসু মরাকই। মহাজন্না চেং সের অনী শুনবা থম্লগা চাওতোনগী খাউদা হাপই।

"ভুমিদাংবাইদা শোত্রবা যাদে।"

—লোল্লগা তাকপি।

মঙক্লে মনানে শোইরোই ইঙ্গিং তৌই। মাগী শুফাকুবা শেন হাজনগী থুক্তা থুখেননা হাপই। থবেৎ থবেৎনরবা শঙ্খ চনীং তানা

হোৱৈ। চঙলকপদা য়াবত্নমুক খোয়কপদস্থ য়াহ। কনা অমনা খুদোম্বা থিন্দুনা "মানিং হাই নঙগী থুনি" হায়না লোঙ্গপা ঙাংনহৌবা তাই, নাপ্প শেন্দানৈ, মমিঙ্গা ঈরা তৌই। লাকমিন্নবা মচেম মনেমশিং অমত্তা হন্না য়েংলমদে — ময়ুন য়োনবা হোবে হেবে চেন্নকই।

বোম্বোংপানমক্তদা মাগী মুপা হোংবা হঙ্গৎ-হন্দা চত্তুনা লৈরম্বগা কোক থেঙনৈ। মাবু হেক উবগা কৈমাই উপ্পত্থনা ঙংলকই,

"করম্বা মুপীনো নংবো- চৎথিবদগী হন্নককন খঙদবসিবো! অ ঙাংশংত্থ চাক লাম্বনা মতাম তৌহৌরবনি।"

"ঐদি খুল্লোকপী শান্নকই অা কৈথেন্দা!"

"মীনা হায়রগা করেম-বথ ইনবিনহাই নং ঐবু করি ওইনা উই?"

"শক কজবা ইবুংঙো, ঙারি পরেং অচুম্বা, কৌ শংবাই অচৌনবা। করি ওইনা উনি ননাইন্নবীনা।"

ফেৎ হাইদোক্তুনা চঙশিনখি, হোংবা কৈজেংলাংদোনা তানশিল্লি। অত্থবু য়াত্রমাল্লে নৌথরকই,

"চাওবী পৈশাদুবু ইয়াওমক য়াঙদ্রবয়া লুগা অক্তমদংদি পীরবখো, অমুক শীংলকে, মীগী পৈশা শিংদোকউগে।"

"লাইমা মমায় পান্দেদা খরম্বা মুপানো মসিবো! কদায়দগী কোত্তুনা পৈশা থাওদোরিবা? নতু-নচানা চরা হেনবা নংনা হোটেলদা নবুক পোকশায়বমথৈ থকপা চাবা। অসাইনা পাউ-হোয়ক্রবনি ঐঙোন্দা!"

"নচিন থিন্নুবো মুপী নং।"

"থিজদে থিজদে, কৈজদবগী হায়জবনি।"

অতুম চক্তপ্রে চাওবীত্তোন তুদনা মাপী হুপা।

"ঐবু ভাইহাক্তা পোখাক্লা, হুয়িং তুরি, খাউ তুরি, মীশী য়াই তৈরি, য়ুম শারি, কংদবগী মহায়বনি ঐসিবু নচা-নরা নক্ত্রা?"

"মানি মানি করিগী নত্তনি, নত্তে হায়জদে। অদুগা মরানা মতু-মচা থাক্কে হায়বসিমন্থু কাওবীগন্থু।"

মমাগী মখোন তাবদা চেঙ্খোরকই অহনবী অঙাং অপীশক্কু পল্লহুনা। পীক্লিবা অঙাং অহুম্ন মাপী কুংলবা মীৎতুনা মমাবু উবদা তৌরামুক্তা চাওরবা মপাম্বোম অনীহু থ জংলহুনা মমাদা লাকদোবগী ফ্রিং ফ্রিং চোংলি। মমানা চেনশিল্লকুনা পমশংলি।

"হবেম্মা চংলো চাক খোংনবা তৌরুচো, চেং থরসিনা অওকপা হেক্তা চাসি ইচাসিদ নখোয় লোইনা শাম্মরিনি। চেং কিলো অনীনি পৈশাস্থু য়াংলমলি—"

"করি নঙোন্দা চেং শোংপা পীরবপা! নচিন চুম্মুকো নং, করি থোক্কে নংগা?"

হোংবা ফন চোংশিল্লকই।

"ন না বাম্মোম্নুবী হন্নবীহুদগী য়ায়থু অতাওবা শোংপদোনা শোংলদ্রইবনি ঐম্থু। নংগীনা নঙোম তা চানবা, ঐগীনা ইচা ইবানা চানবা! করি থোক্লবা থোক্লদবা খঙদে। নংনা লোম্মা ঐনা কোংনা। হোরেল হুমিদাংবাই শিংলগে থারমলি, মুপানি নহাক হোরেলন্দু শিংউচো। মংনা ঙমদ্রগা ঐনা শিংউবা তারি ঐগী অরৈবনা, মমল পীদনা পোৎ লৌবদি য়াম্ববনিনা।"

"পৈশা অমত্তা লৈতে হায়বদাই হৌজিক্তা, কদায়দগী শিংদোরিবা?"

"লৈতহন্দি য়াবরদো, মতুং-মনাও থোঙজিন করুগদৌ শরুক, অরৈবা অমা কাইবা তারেদনা ?"

"ইমুংসিদা করি লৈহনা ?"

"য়ান্না লৈরিনা, খঙত্রিবাইরে !"

"নং করেম্নহুকো !"

"করিগী করেম্নদৌরিবা অডাংন্থ নত্রবদা ! নংনা শেগাম্লহনা চাগনি ডাইরিবা চাওবীকোন হায়বী তম্ফা খুদোপ য়াই-ওইবা অমা লৈরিবাসিদি !"

তম্নপনা খুম্নকই।

হোংবা মতুংলোমদা খংহন হন্দোকই, চাওবীতোনবু শংত্রিক য়েংই। তম্না খুম্নকপা মাগী পাউথুম অতুনা মনাকোং অনী শেগাক শেগায়দগুম তৌই। মখা চীকুনা তোফম খঙদনা লেপই মপাকপ মাথৌনা লৈত্রবগুম।

চাওবীতোন মমীং ঈরা চেল্লি।

মকমদু উন য়াইমুক চীকপ্রে।



খুৎনায়বা অস্তাওবা।

সুমিৎচুপ্পা অপীকপা মৈকম অতুগী মনাক্তা কম্লগা কয়িগুম্বা য়োক্লেক অমত্তং শোবা, কয়িগুম্বা অমত্তং য়ৈথোকপা, মসিনি মাগী হৈনবী। কয়াদি সুংত্তাইথ্রে— অয়ুক য়েন্দামাং ক্লাকথোং অহানবদা ফুক হৌগৎলগা ঈরু মায়থজথোক্লগা য়াহৌথেত্তবা মচাশিং মমৌশিং অমত্তা শুৎলুদনা মাগী পৈাংহী-ত্তামহৌরবা থায়না শাখিবা মনীংগী শঙ্গোয় মচি অতুদা তুমিন্ন মথৌ শৃজবা। তাইবংপান অসিদা মহাক কনাবুসু কিদে, কনাবুসু কল্লক্তে— অয়েংবা ভাবুকশিংগী রাদি খত্ত্রে; অতুবু কিজবা অমত্তংদি লৈ, মানা হেক পোকপা মচানুপা। মচানা হেক হেক চৈ —কয়িনো ঐথোয় পাজিহোয়গী মতৌসিবো! সুং-ত্তাইবা সুপথৈ হৈত্তবাসিবো। চেক্কী দলাল ইঙ্গি, শীৎলবা অসিদা লৈয়ু কৌবা য়াদে, সুংত্তাইনা পোথাক্তনা চানীংবা চা থক্লীংবা থক লৈয়ু হায়বা য়াদবসিবো। সুমিৎচুপ্পা উকুল-রাইফুল তৈ, ইরোই লৈওনবদোনা নোং ত্তানকাস্ত্রিংত্তদগী দোংদাং তৌহুনত্তা মরেবা। ইমাঙ্গবগী মমাংদা ইকাইবনা ঐবু লৈকম খত্তক্তে। ঐগী মায় মচেৎ অমত্তা য়েংবীবা লৈখিব্রে!

চুম্মি ইঞ্জিনিয়ার সাহেবনি মচাহু— সাহেব ওইনা পোক্লকপবুদি নত্তে। মসি য়োৎশূবা মপা তোমাল্লা খত্তই খ্বায়নমু খত্তই। মচানা হাঙ্গ্রিবমু মহাক খত্তদবসু নত্তে। অমম-মত্তান শিন্নকাস্ত্রিংত্তৈ য়েৎশূব তোমালগী ইথোন্নং শকখত্তনথিক্রিবা মীনা খাই হেক্তা মপাই।

মখোয় মরক্তগী খরনা হংই মঙোল্দা, মথম মথেলগী য়াহং — অহন সাহেব লেংখ্রিরা ? —ঙাং সাহেব কগা যেঙনা লেংলকই ? সাহেবনা খ্বায়দগী পাম্না হাবা ঙাসিবু করি ঙানো ? সাহেবনা খ্বায়দগী পাম্বা পোৎসিবু করিনো ? —সাহেবকী মেমসাহেবপু কয়ম্বা মতমদা উম্নবা য়াগদগে ? অসিনচিংবা য়াহং কয়া। অথঙবশিংগা লাপ্নথি থঙদবশিংগা নক্রকই। তোমালদা করিম্ম থেন্নদে। হুংশিবা য়াঙাং, অথিবা য়াতা মাগী মৈহুমউতোংদগী কামথোক্লকপা মৈহৌ-খোন, নুংকান্দগী থোক্লকপা নুংথনখোন অনীসিদা অতুমক তিনখ্রি।

মহৌশাগুম অতুম মগুরি তোমাল। চিঙৈ চঙলকই মুপা অমা। হংলকই—

তা-থন ঐনা নহান শীংজময়হবু !
থাংজোৎয়া ইবুংঙো ?
য়ানি তা-থন।

পুমলোই হেক লোইরগনি য়োংথি থরা চেল্লমহনা অমুক পুমনৌ নৌনা হৌগৎলে। হৌজিক পায়রিবসিনি। মরোইরগনি।

অস্থপ কুটরবসিবো ! তাথন্না শাবহু পামজহনা মতৌবনি। খ্বায়গী থবক মগুগা ইমান মান্নদে। অমুক কুইনা চঙবসিবু করিনো ?

শাওম্ম ইবুংঙো, লোইগে ইয়াম্বা। মচু তাবা কজবা পোৎ পীনিংহনা তৌবনি ইয়াম্বনা।

থাংজোনবু কজহনা কয়া য়াম্না কজগদগে, ঙক্তা শিনবা সনাগী লৈতেংদোনা কজবা য়াগদ্রনে ?

করিগী কজদনি, অমনা সনানা শাবা অমনা য়োংনা শাবা, করিম্ম থেম্নদে। কজবা হায়বহুদি সনাগী লৈতে য়োংকী লৈতে

উগী শায়রা লৈতে, সনাগীদা কঙবা মকক্তু য়োংকীদম্ভু অতুম মরৈগনি।

তানীংদবা য়ানি তাধন, কত্তহৌদি পংকোৎ কোংকদৌবা পোক্লুবু।

অতুপ লায়না খল্লবকো!

খল্লবদি কৈদো মশ না তাবনি তাধন। অতুমতৌনা শাদি শাবেইদৌবদা চক্রী তৌদৌ লৈববদি ওমোই হায়বা য়াত্রা? ইঞ্জিনিয়ারগী মপানি হায়তুনা ফুত্তনি তৌবা মাস্রি। তাধন নত্রবঙ্গু থাংজৌ শাবা মী য়াত্তে, লেয়া শাগদৌবা নত্তে, পৈশা পীগদৌরিবনি।

"লেমনা শাগদৌবা নত্তে পৈশা পীগদৌরিবনি", অসি হেক্ক তাবদা তোমাল থংয়েং গেংখংলকই কদোমদগীনো মানা কিজবা মচাংনুপা মনাক্তুদা লৈরম্লে। কিক কাম্নতুনা হায়রকই—

অসিগুম্বা মচোং মপাক নাংদবা য়াওাং অসি পাজিনা হায়হনবা নত্রা? পৈশা কথা লোগ্নে থাজৌ সী? পৈশা কযাম শায়বা মীনো অহন নবো?

মখুত্তা য়াখিন ক্রুস, অগোনবী কোট, অয়ুক্কী হৌনবী কিজোন শেৎ-চারিবা সাহেবনা থংলাউ লাউব শপদা মখোয় অনীমক থংগ্রেক্ক থংই।

মুপাতুনা হায়খিবগা মচানা হায়রকপগা অনীতু ওারগা তোমাল খোইরুম নোকই, —পৈশাতনা মমল লেপ্পরবা, পোৎকী অশামন, মীগী মমল পুম্নমক পৈশারোমতদা ময়েংলবা! পোৎ শীংলম্নিবা মুপাতুগী মমল, য়োংশূবা মশাগী মমল, মহাক্কা শারিরা, শাগে

লাক্করিবা থাংজোগী মমল, ইঞ্জিনিয়ার সাহেব অমগী মমল, ইঞ্জিনিয়ার সাহেবপু পোকপা মপাগী মমল, —তোঙাল নোঙবা ওয়কে।

নোংমা মহাক্না মাগী লুপীদা হায়খি —"পেম্মা ঐনা নীংলিবনি ঐথোয়গী অহাওবসে মথুং-মশা হৈ-শিংই, শেম-শাবা হৈ, ঐহাক-তৌনা অমাওবমা ওইরবদি লুংঙাইগ্রনিদা!"

মোমোন নোক্লগা খুঁজথি মাগী লুপীনা— "অহ্ ওইরগা ইঞ্জিনিয়ার তমহল্লুদনা!"

মতমতুদা ইঞ্জিনিয়ার ওইরকদৌবা মচাহ্ পিশক পিকলি, পিশক পিক্লা হুন্দোক্লমই মমানা। লাইরিক-লাইশু হৈতবী মাগী লুপীনা হায়খিবদো অচুম্বনি নীংজনা য়োক্তেক ওবা মহাক্না চরা নাম্মতা চারগা মাগী খুংকী কল্লুমতনা শেমগৎলকাখি মচাবু। মহাক্না খল্লম্মি মঙোন্দা চুরিবা অঙাওবহ্ মচাদম্ব চুরগনি। মহাক্না তমহল্লুবা খুংনাইবগী লুংঙাইরবা তাইবংপান অদুদা য়োহনবা ওয়বরা?

নোকউরগা খান্মি মচাবু—

তোকও তোকও নংগী নথোহ্ম তৌজক ; পোংকী মমল নহাকম্ব খঙজ্রে, ইপানা থোকপা ঙাংনগে।

পাজগী মতৌসিননি মীরা অশাবা তারিবসি। লুংঙাইরিব্রা সিবো?

লুংঙাইত্রবদি কদায়দগী শৃগদগে শিনকম অসি। —ইবুংঙো নহাক্না তপকনি হায়রগা অমা অমদা শারুবনা কগত্রা, ঐগীদি থম্না তম্না তারে। শাদি শাগনি হৈয়াম্বনা ঐগীদি ইথুংগুনি।

মফি-মরোল ঝং কন্দুনা চৎখি হুপাহু। মচিন্দা মুক্কম মুক্কম শোয়ানি, "মচানা ইঞ্জিনিয়ার ওইরে হায়হুনা মীশিংসি চাওজবা শারেদা, ওয়াংতা হায়োই হায়োই য়ুমথোং য়েহুনা পোৎ শাজগে লাউয়ম্বা মহাক্না।"

চৎখিবহু উয়গা তোমাল শাওবদি লাইয়হুনা হুংতাইহৌদে। চাৎদবদি নত্তে মাস্থ মপুক্কীংদা— মচাগী অহুঙুয়া চাওবদি নত্তে।

চাদ-থক্কনা মহৌশাগুম মৈকম মনাক অহুদা কমহুনা মানা শাগে লাংথৎলম্বা থাংজৌহু নিংথিনা শাবা লোইরে। মথৌ শংজিল্লে ইতিংবা খোক-য়া মনাম তারবা অমা খন্দুনা নিংথিনা ভিদোক্লগা মখোক পানাশিল্লে। ২থন্তা য়েংবদা য়াশি লৈনা উই থাংজৌহু— হুাশিবমা য়াওই। অমুক হুংতাইরক্তে মাগীনি হায়না শাবা থা জৌ-হুগী মপুহুনাদ উথিল্লে— কৈজে কজদে থঙল্লে। মাসিমজংদি থঙনীংলকই।

হুামদাংরাই বৈথেল হাগৎনরকপা লৌউ পাম্বাগী থাং-তেন লৈবা হাইগৎনরবপা তজাদা তোমাল কাথৎলকই থাইরম্বন ওয়হুনা, মানা শাখিবা থাংজৌহু পুহুনা। থাংজম পোৎকম তান্না লাক্কুনা মনাওয়ুপীগী পোৎকমদা শিনৈ থাংজৌহু য়োম্বোক্কবা। পোৎকমগী মনাক অহুরাইদা তোমাল তুমিম্না কমহুনা য়েংই। চঙলকপা অয়াম্বনা থাংজৌহু পায় পায়হুনা য়েংনৈ। মমল হংলম্বন্নু য়াওই. মমল য়াম্মল্লি হায়হুনা চৈরম্বন্নু য়াওই—"থাংজৌসিবু সনানা শ বহু মঙাইবে।" তারগা তোমাল থক থক নীকই চোংথোক্কুনা খৎননীংই অহুবু থাংবদি কনা হৈরে মহাক। কায়নথংদা মীয়াই চম্মীং-চনমাং তৌরবী হুপী

অন্না চঙলক্লুনা থাংজৌহ্ পায়রখল্লি, মথক মখা ওন্না ওন্না য়েংই, তোম্মাল স্বাং স্বাই লাওই। হুপীহুনা হায়রকই— "ওন্থোক্না পায়ক্লে, থাংজৌসে, মগল কয়া ওইরবনো ?"

"তরা-তরেংতনি ইবেম্মা" খুম্মি মনাও-হুপীনা।

লৌবা য়াই অম্লপ চঙখোন্ন শাবা থাংজৌ অমুক্তম্ব উখিজ্রি। থাংদোন শ্বাস খজিক্তুংগা হুইথরম্লবদি য়েংবা ওম্লমোইদৌবনি। য়াম্নদি পাম্মি হায়বনু শেস শুকাক্রে— হয়েংক্বাওবদং লৈরবদি ঐহাক লৌজরগে হ্মা!

নহোয়না লৈবা ওম্বপোং নত্তে ইবেম্মা, আদা অহোংবা লৈরমগনি য়েংউচো।

তোমাল ক্বম্বা ওম্লক্তে, অথাংকনবগী পন্দোন লোম্লে। পোং-তীকপীহুদা ওনশিন্দুনা হায়রকই —

ইবেম্মা নংগী অয়াওবা খরহু হেক্তা পীরম্মু। পুথো য়ানি থাংজৌহু।

ঐহাক কোম্না লৌজরগে, মতৌ লৈমনগ্রহুবা মহুংজবনি। মত্রিক চান্দনা মীগী মপোং করম্না লৌরুসগে ?

ঐনা হায়খিবমিনি, খুরানা শাজবমি। অয়াওবহুতা পীরম্মু। খুরাগী অচিনবা অমা লৈতৌহুনা তৌবনি।

য়াগত্রনে খুরা ?

ঐনা হায়রেদনা ঐনা শাবনিনে।

ঐদি স্তুথতগী লুপা নিপালতমক য়াওরকই।

য়াম্বু য়াম্মনথ্রে ইচাসিদি। ইবেম্মা, পীথ্রো থাংজৌহু হুপী-মচাসিদা। অহুগনে ইবেম্মা থাংজৌসি লুনদি তৌথীম্নুকো।

করিনোনে ইতৈ খুৎসুমনদি লাইরমহৌনা য়োংকী মমল কংলিব্রনে তৌরিবুবো ?

কংলে লোইনবা হেক কংলে। অসিদবু য়োলহৌদবা যাত্রা ? অতুগনে ইবেম্মা মহাক্না থাংদোনসি চুইথবা ক্লাংলি হায়বতু মহাক্না থাংদোনতদা য়েংবদগী তৌবনি। শিজিন্নহুনা য়েংলুখো — চুংঙাইত্রগা অমুক পুরকউ খুন্না শেমগে।

থাংজোতু হুরাও হুরাও পুত্রে চুপীহুনা। মহাক্না চেপথ চেপথ য়েংবতু উরগা তোমাল স্বাই খ্বাই লাওহৌই। চুপীতুগী মতুং ইন্দুনা অতুম চংথ্রে মাস্থু।

মনাওচুপীনা হায়রহৌই—

ঐখোয় ইতৈসিদি মতা অমনি— মৌমহাতনবু হায়রবদি মশাস্থু য়োনগদৌরি। মচাস্থু ইঞ্জিনিয়ার সাহেব মওইরবনি— করিমত্তা হেক হন্দে।

মতৈনা চৎখিবতু অতুম য়েংহুনা লৈহৌরে।

———

'কুনুর'গী হেন্নোই

মুমিং মরীনি চুপ্পা রেলগাড়ীদা তোংলকপনা খোঙনা অমুক্তং চৎচবা ফংলবদিকো হায়না খল্লবদগী অহুম তূমগ্রমাল্লে। খৌজাল-হৈরবা ঐগুম্বা যাত্রীক অমগী কম্বল মচি অমা নল্লমত্রবদি ঐগী লমথুংকম হেন্দোক্লম্বা ফাওবা য়াবনি। মহাক্কা মফি মরোল লোই-শিনবদা মাগী কম্বলচু খংচিং চিংলম্মি— অম্নুম্মা ঐবু মিকপ থোকহল্লমই। ঐগী গুণ অমদি ফাক-চাকচা, য়েন-য়াহিপ অসিনি। মিং হেক পাংবদা ঐহাক 'কুনুর' দা কুমংগদোবনি হায়বসি খংনীং নীংশিংই। করি ষ্টেসন্নো হংনবদা 'কুনুর' গী ওইরম্লে। শমদা লৌৎপনি— ঐগী পোৎ-চৈ তন্না লোইশিল্লে পুংফম মতম চাত্রবা নোংয়াইমতুং পুং অমা মথায় তারকপা মতাং অতুদা।

ষ্টেষন মচানি, খুন্তাক লানশিবদৌনা তৌই, পুংকম্নগা চাত্রে ঐগুম্বা মরাইৰক খীরবা যাত্রীক অমা অনী নত্তনা কনা থোইদোকপা লৈরমদে। কুলি ফাওবা উবা ফংলমদে। ময়েক্কৌদি ঐহাকপু ওকপীরমগনি হায়বনি। থাজহুনা লাকপানি ঐস্নু থাজভমথোক্কবা রা— ইথক থোংবা অচৌবা অমনা মাগী মথা থাবা চাকরীরালা অমগীদমক নোংয়াই মতুংদা অরুম্বা ফম্মুং থাদোক্কুনা মিশেন খাংবী-রমগনি হায়বা। অহুমকপু কোইয়েং য়েংলমই ঐহাক, লৈরমগম্রা' হান্ননা। ইলেকত্রীক্কী মৈঙান অতুনা ঐঙোন্দা করিস্থু মীরমখিদে— পুম্নমক পুমহাং হাংই; কুলি অমা অনীদং অয়াপ্পদা লাংলিবচু নত্তনা।

ঐনা কৌবদা মখোয় অনীমক নাম্ম শেন্দায়ে। খংকি কিরন্মি—করয়া মকম অসিদা !

টিঙৈনা ত্রেন থাগ্রে — পুমচিক চিকহৌরে। অয়ুক মুংখিল চুপ্পা রাকয়বা কুলিশিং লেংনীংগ্রে— রা হুবকাউ থুম্নীংগ্রে। করয়ো ? মুংনাংলৈঙৈ ভাঙ্গা অসিদা বামন অবতার ম্নাপ্নবা মতা চাদনা থিকনেম্বা খোংগ্রাউ অককপা শেংপা, মোজাফুন্নিং লীংপা, পিকচরবস্সু মরেপ্গী মপুক্তা হেন্না চোনবা, কুহু যুবা, মুপা অমা ঐভোম্নোমদা পরপ পরপ চঙলক্রে। নহান অমুক্কী মপোক্তা খঙগ-থিবদৌনা মকোক নোম্না মথুং ক্লেংনা লৈপাক শোক্লীং শোকম্নাং ভৌনা সলাম তৌরদুনা ঐভোন্দা হায়,—

হুজুর করি লম য়ৌবীগদবা ?

ত্রিবান্দ্রম।

মদুনা হুয়েংগী রানি, হৌজিক মুমিদাংবু হায়জরিবা !

হৌজিক্কীদি ঐহাক অসিরাইদা লৈগদ্রা খঙদ্রে। নখোয়ন্নীসিবু হোটেলকক্তা লৈ লাক্ত্রা ?

অনকপদা লৈতে। মতমস্সু থেঙত্রে। করিগী চিন্নবীরি, সাহেব সরকারগী চাকরী তৌবা মীনি হায়বা খঙজে। মুংভাইরবা ডাক বাঙ্গলো— ফজবা কা, মোম্নবা কম্মুং, চেকশিন্নবা চৌকিদারমা ভাক-শেম্নিবা অতুগা —। হুকুম ফংজরবদি মকমদুদা থিগ্নগে ; থাম্নবা বাদশাহশিংনা মোংখক্তা পাইখিবগুম পাইগদৌবা কার — হুজুরগী-দমক অসিদা—

চিরোম্বি খঙনা হয়াওয়ঙই ঐহাক।

কয়াম লাম্প জাৎনো—

চিক্লা পোখাবদি য়াগনিকো!

স্থখগী মাইল ওরামাখোইতনি। মিনিট অন্নাদগী লম্বীনি।

ক্লায়ফেং নোক্লগা মখা তারকই, "চিক্লা পোখাকগীদি কন্নি হায়নি সাহেব হেরেম থাদোকপীরম্নবনিনা অহুম ফুংঙাইবীগনি।"

অর্থ খঙদবা য়ানি, অহুবু করম হঙ্ডুনি। পুরো হায়হুনা ইঙ্গিং তৌরম্মি। মচাক্লা তাপ চোংশিল্লকুনা ঐগী পোংয়োম-চিয়োমহু লৌখংখিংহু লম্মৈগী মৈতোন্না উতোন ব্লাতোন লামখিবহু মঙাই। পংলাপ লাপ্তনা অমুবা কার অমা থায়্নে; কারনি অহুবু মঙং চাদনা উই। ঐখোয় লাকপা উবদা লোংগী শেংপা, কারগী মচুহুগা লোক্লবা য়ারবা কুচু মুবা চাংদম-শাংদম্নবা মুপা অমা কারদগী কুমথরকুনা ঐখোয়রোমদা চেনাশল্লক্লে, ঐঙোন্দা সলাম তৌরক্লগা মখোঙ থাংবদা য়ানা উরবা 'বামন' অহুদগী পোংয়োমশিংহু লৌরগা কারদা হাপখংখি, কারগী তুংগী থোঙ হাংদোক্লুনা ঐবু কাখৎলকুবা ইঙ্গিং তৌরম্মি। ঐ কাখৎলম্মি।

মখোয় অনী ঐনা খঙদবা লোলদা য়া অমা অনী ঙাংনরম্মি—কারহু মুংশিংকী মমাং থানা থৌগৎলম্মি।

অহানবা ঐগী খা-ভারত চৎপগী খোঙচৎনি।

অহুম অহুম থৌগৎলম্মি — কয়াম লাম্পা খঙদে ঐহাক। কনা শাংনা চৎলবা তুংদা শোংনা উরবা উরক-রায়ক অমা তম্না থৌন্দিল্লম্মি, লাপ্তক্লা মৈঙান অমা অহুদগী মথং মথং লাকুনা কাবক চাওম্নবা মুন্ন

অমা য়ৌরম্মি। হেক য়ৌবগা বামন্না গাড়ীদগী কম চোংথখিল্লুনা চেনশিনখি, থোঙ থিন্দুনা হৌদোকলুই চৌকিদার। ড্রাইভরনা ঐগী পোৎ-চৈ হোন্দোক্লুনা য়ুমগী দারীদা, ঐনা মাগী মতুংদা।

অহল ওইরবা চৌকিদার লালটেন থাউটৈ অমা পায় থোঙ হাংদোক্লগা থোরক্লম্মি। ঐবু উবদা সলাম তৌরগা ডাক বাঙ্গঃলাগী মথক থংবা দলালগী কাদা ঐবু চিংদুনা পূরম্মি। কক্সরবা কম্মুং অমী নাক্তা চৌকী টেবল, কিয়ান, আলমিরানা লৈতেংলবা নথকী কা অমদা ঐখোয় পুম্নমক চঙশিল্লম্মি। বামন অহুনা অমুক সলাম তৌরগা —

হুকুম তৌবীরবদি ঐখোয় হঙ্গথগে!

ভাড়াদি কয়া?

হয়েং অমুক লাকচখিগনি ত্রেন মতম নংনবা হাজির তৌজরগনি।

অসি হায়রগা মখোয় অমীনক য়াম্না ব্যবহার তৌনা তুং হন্না হন্না থোকখিরম্মি।

চৌকিদারনা মায়-মীৎ তাথোকফম, হকচাং শেংদোকফমচিংবা ওয়া তাক্লম্মি। মায়-মীৎ তাথোক্লুনা পোথারগে শেম শাগিঙ্ঙ—

হুজুর চা পুজরকপা য়াগদ্রা?

উঁম চা! লৈরবদি কপ অমত্তং থক্নীংই অহুগা চানবদি কয়ি কয়ি লৈ?

চানবদি বাদাম নক্তনা অৈত কংলোই।

কয়ে চৌকিদার চাগা বাদামগা!

কম্মুংদা কাথত্তুনা ভাইহাক পোথারিঙ্ঙ চা বাদাম পুম্নক্লম্মি।

হুজুর সহরদগী লাপ্পা লৈরবস্থ ডাক বাঙ্গলো অসি মী থুংলবগী অরেপ্পা লৈতে। করিস্থ চিংনবীগনু, ঐহাক অহিং চুপ্পা তুমদা হিগুনা সন্ত্রি তৌজগনি। ওসিদি সাহেবকা ঐগতা মঙ্গাইরে। অপান্বা হেক্তা তাকপীরকউ ঐ মথাদা লৈজক্বগে।

করে চৌকিদার।

টেবল মথক্তা মোমবাতী থানকম পিথ্রাইগী ষ্টেও মনাক্তা মোমবাতী অনা অনী থনম্লগা চৌকিদার মথাদা কুমথখিরম্মি। চাবম থকপা লোইবগা ঐহাক হিপথগ্রম্মি, লোইশিল্লক্রবা মোমবাতী মতেক্কু অড়ম চাকহৌরি।

মীং থবেং তৌরকপদা অকনবা মুংশিং অমা লাকপদৌনা তাহ'ম্ম. মোমবাতী মুংথিরম্মি। চিঙৈ তারম্মি মুপীগী খোঞ্জেল অমা— মুংশিং মরম থোকপদগী ওইরমাল্লে। অবাপপদগী লাকপা খোঞ্জেলস্থ মাল্লমদে য়াম্না নক্বা তাবগুম তৌরম্মি— মংগই হা-ওই হায়ভম থঙলমদে। তাঞ্জাতুমক্তা চৌকিদারনা "হুইসিয়ার" "হুই-সিয়ার" হায়না লাউরকপমা তাবগুম তৌরম্মি।

তুম্নীংবনা মূল্লম্মি— ভাইহাক উইরোপ উইরোল তুমথক্করমাল্লে নীংক্ট। থিক থিক নে'ক্লকপা খোঞ্জেল অমনা ঐবু মিকপ থোকহল্লম্মি— মুংশিরবা মীনোক্রি— হোইগাংনরবা, য়াম্না থরাম্ন তারবা মিনোক। মহৌশা ঐগী অশোনবা মতাংতুমক থেডনরমাল্লে। মীং না ইশিং শিংবগুম তৌরম্মি। নীংশিংলম্মি বামন্দুনা হায়রম্বা 'হেরেম থাদোক্রম্নবনিনা অতুমক মুংঙাইবীগনি।' উম, করম খঙবা মহাক ঐগী থম্মোয়গী রা।

মোনদগী কোক হায়কেং কাংখৎলম্মি—অদুবু মিনোক্তুদি তাম্মিক্লে। উম্, মত নত্তবদুক খঙ্গে ঐহাক মাংকৈখ্রিদা। মহোয় মমানা য়ামনা থাজহৌদবত্থু ঐগী ইতৌসিমক্তা ওইরমগনি। অমুক তুমখগে শেম শারম্মি। অমুকত্থু তারকলম্মি মিনোক্তু, ঐগী রাখমরা খঙ্গে—হুন্দক্তি মখোয় মমাগী মিনোক্তুমক মানশিন্নরগে। মিনোক্তুদা নত্তনা হুন্দক্তি কা মদুংগী থোক্তু হাংদোকললকপাওনা শণ্ডুম, অমা তারম্মি।

তুমিন লৈরম্ব ঐহাক। ঐহাক হিৎপ্রলম্বদগী কম্মু, ময়াইদা শণ্ডুম লাকলিবা অদোমদা মিং লাউনা পাওখোক্তুনা হেংলম্মি। খুজি-নাচৌগী শ্রিং শ্রাউ লাউরা, খুন্নৌং কাং-না লাকপগী নামিবা খোড়থাং—

য়ামনা তৌনদবা বানি। নুপা মথন্তা লৈবা অমম্বা কা অমদা খংনবা কা অদুদগী নুপীনা। কনানো? মপুরোইবা লৈরী নুপীরা? ঐহাক স্বাহ লাউরম্মি। মোন মখাদগী টোর্চ-লাইট লোথোকলম্ম. চঙলকালুরা অদোমদা খংকাপ কাপলম্মি; লাই য়াওরবদোন থাউমৈদু অমুকং তানখিবতুম তৌরম্মি অহৎদগী পুম্নম মমলাম্ম। উহৌবা হায়রবু কা মন্নগী চৌকা-মেজ-কিয়াং।

নোকনীংলম্মি। তুমখরবা শতাংতুদা মখোয় মমানা অমা নুমদা ঐবু নীংশিংলমগনি, মতুদা মংকাওনবা ওইরমগনি। নীংঙমকক্কে পুকনীংদা, মুংশিরবত্থু মাবু ইচিন অসিনা নং নত্তবক্তি তাইকংখান অসিদা থলুং শোক মুংশিবা কনা অমা লৈতে হায়রিবে ঐনা মঙোন্দা, মানা চিংনা চিংনা হেক্কহৌনা ঐনা ওকপীরমদে।

ঙকনীরবদে—মচুগী 'লমহি ঐনা 'শিংগদোরিবা'। ইথত্তা থিক-থিক নোকলম্মি। ঐনা নোকপহুনা চান্নবা থিক-থিক নোকপা তারকলম্মি।

'হন্দক্তি হৌগত্তবা ঙমত্রে, হৌগৎলম্মি। থুম্নীং কাংনা চৎলম্মি খবেনবা কাম্নী থোঙ তন্না। থোঙগী পোয়েল তপ্না শৎলম্মি। অহুম্ হাংদোকপদি ঙমলমদে। থোঙবাদা নপালিন্দুনা তারম্মি—খঙোরহা চোংবা মিহুন্দু নাকোং অনীদা দংদং পাল্লম্মি। পুমচিক চিকলম্মি। থোঙহু হাংদোকলমগদৌবনি অহুবু অকিবমা পোকলম্মি। অমুক কম্মু হলোমদা। বামনহুনা হায়থিবহুতা!

তুমনীংবনা মুল্লম্মি রাখল পূন্নমক তামথিরম্মি, হিপথরম্মি।

কয়াম কুইথ্রবা খঙত্রে, ঐগী হকচাং নোমহুনা হৌদোকলকপদা ঐহাক মিকপ থোকলম্মি—মংগা তাইবংগা অনীগী মরক্তা লৈবা অহাংবা অমদা ওইরম্বা য়াই। মোল্লবা থুং-শাশিংনা ঐগী থুজেংদগী অন্নুম অন্নুম নানথৎলকহুনা পাম্বোন মক য়োরকলম্মি। ঐহাক তুমিন তাহুনা লৈরম্মি। পাম্বোমদগী থোরীদা—ঙপলিবা কৈজুপ মহুংদনি। তপ্না তপ্না মাল্লম্মি—ঐহাক খঙহৌদনা থুং অনীমক তিংথোকলম্মি, শিং শ্রাউ লাউনা থুং-শাশিংহু শত্তোকখি। অমুক তুমিন লৈত্রে কনামত্তা লৈতবদৌনা।

পংথরম্বদগী কোকচাওবী কারম্মি। মোন মথাদা থম্মাথিবা টোর্চ-লাইট লৌথোকে মাঙবদা পাক থেঙনত্রে। করম্বা তাল্লক্তা চুথিবনো খঙদে নোং চুথরক্লম্মি, মুংশিং শিংলম্মি। হুঁ হুঁ শিংলিবা মুংশিংনা থোঙগী থোঙনাশিংদা কুজিল্লম্মি। ঐহাক মুক হৌগৎলম্মি।

হৌগৎলকপমক্তদা নোংখাং কুপলকপগী মঙায়া মিংখেলগী খিহংখোঙ কাওজিল্লক্তুনা কা অহু ঙাম্বোকলম্মি। মঙান অহুদা কা মহুৎগী থংনবা কাম্না কাওনরিবা খোঙজাও অদোমদা কোক্তগী খোঙ কাওবা কুপলবা ফিজোন শেৎপী সুপী অমা তপ্না তপ্না চত্তথিবহু উরম্মি। ঐবু খুজেং পায়হুনা চিংলবদৌনা ঐস্থ চৎলম্মি অদোমদা। চেকশিন্না লোনথিবা খোঙ হাংদোকলমলে, খোঙহু লাম্বোক্তুনা চৎলম্মি ঐ অতোপ্পা কাদা।

পায় হায়বা থঙদনা পায়রকলম্বা টৌর্চলাইট কাপলম্মি। অঙকপনি অসাই কাপ্পদা য়াখিক্রবা থাউমৈ ঙাম্বোকলকলম্মি। মৈ হেক কাপ্পদা উচেক রায়া পাররখোকখিবদৌনা অকনবা শঙম অমা তারম্মি। কা অহু মিরাং থাংলম্মি. মচি মচিদা অমোৎ অকাম্ননা পুমচাই চাইরম্মি। অম্বুম য়েংথিবদা অন্নাংথংবা ককলাংগী ময়াই চপ চানা লেপমুক রাংনা মশক মতৌ কক্তরবী কনাগুম্বী অমগী তসবীর অমা পীকলবা লংজা অমনা য়াম্নুনা নোমহৌ নোমহৌ হায়রিবহু উরম্মি। তসবীর লোমদা চঙশিল্লম্মি হাই হুম্বহু হুংঙাইতহুনা লেংহন্দনা থমগে হায়না পায়রুবদা লংমুংহু তম্নুনা নৈংাইদা তারম্মি—য়াম্না নোক্লিংনা নোকপা মপুং কাক্রবা নিনোক অমা খুদক্তা তাখি। থংমনখিহুনা থংহন হনদোকলম্মি, খোঙ অনীমক খোঙ্গনেৎকম নৈক্রেবদৌনা হকচাং অসি চেনখখি, খুদক অহুমক্তদা ঐবু ঙাকপীবদৌনা, কনানো অমনা য়ানবীবদৌনা কোনগে লাক্লখি। মখা কন্নম তৌখি ঐহাক থঙলমদে।

নোংঙাল্লমলে। ঐহাক না অমদা চৌকিদারগী তমগ্ন খোনথাংনহুনা. মামন অতুনা ঐগী খুৎ-শা নোইরীবহুনা লৈরম্লে। মিং হেক পাংথোকলকপদা মাম্মাংগী অতেক্পা ময়াশিং হিপংলহুনা বামন ংহুনা ঐঙোন্দা সলাম তৌরমই। কৌগৎকে তৌবদা চৌকিদারনা থামই—

পোথাবীথো হুজুর। অমুকী ত্রেনগী মতম্ হৈনখ্রে, হুমিদাং-মাইদা নত্রবদি অমুক কংলরোই। কমদৌনা কাহুদা চঙলুম্বিব— শিরমদবা লাংবক কৈ।

চঙকনরিঙৈ কাগী মনুংলোমদা ওনশিন্দুনা মহাক্না চা অশাবা কপ অমা থুনা পুরকউ হায়রম্মি। বামনগা ঐগা মিং চান্নরম্মি। চিঙৈ ভারম্মি শ্রিং-শ্রাউ লাওবা থুক্তি নাচথোল। য়ামনা তনৌ তনৌবিবী মশক মতৌ চ খোল্লবী নহানুবী. চৌকিদারনা মহান্নুপী ওন্টরম্বা য়াই, অমা থোরকলে ; ভাংশং ভ্রাংবা চানা পাথোকসবা কপ অমা চৌকিদারদা পীরম্মি। ঐনা য়েংখৎখিবদা মাগী কোকথুমকগী ভাথবকপা ক্সিজিন্দু ময়াদা চিকলি, মশিং অনীমক লৈখাদা যেংথে। চাহু ঐঙোন্দা পীবগা চৌকিদারনা হুপীহনা শংত্রিক যেংসগা হায়রকই,

ঐগী হুপানি সাহেব, কুইত্রি নাগরকোইলদগীনি। ওস্থোকনা রানা লুহোংহুনা কৌজরকপানি। লাইরিকহৈবীনি।

চৌকিদারনা মগী নাতেন শুম্মাংগী অঙৌবা কোইশিং অহু মখুৎনা নাক্স নাল্লহুনা মথরায় ভানা নোকলম্মি। কিক্সি চিকলিবী চিনবান অমুকা হেন্না কন্না চিকশিল্লবী হুপীহুনা ঐঙোল্লোনদা অমুক য়েংলকই ; য়েংলমলগা মখুংগী কারোমদা তপ্না তপ্না চঙশিনখি। বামনগা ঐগা মিংচানহৌই।

লম্বীগী চয়োম

মখাং কোল্লবা চায়াম পোকপা মপা। ইংল ইংলবা নীংথম থা কয়া, শার শারবা কালেন থা কয়া লাম্হোকপগী লোইবা নাইদে। শুক্লবা জঙ্গল, রাংলবা চীংজাও, পাকচাওরবা ঈপাক থংথি লম্বীদা; অসুম অসুম চোকথরকলে হায়ত্তম খঙদনা চোকথরে। অদুবু চংথিবদি তারি।

কালেনগী মৈ হৌনা শারবা মতমনি, কাকনা লাক-না লাক-না খোংলি। মশুশিংনা অমাং-কৈরোই তান্নবদা থদংলম্বা ইথোলগী শম্বন-শায়া শেমজন শাজিনবা লাক্লি। মকোক্তা কোকশেং, মচিন্দা তেল্লবা বিরী, মথুক্তা পয়া পরন অমা অনীগা ভাইছাক পোথাই মনা পুংবা হৈনৌ মপান অতুগী মখোঙ্ক উক্লম লাংবা মকমত্তুদা। নীংশিংলকই হৈনৌসিগী মখোঙদা অশংবা হৈনৌগা সুংশিহিদাকা শীংজু চামিন্নবদা তায়খিবা—

করিগী অতুপ নীংবা কাইরি, লায়থকনা থক্লা রাখো হায়রবগী য়ারনি, অবাবু য়াওরবদি কদায়দগী সুংভাইবা কংগদগে। ইকো ময়ামসি ওম্মা কাংদোং ফায়কখিগনি, শিবু শিজ্রবদি মখোয়গা মপান

উনা য়ানা চাখিগত্রা ? ইশম রেপ্পা খুংবমখৈ ননাক্তা অরা হুংজাই শরুক য়ারুগে লাকখিবনি।

'শিবু শিত্রবদি' হায়রখি, অরা খোঙচৎ অসিদা হকচিক লাংখিদবদি নত্তে। তুশ্রে উজাও অমদি কাংখুলদা হল্লবা চায়াশিং খনম্নগা শায়বা ইংলবা লমজাও লমহাং অসিদা ইনবা ওমজহুনা মহাকপু। হল্লা রেংবদা উখিদ্রে; মমিত্ত মপি চহুম চহুম শিস্থয়কই। নীংশিংলুবদা মতু চুংই য়াশিন্নখিবা কয়াগী য়াবী।

মখাং কোল্লবা চায়াম পোকপা তোমচৌ চৎলি অস্থুম অস্থুম লুংশা মৈশা লাও লাক-না লাক-না খোংলিবা কাকী নাহৈয়োল তানা তানা। সনা-লুপা-মিংচৎ তাম্নহুনা লাকই। মখোয়না তৌরিবহু উবীবা তাইবংপান অসিদা লৈরম্বয়া, লৈখিত্রা, লৈরিত্রা, নত্রগা ইরৈমক লৈত্রবয়া মহাক খওদে। অহুবু চৎপা দি খক তোকখিদে।

খৎলি মাপী লম্বীদা মমৌঙ্গুপী য়াইমানা য়ামনা হকাই লেংহুমনা, চাক-লোইরে তাকলে। মচা অমনা পাউহোম্মি "করিনো পাজিগী মত্তৌসিবো অহন ওইর ওইরগা মখোং চাশিল্লক্তে। হুমিৎ আ য়ৌরবকাও পংগুদা মগুবসিবো!" মচা অতোনবহুনা তক্লরে। "ঐগী খেংগ্রাউ শেৎনীংঙাই লৈত্রে হায়রবমক্তদা পাজিনা তুবীয়ু য়াজিলিবু ঐবু হুরান্নু হায়রিত্রা?"

মচাশিংনা হুংশিজবা মগুশিংগী হুংশিবদগী মচেৎ মচেৎ খায়দোক্লকপা, মমৌশিংনা মপামদগী লমলানবদা হাপ্পনবা লোইনরকপা মীহুংশিগী মরীক মরীক, অপীকপা শম্নাও মচাশিংগী মথয়াত্তগী

পাথরকপা শজোমগী কোজোন-লোক্তনা মলা মযাশিংনা হিংদৈ লমশাং চৎলকপগী জোকথরকপা যুতাংদা । মশোরু নত্তে । মত্তোম্দগীসু খাইথি অসিগুম্বা মচুংশি অহৈডেদা।

শারবা কালেনগী মৈশাানি।

ওয়াং পৈনসন থজিনবংসু লৌজরকই বেক্তগী ; কয়ানো থক হায়দোক্তে। কংলকপা শেনকমদগী মগুশিংগী কবোক লৈজরকই। অহন গুইরকপগী মতগী মশীং হেক হেক কাওই। পোৎ অয়েন খুদিং মমৌশিংনা মচাশিংবু ফুদি, মশা শাগন লাক্‌না চিংবিথি। লোইবা নাইদে।

মাগী চেকশিন্নীডাই করিসু লৈত্তে,অহুপ চেকশিন্নিবা হায়ববু মাগী লুখুমদা উনিংথোনা চনবা থায়নদগী লৈরক্লবা উপু বাকসি অমনবা অহুগা, উপুসু লোয়ন্নিব শোক্তে অনী অহম মখাংদা থাংলিবা অহুগা, পিকলিবা মচা মুপা অহুমগা অহুম অসিনি।

মচা অচৌবশিং ওয়া মপান করে, মীথোই মীহেনবমক নত্রবসু চৎনবা ময়ারে। অতোনবহুমদি অঙাং ওইরি রাং চাওজরবসু ; মরক মরক্তা মাগীদমক অহীং তুম্বা য়াদে, করি করিগুম্বদা মমিত্তগী মপি হেক হেক শিন্থে ; মচা মমৌশিংদা শিয়ৈ, “ইচাশা নখোয়গীদি ইপানা ওম্বা হোৎনরমলে ননাও অসিগীদি ওয়মগনি থাজত্রে ইপাগী পাক্কল য়াওশিন্নক্তে, ননাওসে লুনা জোবীয়ুকো!”

মচাশিংসু যৌ যৌ হিদারবগুম খুষ্টৈ।

—শ্রী লৈরিদনা পাজি।

—ঐনা শেমনুঙ্ঙাইদনা পাজি।

—ঐ লৈরিবিসিদি পাজিনা কাইরিগী য়ারিবনো?

অসিনচিংবা।

বাকচাং থাগী লৈ চন চেপ্পবা থুমিংকী খোয়থুম্ময়বা ফুংগা য়াইথিদবা নত্তে মহাক। পিক্লবসু চাওরবসু সরকারগী থবক তৌজ-রম্মি,—লোলাইপাবা হৌরবা ওইরম্মি।

মী চিক্পা ভাঙ্গাদা তোমচৌনা মাগী উপু বাকসিছু হাংদো-ক্লগা চে-চানচিংবা লোইখোক লোইশিন তৌই, করি করিগুম্বদা মপুকনীং থুংশিনা থম্মোয় শোক্ল কপই। মচা মমৌশিং উথিনি চেকশিল্লি, মখোয়গী শাম্মিন হেক ভাবদা লোম্না মপি তৈথোকই চেংনা থুমজিল্লি, মখাংদা য়াল্লিবা শোত্নুনা তক্লোন লোনশিল্লি। মানা চেকশিল্লিবা মচেক্লশিন মচা-মমৌশিংসু অছুম মথঙই, মখোয় পুম্মক উপুদুদা অমুক্তং য়েংলমদবা থোঁদে।

চংপা ওয়্বা মথৈ চংলক্লে। লম্বীদি লোইবা থম্বা লৈতে। চোকথরকপনা হেক্লে পোথানীংলে তোমচো।

মহাকথকী মমিত্তগী মপি শিল্লখিবা মচানুপা অতোম্বা, চেক-শিল্লখিবা মাগী উপু বাকসি অনবা, শেমজ-শাজরম্বা ময়ুম ইথোল লোইনা থাদোকলমলে। মহাক ইংনা পোথাক্লে, লম্বী চংপা লেপক্লে। মাগী মমাংদা ঐ লৈরি, ঐনা শেমগনি য়ৌ য়ৌ চোংথোকখিবা মচাশিং কোকাই লুকাইনদৌগুম মুয়ৈ অঙাং অতোনবতুবু। ময়াম্বা অহম্না ওমহুনা মাগীদা থমলে,—মপানা থমলম্বা উপু অতোম্বগী ওইরে।

মপানা চেকশিল্লবা উপুনি। মচাশিংনন্থ চেকশিল্লি অহুবু মরাখা অহল্লা মনাও অতোনবশীমি হায়দুনা তৌখিবদা মৌ মদোল ফি ফি কামনৈ—

ঐস্থ পাজিগী সেবা তৌখিল্লনে ইচৈনা হায়রিববু!

ঐনদি কর্ম্মি হাংনা তৌরদনা!

ঐস্থ ইপাগকনি খল্লা তৌজবনি!

মহৈ মহৈ মপি তরং তরং চেন্নৈ মপি শিন্থনৈ।

মপাগী কর্মনচিংবা লোইখিবা কুইখ্রে। মমৌস্থপী অহন কপ্পনা পুম থিংলি লৈমায়দা ওন-থোইনা থাংই। খ্বাঙনা হায়নৈ, মপা অপোকপবুদি মকু অসিবুনা হেল্লা নীংজবনি মাদি, অতৈ মনাও-শিংস্থদি কৈনো পামজদেদা মপি তাবদি হায়রগু প'জি হায়না অমুক্ত কৌবা হেক তাদে। থা থাগী দিন মথরাই য়াওনা কংলি মচা-মুপা অহনগা মমৌস্থগনা।

মুমিং থা হৌখিবা খওহৌদে ফিরোই নকশিল্লকলে। অহিং অহিং মমৌস্থপীদু তুম্বা য়াদে, মচান্থপাস্থ অদুমগাই নীনিদা কাংদা মপামদা তোইমা চংলম্বী মমৌস্থপী মপামলোমগী মী লাক্‌না করি তৌরবগে হংলরে, কোইগনবদা মশা পাল্লম্বা মচাস্থপা চথোক্ক-খিল্লে।

নৌংমা ইথা থাজদনা ইঙাও ঙাওনা লৈরম্বা মনাও অতোম্বন্থনা মতৈমদা হায়—

"ইতৈমা পাজিনা থনবা উপু বাকসিল্লবী শোহ্ খরা চেকশিন্না খম্ হায়ব্ তাচৌদা। হক্ষেং ঐনা তোঙান চারবা কান্দা চাক্লনা পাজিনা থমলহনি হায় ইতৈমতোন্না।"

মতৈমা খাই লাওই অঙাংদা লাং থাকলকপীহ্ মশোক লা-ত্তনা হাইনীংই মচুব্ মরীন ফুদোকপা ছমদে। 'হায়গে হায়গে—মাংওই দা" হায়রগা রানা খাংই। পাউহ্ তনহন হন্সিল্লি ময়াম্বদা। মপাম চত্তমখৈ শংলকপা অহুগী মহৈ ৰংলবনি হরাওই; মতৈ মনাও লেপনৈ হুমিদাং অথেওবদা তুয়া হিপগ্রবা মতুংদা য়েংল-সি হায়লহুনা। রা মথা তানরক্লিংতৈ অঙাংহুনগা মকম থঙিত্রিতৈ য়েং-হৌবনা ৰুরনি লেপ্পে।

হুমিদাং নোংয়াই চবুক লোনথ্রে, মীচিক মীরাওখোন তাত্রে। মনাওহুপা অতোনবনা তুমলিবা ৰম্মুংদা চঙলকই মথাম্বা, ন শোন পিক তাই। শোইত্রে তুমখ্রে মহাক। আলমিরা মমুংদগী চেক-শিন্না থমথিবা উপু বাকসি ৰনজাও কাংথোন কাংখন থারিবা অহুগা মমুংদা পুশিল্লে। লালটেন থাউমৈ মাগী মুপীনা পায়. মহাক্লা উপুগী শো হংই। হাংলগা উপুহ্ মরাইবক কৎলি. তপ্না হাংই মখুমহ্। য়েংলিবী মু পা খর থবেৎ থবেৎ হোল্লি. থাউমৈ পাব্রবা মখুত্তু তনীক তনীকই।

হাংদোকলুবদা চে ওাক্তা ওইনা উই মরোল মরোল। অমমম ফাকই কম্বিহ্ য়াওগে। মখোয় অনী অমগা অমগা য়েংনৈ। খুৎলৈ খুনা মথং মথং ওৎপা হৌরকই। উপু কাচিন অমদা চুরুট হাপ্রবা কাউত্তা

অমা থেওনৈ, তাপ পায়খৎলুনা মথুমদু হায়ই, লৈকল মচ অমা য়াওরম্মি, থাউমৈদা থাজকুনা য়েংবদা মৈতানগুম্বা থরগা উং-কুম্বা থরগা মাওবা উই। চেনা য়োম্বা অমগা থেওনৈ কাউতা মহুৎদা; হাংদোকলুবদা সনাগী নাইন অনীথক য়াওরম্মি। মথোয় অনীমক লুকথনলুনা য়েংই। মসিনা লোইরে।

মতৈ মনাও অনীমক মমিং চানলুনা চঙকুনা য়েংনৈ।

মতুং নোংমা কোনবদগী মতৈ মনাও খৎনবনা কাং-থোং চাই, লম্বী চংখিবলুগী লম্বীগী চয়োমদু থেঙনরুবদগী।

মুংগুক মুংজানলুনতা নৈরম্বা মনাওশিংনদু ঙক্কা য়েংনৈ।

—

খুদোমপোৎ

অম্বুক পুং তরুক তারকপা অহুরাইদগী থৌরকপনা হুমিং তাপ্রবা মভূংদা ইম্ফাল য়ৌরকই। ডিমাপুর-লম্বীগী লাইরেন মথেক শানা থেক খোইরবা, অকা-অকুম নাইরবা লম্বীগী মতৌনে, মিলিটরী কনভোয়না মাং-তুং চপ্তুনা থৌরকপদা ঙাইহাক্তা য়ৌনা পোত্থা-হৈথাকম খঙদনা লাকপনে ধর্মশালা মমাং য়ৌরকপদা হকচাং পুম্বা পুমচোক চোকথৈ অহুমকপু সিকাগীশিংনা চেকশিনখিবা মতা অহুদা ইম্ফাল য়ৌগ্রিক্তে করি থোকদগে কিরম্বা অহুমদি কোকলে।

হৌজিক্তদা নীংশিংলকই, মতম শাংনা মপান্দা ত্রেনীংনি হায়রুনা চৎলুবনি ঙসি থুংলগনি হায়বগী পাও অমত্তম্থু পীখিদে, তকিং তকিং হেক্তা চেন্নকপনি, ঐগী মুংশিরবা মরূপ জয়কুমারনা মাগা চৎমিন্নসি নোংমা নীনিতা ঙাইখো হায়বা কাওবা যাদনা লাকপনি, ঐগী পোৎয়োম ময়ামসি কমদৌনা য়ুম কাওবা পুহুনা চৎকনি। মণিপুরদা কুলিগী চৎনবী লৈতে, রিক্সো চেল্লি। তৌকম খঙদনা লৈরিক্তে চৈরকসিদা থায়নগী মরূপ পংলোই লোইনখিরবা অমা লাকপা উই। তাঙ্গাহু নাম্বোকহনবা য়াদ্রে। ঐনা তরাম্না কৌই মরূপতু। মহাকতু হয়াও হয়াও চঙলকই—একাগাড়ী অহনবহু ইল্লহনা। একাগাড়ীহু ইংলিস হম্বরনি, মার্কা কোক্তি, লৈখোমদা চৎপদা কুমথহুনা থাঙ্গোবা, ময়ুমদা কিনা কুপ্তুনা থমগদৌবা মতা যাদ্রি। ঐনা হায়, "মরূপ ঐ লংকৈদগী লাকপনি হুমগী মীনম্থু ঙাইবীরমন্ত্রে, ঐগী ময়োম

মচা অম্মীদং থাওই, য়ুম কাওবদগদি পাংবীরমকদা লাক্লে।" মহাক মাপী গাড়ীদা অমুক য়েং ঐঙোন্দা অমুক য়েং হায়মথক তেৌমকক লকক তৌই। থিম্বরবদি নাতে চাকসু থাই চিংনরকুনা মাপী বা অমুক ঙাইরুদনা একাগাড়ীগী চয়ক্তা থাঙৎলে, নুম্নবা ঐগী মোংকী ত্রঙ্ক, গাড়ীগী মথক্তা বেডীং। নমহুনা থিনহল্লি ঐবু য়ুম তাম্না।

কোম্থোং মপান য়ৌরকপদা মহাকসু অথুবা থবক অমা লৈহৌই হায়হুনা পোংচৈশিংহু থাদরমলগা অতুম চংখ্রে। ঐনা মরোম মচা য়াংতক তৌবহু পায়হুনা য়ুমদা চঙলে। ইমনা ঐবু উবদা ইঙক ঙক্লা হংলকই—হৈমা করিনো তৌবকলিসিদি, হায়রম্লগা কৌই মমৌনুপীবু—'নুপীমচা। ইবুংঙো লাকত্রনহাই মৈ অমঙাং পুরকউ।" ঐঙোন্দমুক হায়রকই— "তুলসীবুক্তদা অতুম লেপখো মৈ পুরকঅনি, মৈ ওকপা হৌনবনি।" চঙখি অমুক ইমুংলোমদা। মমৌনুপীনা লানটেন মচা অমগা চরু চনাই থরগা পুহুনা তবী তবী চেল্লকই; লানটেনগী চেমনি হাঙদোকলগা মৈ চমগদবগী হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা হংই ঐনা—করম করম পাল্লি? হায়রেৎ য়েংখৎলকই, থামত্তা থুমলক্তে, মখা তাখগে তৌরিঙৈ ইমানা থোকলকপনা হাল্লে; মখুত্তা তুকনা মচা অমা পারহুনা। তুলসী মখেঙদগী তুলসী মনা অমা অনী থুল্লগা তুকনাদা থাদে, তুলসী মচুমহুনা খিকপীরকই ঐঙোন্দা।

ঐগী পোংচৈ কোম্থোংপান্দা লৈহৌই হায়বদগী মনি-মমৌ চত্তুনা লৌশিল্লুরে। ঐনা পোংয়োনশিংহু ওক্লগা ঐগী ত্রোইং রুমদা হোঙ্গিল্লে। অসুম্না লাংলিঙৈ ইমানা মমৌনুপীদা হায়—"নুপীমচা ঈরুজনবা ঈশিং থন্না নূমখংনু অহুগা চাকথুমদা।"

ঐগী নাত্তা চত্তলক্লগা, "ঈক মায়থজয়গা পোথাম্নো ইবুংত্তো ওসি থুংলগনি হায়বা পাউ অমত্তম্ থারকনি। অম্বুপ য়াম্বা পোংসিবু নহাক্না পুরকলিব্রা ?"

"ঐগী মরুপ অমগা ঐগনা পুরকপনি।"

"শোইদা তামদা য়ৌরকপসিনা মনুংতাইরে ? ওসি নোংমা নীনিসি কাকনা লাংথ্রিবা, মং-হানা চোইরিবা, ওষোকনা ফুশা থীরুরবনি। ইমা নংগী ঈরু মায়থজনবা হোৎনবীরুগে; ফুপীমচানা চাক লোইয়রুগনি।"

ঐগী য়া অমুক তাইরমদনা ইমা চংথ্রে। ইথত্তা তাইহৌরবদা ঐগী পোং-চৈশিংহু চিথ-নাম্ব য়াওব্রা হায়না য়েংউবদা খংনীং নীং-শিংলকই, ইমাগী একটারী অতৌবা। ঐনা চংলমদাইদা ইমাদা করি পুরকউগে হংলুবদা ইমানা হায়খিবা, "ইমাগী অপাম্বা হায়ববু নহাক শোয়লা তামদনা ইমাগী ইতম্বাক্তা অমুক কম্নবা অসিনি। ইচাগী নখরাই নমি ইমাগী ইথাদুংদা চেৎনা কোম্দুনা থমলি। হোয় অহুবু নংনা পুরকে হায়রগা একটারী অতৌবা অমত্তং পুরকউ। মেয়াগী নিয়ম লাইরিক তাবা চংপদা ইন্নগে।"

ইমাদা করি থুমগনি ঐ।

খল্লিউে থোঙজিন্দা লেপ্তুনা তাকলে-"ঈশিং অশাবা ঈরুজকমদা থনম্নবনি।" খংবোই করিবোই হংই ঐনা "করিবো ? মানা অমুক হন্না হায়রকই, "ঈশিং অশাবা থনমলে হায়বা।" নোক্লুম করিঙুম তোনা থুমলকই। মতোমতা তিংথোকখিবদৌনা লাম্নুই ঐনা মাগী

ফিজি, ফং লৈথোকখি, হায়রকই লোয়না, "চাকখুমনলীনি ঐ।" তকিং তকিং চেনখি।

ঈরুজকম তায়দৎলে ঈরু মায়থজথোকলে। তাইহাক পোথাগে হায়ডুনা ঐগী কা তান্না লাকুনা কমুংদা চঙলে। য়ুমদা য়ৌরগনি হেক খয়ুবদগী মখল মথেলগী ঈয়াংদা ভাউডুনা লাকখিবনি ঐহাক। হায়দোক্তনা চেম্থোক্তনা চেরকপা পোৎকী মশীং তনবা থিডুনা য়ুম য়ৌনীংবনা চেন্দে হায়বতা থাকুনা লাকপনি। অদুবু ইমাগী পোৎ কাওরকপা—ঐহাক ওন্থোকনা নীংঙমলক্তে, হৈনীংলম্বা, খল্লম্বা পুম্নমক ইতাও তাওবগুম তৌরকই। চিউ কৌরকই ইমানা— "ইবুংঙো করিনো তুমলব্রা ফুপীমচানা চাক লোইরে, চাক অশাবসি চথোম অমা চারগা পোথারো।"

চৎলে ঐহাক চাকশঙ তান্না। ইমানা ফুংনাক পান্দা, মানা চাকথম্মাংদা। ঐগী চাক এঙ্গাং থেল্লিবা অদোমদা চঙলে। ইমানা—

হয়াগাড়ী তোংবদো য়াগ্রবনি ওন্থোকনা। ইমাথোয়না থায়না বৃন্দাবন চৎপদা তোংবদো ইমাইপেম্মা য়োবা ওমগনি হায়বা থাজদে। নংগী পরীক্ষাদি মজল ওইরক্কনিদনা?

ওইরক্কনিনা। কনা কজনা তৌরম্বনি।

অদুদা ওইসন্থু ইচাসিদি ইমাননে শনি ঠাকুর লেপ্পীবনি ইচাগী মজলগীদমক। ফুপীমচা মাদি কংঙো পামজবনি। খয়া হায়্ : ইমাগীদি মনমতনি লৌগদবা, মথোয়গী ওক্কবা লৌজৌ।

ইমাসু চায়োদনা।

—ঐগীদি রাংলি।

ঙালে ঙাংননা থরা চায়গা চানীংব্রহুনা অহুম তোকলে।

ইমানা—পাড়ী তোংবসিদি চাক চাবা য়াদবনি। পোখারগা কপনি। তুম্মুয়োচংলো।

ইমানা হায়গুল্লহুনা পোখারগে লাকলে, কমুংদা চঙলে। কমুংদা হেক হিপথবগা হকগাং অসি পুম্মুন মুল্লে অহুবু অমুক অমুক মোনদগী কোক হায়গত্তুনা মহাক লাকপ্রা য়েংই, লাক্কে। নংগী পোত্তু লৈরক্কে হায়হুনা অমুক্কুং শাওহল্লগা মতৌ য়েংগে খল্লম্বনি। অহুবু লাকখিদ্রে।

উইরোন উইরোন তুথরকলমাল্লে. মংওই শা-ওই খুগা ওইরপ শুং শুং কপ্পান তাই মিংনা থর্শিং শিংবগুম তৌই। ঐনা হংঙি—করি তৌরে?

কৈস্থ তৌদে।—হাযবম্নগা কম্মুংদগী কুমথক্রে

হিপ্পদগী কম্মুংদা কমলে ঐস্থ—হংঙি অমুক, 'করি লৌববগে হায়থু হায়রি?"

কৈস্থ তৌদে।

নংগী পোং লৈরক্কে হায়বগীরা? শেন থুম মরাং কাইদবহুদা লৈরক্কবনি, অমুক চংপদা লৈরক্লগা লোইরেদনা।

মাদি অচম চংব্রে। ঐনা চিঙৈ কৌগত্তুনা ব্রোইং কুমদগী পোত্তু, লোংশিনগে চংখিবদদি পোং পুয়মক পুমচায় চায়খোক্কুনা লৈরমলে থরীনা কদায়দা, থুমীং রাংবীনা কদায়দা, রাওজপ্পী কি, ব্রেসিয়ার মথোং অমত্তা থঙখিদ্রে।

মহাক খোঙজিনপান্দা লেপলৈ। হায়রুকই—হৌজিক থিল্লু-গদৌরিব্রা ?

করিবো ?

পোৎ-চৈ লোইশিল্লিবা অহুবো হায়বা !

—কনাদা থিল্লুনি হায়বগেনে ?

—ঐস্লু ফি হোংদোকলুথিগে।

অমুক তনচং চংগ্রে। খাম্বা নংহৌদে—সুৎ সুৎ কপ্লগুমস্লু তৌরি অমুক তনহন হল্লকই, হন্দক্তি পোৎয়োম অমস্লু য়াওরকই—

কবিনো নংনা তৌরিসিবো ?

কৈস্লু তৌদে।

ঐ ভাব তাব্রে, কদায় চৎকদৌরিনো ?

য়ুমদা।

করিগী ?

কৈস্লু তৌদে।—হায়রগা কপ্পি।

হৈমা পোৎশিংসিদি নংগীনিনে ঐনা নতৌ য়েংগে হায়জিন্নবনি।

মহাক হেন্না হেন্নহুম কপথৎলকই।

মতা অমনিনহায়। সে পোৎসি লৌশিল্লোনে। নংনা লৈরকও হায়না চিঠি ইরকপদো চুম্নরব্রা য়েংনে ; ফাগী তৌরগা !

খুঙ্গত্তনা পীরুবদা লাকুনা লংথোকলকই। সুৎ সুৎ কপলম্বদগী হিক হিক মথোল থোকলকলে। কপ্পা কপ্পা হায়রকই—

মীনা হায়বা লৌদবী ঐসে অঙাওবীনি। ইতা ললিতানা নহান্না হায়গ্রবনি।

লাইলিঙা ছায়বদি !

কয়ে 'তোকও ঐবু থিনবীয়ো।

নবু পোৎসি—

ঐলা য়েৎচয়য়োই।

লেথোক্‌না চৎথি থোঙ তম্না। ইমানা মপান্দগী নাম শোল্লকই —হে রাসবিহারী, হে গোপীজন বল্লভ, হে কৃষ্ণ। মহাক চপ লোল্লি লময়াইদা। ঐনা এয়ার বেগতগী চিঠিহু লৌথোক্লগা অমুক পাবা হৌগৎলি। ঐহাক থংনীং নীংশিংলকই, চিঠিহু ঐগী মরুপ জয়কুমারনা য়ুন্দগী থারকপনি হায়না পীখিবনি। মহাক ললিতাগী বোয় ক্রেগুনি।

ঐহাক নোকনীংমনগুমনা নোকথোকলুই। কবি তৌরবক্লা থওদে মহাক্লা চোংশিল্লক্‌না ঐগী চিনবান্দা মথুৎনা চেক্লেৎ মেল্লকই। অমুকসু ইমানা নাম শোল্লকপা তারকই।

কৈদৌউৈ অমুক।

লমজাও শোয়োক্তগী লাপ্লক কৈথ্রিবা ঙক উয়বা উমং। উমং অসি তাবা মাবা লম্বী অমত্তা উদে, তাইবংপানগী মীওই অমত্তমু মফম অসিদা চঙখিদবা কুইর মায়ে। উয়ুংগী অকোয়বদা লেপ-লৈপী থুম্মা য়াংথ্রবা শীংনাং লাংতনা পুমকুপ কুপ্পরঙম ভোরে। ইতিহাসকী লামায়দা ইংলিগত্রা ইরিয়োইত্রা খণ্ডত্রে,—অনুম্মা হায়নে—উমং অসি, শলাং বাজী কৌবা থোইদোক হেন্দোক্লা লাই তিনগা তাইনবা হৈরবা অমাইবা অমগী ইখোয়ুং ওইরমই ; উমং অসিগী ময়ায়মক্তদা পাক-চাওরবা পুঞ্জী অমা লৈরমই ; পুঞ্জী অসিদা মহাক্লা চাওরবা লাইরেন অমা ভা য়োকপঙম য়োকলমই। লোইবা নাইবা তাইবংগী থোঙচৎনি। মাগী পুনসিগী হুমিদাংম্বাই য়োরক্লবা তাঞ্জাদা মনীং মথা তম্না লৈবা ঙমজখিদ্রবা লাইরেন অসিবু মহাক্লা থাদোকপী-রমই—থাদোকখিবা মথাদোক্তি অসুম তৌই হায়, হিয়াঙ হিরেনমুক চাওরবা পুনসিরক্লবা লাইরেন অসিদা তাইবং মী মরুকমক্তদমক মাবু থাজবশিং অহ্তনা কংফবা অতুগুম্বা শ্রীহরিগী 'চৌদনাস' শীবীরমই, করম্বা থোইনশিন অমনা অসিগুম্বা কংঙমত্রবা হী-য়াই অসিবু পীবিখি, কনা অমত্তনা হায়বা ঙমলমদে। অতুগা মলিগী মহৈদি হুমিং অসিদগী হৌনা লাইরেন অসি মনীং মথা. তম্না মানা পাম্বা অতোপ অতোপ্পা মূর্ত্তি লৌছনা লাইমক্তী শক্তিদা শীংনগে নীংলিবা মীওইববু মহাক্লা ইরাম লায়না মায়থীবা পীবা

ঙমলমই। লাইহংলোন খঙলে হায়বা মী কাওবনা মহাকপু কা-
পুনুনা অহুৈঙ শিজিন্নখিবগুম শিজিন্নবা ঙমলমদে।

তক্ক মমলবা উমং অসিগী ময়'ম-মক্তদা লৈরিবা পুথ্রী হৌজিকস্থু অহুম মরৈরি, ভোগুমদবা লৈত্রবা লাইরেন অসিগী লৈওনকম শান্নকম ওইরম্বা পুথ্রী। পুথ্রী অসিমক্তদা, উমং অসিমক্তদা লাইরেন অদো লৈরমলোই কনানা হাংবা ঙমগনি! কনানা চঙলুগনি অসিগুম্বা মকমসিদা, মখোঙ-খোংনা মমং খিবশিং নত্তনা? অহুবু চঙলবনি এইহাক্তি মকম অসিদা, অকিবগী মশকনি! কিংদি লায়রি, অঙকপা অমগা থেঙনৈ, মকমতুদা য়োরকলিবা এইহাক ইথত্তা নংলমদ্রে।

চাওর চাওরবা, লক্টি-ওইরবা উজাওশিংনা শৌগ্রী হৌবগুম কুংনা হৌরিবা, মতোন পুঙলবা উতোনশিংনা রাংখিবনা কোয়ৌ মালংপান্দা পাইরিরা নোংগী চীংতুম চীংতুমগা, য়ারী শান্নবগুম উরিবা, রাগী রাপনশিংনা রাংলবা উজাওশিং অতুগা লাম্বা পাবা ঙমত্রহনা ইকাই লুক্কনা খাঙলিবা মরক অসিদা হৌনশা কারাম চাওবা তাইবংমীগী মীশৌ লাংত্রবদা, নীং-খা তম্না শান্নজবা কংলবদা অরোন অথুপ ইকাই, ইকি পুন্নমক খাদোক্তুনা তাংজবীনি হায়নবী উরীশিংনা ঙসিদি পাঙল চাওই হায়বা পামেল উজাওশিংবু পুক্তম খাঙমদনা খোঙদগী তোন কাওবা য়েংশিনবীহুনা তলা-উরৈ-মপানশিংতু উরীগী মপান তাংলবগুম উরি। লাঙজা কাকশিংনা অকি অথং লৈতনা শান্নজবা কংজরে। ঋতু মতম্না অরাম খোরাংবতনা চোকথরবা পৃথ্বী লৈমায়থক কুমগী ঈনৌ কংলবদা অনৌবা কিজোস হোংলকপা

মত্তাঙনি, খোঙনেম্বী চানৌনা কাওরেন শনপুক য়েরকলে, শঙ্
নায়াংদু ভঙাং তঙ্কাংলে।

উমং অসিগী মনুং হেক য়ৌরকপদা হৌজিক্তা নোংখোং কুইনা
চুরম্বা নোং খঙহৌদনা লেপখ্রে, মায়কৈ মরী পুমখোং শেংখ্রে,
পামেল উনাদা নপলিবা নোংগী ঈরীক্তা য়ুমজিলাংলকপা মুমিৎকী
মশেক্লা য়েবদা অপানবা হীরা-মনি-মুক্তানা পানবগুম নীংথিরে।

কদোমদগীনো তারকই—মীকৌ অমা খঙহৌদনা—

"তা-হেনৌ। হো তা-হেনৌ!"

য়াম্না তা-ঙবা খোয়থুম্নরবা মীকৌ অমা। শুক্লবা, মম্রবা,
উমং অসিগী উপাল য়াপালশিংনা অমুক খুমলি, "তা-হেনৌ—
হো তা-হেনৌ তা—।" ইঙক ঙকনৈ মখোয় পুম্বা চহী কয়া ঈচিক
হুন্দুনা লৈরক্লবা উমং অসিগী অচিকপদু কাযরবদা। পূকনীং
মুংওল্লবা, তাবা কংলরোইদোবা ইশৈশুম তারি এহাক্লা—অঙকপা,
হয়াওবা, অকিবা পুন্নমক মুর অসিনা পোকহনবগুম তৌরি।
অমুকসু তারি মায়কৈ মরীমক য়া-য়া শ্বায় শ্বার লাউবামা। নোংথক্তা
য়েংখৎলুবদা উয়োক শঙ্গু শঙ্গু পাইথোকলকপা উরকলে, পূকনীং
হকচাং তনীক তনীকলে, ইশা পুম্বা হুম্বাংনা ঈরীক্লরে।

অমুকসু তারক্লে খোয়থুম্নরবা মীকৌ—

"তা হেনৌ! তা-হেনৌ।"

মুংঙাইবা মঙ, অরাবা মঙ অমত্তনি। চঙশিন্লে মাঙলোক্তা
মীকৌ অহু তমছুনা, মায়কৈদি কদোমদা, অঙকপানি খাজক্রবা
শক্তম, খাজক্রবা শাজৎ; মখোন কারকপী, তীংদা য়াঙদা চুমলবী,

অম্না। মিৎয়ৈ তাবা মিংকায়ে, ছুংথাত্র আরা শাংরায়ে অনীচিনা তাকপদি পাম্নু মায়োক থাকমদা মতম কনা থ্রাংজরকলিবী কন্নাঙবী লাংনৌ অম্না। খুরক তাবরী মশিং অন্নীনা হ্রাংবী শজি খাক্লাইগুম মায়কৈ মরী নৈনা য়েং, শেং-চারিবা মকি-মরোম পুমচোৎ চোং, লোইনা তাবা শয়লাংনা মায়থোঙ তথ্যায়রা কৃপ, চণ্ডশিল্লকুই ঐনা লাকলিবা অদোমদা।

উমং অসিগী লাইরেম্বীরা, নত্রগা— !

কুণ্ডনা হৌরিবা উপাল য়াপালশিংনা অমুক অমুক লোৎলিবগুম টিকমাওনৈ। মিকুপ খরগী মতুংদা কদোমদা চৎপ্রবা অমুক উথিজ্রে। অঙকপা, অকিবা, কুংনাংবগা লোইননা মাবু থিরি ঐহাকনা; অমুক্তাংগা কৌরকমবদি মাগী মীকোচু খজি, অহুবু কৌরকথিজ্রে।

অহুম অহুম চণ্ডশিল্লি মাঙলোমদা। তারক্রে চিবোন চিবোন ঙাংনবমা-পংলাপ লাপুনা। খুরাং কাওনা, লোয়া চণ্ডশিল্লে অদোমদা। অকিবগী মশক কংলবা, তৌ, কৌনা, হুপনা খুৎলোনবা য়াদবমথৈ হৌরিবা পুথ্রীছুগী মপান মক্তদনি। লম অহুম মরীয়োমদং পাকনা ইকোক কোক্লবা অশংবা তিংথৌতনা কুংনা হৌরিবা লম মচেং অছুদা। মথক্তা নৎলমজ্রে, অনী গুরমলে। মনাক্তা অকানবা শাজিক পৈরিবক্তুসু উরকলে। পৈরিবা শজিক্তা ঙাথরছুনা লোথাউ ফুরিৎ লিংপা পাখং অমা মখোঙ তিংথোক্লুনা, মখুৎ ওইনা থাঙ্গোল পায়, থাঙ্গোলগী ময়াদা মখুৎ য়েংকী খুৎশানা না' নাপ্পছুনা ছুংবংনবা লৈরি; মাগী মমাংমক্তদনি মুপীছুনা লেপ্লিবা।

লাংডক্নরবা মিৎয়েংদা হায়রকই নৌরিবী অহুনা—

"ঐহাক হৌজিক্কা ইম্ফালদগী লাকপনে, নখোয়রোমদা কাওহুনা চৎলুবদা ইনেপা উটৈয়ে। নবু হৃবদা মংদি উমং অসিদদা হুভিগী শক্তিক, কাল্লি ওসিনু কানগনি চৎখি হায়রকএ। ঐহাক য়ুমকাও চঙলমদনা হুংশাখিমনপ্রহুনা নবু কৌথোকইগে লাকইবনিনে।"

"করিগী?" হংলকই নিপাহনা। মমায় মায়খোংদি খাক্তলক্তে।

"হৈমা উমং অসিদা নত্রবদি শক্তিক কানকম লৈত্রবরাএ খুন অনী অহুমসিদা? লাইকম য়ামনা কল্লি হায়নবত্ কাওরব্রাউ?"

হায়কেং নোকই নিপাহ, হায়রকই: "ঐদি অসিতদা কান্নাংই, কনা কনাসু উদবা মক্কম অসিদা শক্তিক কানবসি ঐগী হৈনবীনে। ওসি ওয়াংতগী নত্তে। নহাক অমুক হনবত্ম থেঙখিনি, হনখো।"

"হৈমা ঐদি হনসু হন্নরোইদৌবদা!"

"করিগী?"

"নংনা হায়খিবত্তুদি?"

"করিনোনে তম্পাক নংনা হায়রহুবো?"

হন্দক্তি কমলমবদগী ফুক হৌগৎলকলে নিপাহ।

"ইনৌ নৌনা নীংশিংখিবা তাবিরা? হাক্ক্মগী ইচাওদনি ঐনা চৎপ', খা কয়ানো পারোদনা! অহুনা হুক্ককলবনি ঐহাক, অমুক চৎপা ওয়রোই।"

নিপাহুগী মমাংমক্তদা চঙশিল্লকলে, মায়োক্না লেম্লগা অমুক মখা শমথরকই:

"ঐদিনে অশেংবহু হাপ্দোকলম্লবনি মঙোন্দা। ইপাগুম্বা অহুদবু ঐনা লৈজরুবা! ইনাক কৈরাক খুন্দুনবু কৈদৌননি। ঐদি হাম্লস্থু হায়ত্রা নঙোন্দা! নহাক্না হায়বতা ইন্দুনা লাকপনি ঐদি। নহাক্কী লমচং-শাজং পুম্নমক ঐহাক তায়! ঐনা হেক লুহোংখিবা মুমিত্তগী মত্রা নহাক্না মীনা কিনরবা চঙনত্রবা উগুং রান্নুং অসিদতা য়াকাবুং ওইরকলিবা? নশকস্থ লৈপাক মচু, নশানা শরু পোম্লাং, নংনা হাসবদগী চংশুবা নত্রা ঐহাক?"

হায়না হায়না মমিৎ অনীমক্তগী মপি শিস্থরকলে, মখা তাখবা ওমদনা হিক হিক কপ্লকলে। হেনৌ মথুত্তা পায়রিবা থাঙোন্দু থাদোকলমহুনা মাংদা লেপলিবী অহুবু মথাদা চেজেৎ কোনবীরে, নোংগী ঈরীক্লা ঈরিরা শমলাংশিং নাম্থবীরে। পাউখুমদি, পাউখুমদি অমত্তা পীরক্তে, মমাংক্তদা লৈরিবা অচৌবা পুথ্রীগী কুহা মচুগুম মুগুক মুরবা ঈশিং অদোমদা মুন্না য়েংহুনা লৈরে। পুমচিক চিকখরে।

ঐহাক মঙলোমদা চঙশিল্লে—চঙশিল্লি থঙদনা। থংগ্রেক থংলম্মি লাউরকপদা কনানো অমনা—

"থাগী হিসাব কয়া স্থরে থঙত্রবরাও? বিল হেক লাকপদদি খুস্থক খুঙখা চেল্লে। থৌরেম রারেমদা পৈশা ছন্দোকপসি খিং তোকপীরো হায়বসি য়াত্রেদনা! হন্দক্তি অঙাংগী মমিংস্থু চনগদৌরিবনি!"

লাউরকলিবদো মুপোমচাগী মমানি। শুক্রবা উমংলা, ঐগী কারা ঐহাক মকম থগুব্রে, মায়কৈ মরী পুমম মমঙ্রে। কৈদৌঙৈ অমুক হেনৌগা মাগীদমক রাজত্রবী তম্পাক্তা উজ্ররগবা ঐহাক্তা।

—[ঋতু, অঙুবা চেকোঙ ১৯৭৯]

রিক্সা ভাড়া

কৈথেল কুমথনরকপা মতমদি—থায়নগীনা হাঁপংনরকপা। শিবা কিবা ভাইবংমীনি—শোয়দমা শিগনি কাওথোকনৈ। থোঙ নম্বোনবীদগী হেক লাইথরকপদা রিক্সা পয়েং, তোঙদোবা মীনা অহুদা চংাস মেকনত্রে, রিক্সাৱালাশিংনা হান্নরা লাউিহুনা লৈরমলে, কাকৈথেল, তেরাকৈথেল, হৈরাংখোইথোং, কৈশামথোং। তোঙ-দোবা মমল কাল্ল, রিক্সাশিংনা হুঙংলি। খুৎলাই পায়বা পুলিসনা লম্বীদা, তুকামগী মাঙোন্দা, নোংমৈ চিন্দোন থিন্দোকপা হৱাগাড়ীনা হু হাঁ, জীপ কারনা মরী মরী, মিং ওপ্পগনা মরম্মাই। মরকসিদা মীয়াম্ব চন্নপ তৌরবা মীওই অনী তোংবা রিক্সা অমা জর থোথরকই থোং নম্বোনবীদগী। চপ-লেপই সগোলবন্দ রাহেংবম লৈকাই খায়নরমদাই লমলোংদা। অ:তোংবা অনীহু রানা কুমথরকই, রানা লেপই হাইরং হাইরং। রিক্সাৱালাদা ভাড়া তিকনৈ অনী চঙহুনা। তোংলকলিবা অনীহু পংরেংত্তা ময়েৎনৈ. ভাড়া লৌগদোবা রিক্সা থৌবহুগী রা তাদে।

চিনগ: চিনগা, খুদোম্বীগা খুদোম্বীগা, মথোয় অনী রেংনরম্বদগী অমনা অমবু ইল্লি, থোন্দা থিনা চৈনরকই ; রিক্সা থৌবহুনা থামজে, তাদে। থঙহৌদে অনীহু পোপ পাপ, য়া বা লাওনে, ময়ামনা কোইশিল্লি, থামদোক্রবা য়াদে। রিক্সা থৌবা তল্লমাল্লে গাড়ী ইম্বোঙ্ না তুমিন চংখি—কুনহৌই অনীহু।

মু ঙাক্তুনা তৌৱিবনি—য়েংলম্বশিং মহৈ মহৈ চৎনখি উত্রিবশিংনা মহুং শিনহৌই, মখোয়গী অকুম চৎখি। অমগা অমগা কোয়হুনা অননা অমৰু ময়থুহুনা লম্বীথক্তা লোংনা তাই। তাক্রিবহুরা গোংশিন্দুনো নঙিঁয অয়না। থুং মরীদু পোথানবে, লামদৈ। উচুম পুমগোম।

মৌ নহা কৈথেল-কুম্লকপী অমা উই থঙঅরিবহু মিপাই মবাইনা চেনখিল্লকই, হায়বৈ অয়েংবশিংদা, "খরা খাম্বীয়ুবা কৈদৌদৈ শিনরবনি।" কনাম্বন্তা থুম্লক্তে, থামম্বু থামদে। পংলাংকা মরাও হুপীহু ময়ামহুদা, চৈরকসিদা মথা থংবহুনা মখোঙ থাঙংলক্কু মথক্রীহু ইস্থ্নবা হোৎনবদা মথক থংবহুগী ময়েংজুমদা মখোঙনা কাউই। হুপীহুনা শৎক্তিক য়েংলগা লাউরকই, "কৈনোনে হৌরিসিবো মীঙোলা নখোঙনা শোকনেনহাই তাদা!" মথা থংবহুনা মথক থংবহুগী মপাম্বোমদা পায়রগা "ইহে খোঙনা শোকখ্রে" হায়রগা মরাইবক কংলি।

নমলম্বা হুপাহু চরম পায়বম্বদগী মখুং থাদোকই। মথা থংবহুদা মুম্না য়েংই, মহাকনা শোকখিবা মপাম্বোমহুদা অমুক য়েংই, য়েংলমলগা ফুক হৌগংখি। কন্নিমক্তা হায়রমদনা মমায় লৈথোক্কুনা মনীং পাংনা চংখি। তুরম্বহুস্থ তপ্পা হৌশংলকই, হুপীহুদা মুম্না য়েংই, লৈথোক্কুনা চংখি কৈথেল্লোমদা।

হুপীহুনা অনীহুদা য়েংলগা শিন্নপেনখে নোকই, হুমৈ য়েংলম্বশিং ইঙক ঙক্লে। মহৈ মহৈ কায়নখি।

মেরাগী থাবল

লীরি থোইরিবি মবুক ত্ত্বরবী. শানৌগী তনৌ তনৌরিবী মায়থোংদোওুম উরবী থাবলগী তাংথক নাইত্ত্রবী ঈপোমনা লৈতেংলবী মেরা থাগী অহিং—তাংলৌ লৈশিল্লক্রবা মতাং, হুংশিত্তোম্বী কম্মুদ্দা হিপলি হায়বতু মঙাই তুম্বা য়ারম দ, তুমথুন তানবগী মহুক্তা মমিত্তগী মপি শিন্থরি। মনাক্তা হিপলিবী মচান্নুপীদি চিকনা ইংনা তুমথুল ত্তাল্ল।

মাগী নীংবা কায়রবা থম্মোয়ক্লুংগী অরা চৈনাখোল অত্তুগী মরক্তা য়ুমলোন অমী অতুম কাম্বনা লৈখ্রিবা ঠিকাদার বাবুগী য়ুমদা তিংশোক্ল হুমিদাং থুদিং কপ্পা অঙাংগী মিকপথোন অতুমদি অতুম মতারি, —"হো ইমা। হো ইমা! ইমাই নাক্তা চংকে, ইমাই নাক্তা থিন্নবীয়ু।"

অঙাংছুবু চৈবতুমম্ম অতুম মতা", "ঙমজন্ত্রেনহাই করম্বা অঙাং-নোনে মসিবো। মীনা তুম্মা হিপ্পবা মতমাসদা হুতিগী ওইনা কপ্পসিবো।"

মথং মথং লাউনৈ ইমুংত্তুদ্দা—মপান্দা কপহল্লুচো, ফুদথল্লু, ফুরগা কনি, মমাগীদা হয়েং থিন্দোকল্লুচো—আসনচিংবা।

তারগা থল্লি, মমানা মচাবু হুংশিবা, মচানা মমাবু হুংশিবা, করম্বনা হেনবা করম্বনা রাংপা। মহাকম্বু মচা ওইরম্মি নোংমা মমা ওইত্ত্রিঙৈ হাক্তক্। মমাগী হুংশিবা থঙলক্কে, কল্লকলম্মি

মীগী মমাবু, অসিথক খণ্ডলকই। মমা ওইবীগী মঙ্গংশি, খণ্ডলকই মমৈ কায়নখং অত্থবু অরেপ্পত্থু করিনে। খণ্ডনীংলকই কপলিবা অঙাংসি খজ্জু বদলী।

অঙাংসিগী মমা ইবেতোন ইনাক কৈনাক খুনবা ঠিকাদার বাবুগী ইম্নুংগী ইতোন তোনবা মচাম্নুপাগী মমৌ অমীগী অতোনবীনি। শক-চু হেল্লি, কুচু ঙৌই, মপোপ মতাং কৈ, লাইরিক হৈ, তলব চাবীনি। মাগা লোম্নবী মচেমস্থ মশক মতৌ মকজৈ, তলবত্তি চাদে। নহা ঙাকনি, মাবু চেক্লপা হাক্তক রা চাওনা থোক্লৈ, চৈরাপ কুচু য়োনৈ, কানৈ পুম্নৈ। মমা মপা শাঙ্গৈ ঙাই পুম্নমক হো হো চোংনৈ - রাই শংদবা মুপাদা করম রাইথুংঅপনি। শিরগে মখৈ হোৎনৈ থায়দোকননবা অত্থবু য়ানখি মাস্থ হেক তৎপমখৈ। থানানা কাবা রাখিদে, জেল চণ্ডবা নাচংখিদে। খুদখি ইচং থৌনা, "এৈগীদি অসি মঙাইরে. মুপাসিদা সৈত্রবদি ইথত্তা শিজনি।" পুম্নমক মযা কুমখি। হায় লৈরবী মুপী মহাকথকী কায়নখি। কল্লকপনা হায়নৈ কায়নকৈ, মুংশিবশিনা মপি শিন্থনৈ। ব্যবহায় ফজে, মীয়োক মীচান তম্বা থোক্ত, মীচং মীথোক মুংঙাই, মনেম-মকু মতৈ-মচেমগী সেবা লাংবা মপা লৈতে। পুম্নমক ইন রাইমুক চিকখি। ভক্তিগী মাঙ্গা পুম্নমক লুপখি। মথাদি—

মথাদি মীওইবগী পুনসি অমুম্মক ওইরে হায়বা কনাস্থ হায়বা ঙম্নদে। মচা নাওরোন অনী কাবরবা মতুং মুংশিজরবা মপুরোইবা লৈখিদে। য়ামনা মুংঙাইতবা মীশিনি। সরকারগী থবক তৌবগী হোৎনবী চত্তবা য়াদবা করিগুম্বা থবক অমগী উগ্রল মায়কৈদা চংপদা

পাঙী এবং চন্দ্রনা মশা ইতেক তৈক্লা শিয়ে হাৎলা পুরকই। অমুক চাকচামাংদা চৎখিবনি—হয়েং তম্না হল্লকনি হায়দ্রা ; কনানদি তম্না এম্মি। অহুপ পামনা, অহুপ হুৎশিননা লৌন-লৈনবা হুৎশিহনে লাইরহনা লৈকাই মী কাওবা কপনৈ, পেম্নহৌদে। লাইবকথীবা থৌদোক অহুদি তম্নাইথেক পোংলোইকমদা থোকখিবা অহুমা থৌদোক অহুবু মৈ ইকখি। অউবা পুম্নমক কপ্তবা ওমখিফে অচৎ-অওক পুম্নমক লেপ্তুনা য়েংনখি।

ইবেতোম্বী মচানুপী অহনগী খুদাং পায় থাদকী মচানুপান্ম নমদা পো—মক্তি ময়োল থওজবনথে চোংখি ; মচাশিং লংথোকলম্নগা চেনশিনখি মপুরোইবগী চিতাদা, মপুরোইববু কৌহনা মাবুম্ন পুবীয়ু হান্মনা কপ-লাওনা। কানা পুম্নবা ওমখিদে। শোক্ল-শম্নকদে হায়নবা মতৈ অহুম্দু য়াওনা কাখি মাবু। রাম্ভহনা তাখি, চিতা মনাক্তা, ডাক্তর থিবা চেম্নখি।

অহুবু শিবগী মতম থওদনহুমুক তুংগী পুনসিদা করি ওইরকদগে থওবা ওমদে। উখিবা মীগী মপি কংনদ্রিবৈও, চহীগী ফিরোই য়ৌদ্রবৈও নোংমা তুমিন হল্লকখিদে ইবেতোম্বী আকিস কাখিবদগী। মচা অনীমক হন্দোকলম্মি। কোইনা থিনৈ মনেম-মকু-মতৈনা, কৈরোই লৈকাই য়াওনা। থাজনৈ ডাওহনা চৎলম্বা য়াই কায়নবগী অরা মৈশা থাওওমদহনা। নৎলমদে ; কনানদি থাজগনি মোংকমদা হনবা হজাম মকমক পোকথায়দ্রিবৈও মতাং অতম্না মহাক মযুম অমমুক পানগনি হায়বা। থাজবা পুম্নমক থাজদবদগী থোকখিবনি, থাজদবনা থাজবদগী। চিত্রকারনা নত্রগা নাট্যকারনা য়েকপা

শেম্না মুর্ত্তি অমদি নাটক খাজদবদা যুম্নকম থক ওইনরুদ অহুম্ নোংলম্বগী খুত্তগী খোকপা মুর্ত্তি অমদি নাটক-তি মসিগী খুমখা পৈখ্রশিংগী মলুং থক চনদে হায়রা ঐখোয়না হেক হেক কাওই, কাওজনখিবা মপোকনি মী ঐখোয়গী।

আকিসতা মাগা থবক পুম্না তৌমিন্নবা খুপী লৈবা অমদা মহাক চেনখ্রে তান্নরকই। মমা মপানা য়ামনা ইকাইনা পাউসি হায়দোকলে মুপা মযুমদা। মনেম মকু অনীমক ইকাই খুংশি য়াম্নে, তীংদম তাখি; লৈখিব্রবা মচাবু কৌহনা মমানা তেংথাখি হায়বা মঙাই। পীকলিবা অঙাং অনীহু য়েংহৈখিদে অহুবু কয়িদি তৌগনি—তাইবংপান আসি হিংলিবা ঐখোয় ইশাগীদমক্তনি।

যুম অহুম্মক চিনবান য়ারী কংনৈ. হায়দোকা হায়জিনগদা ইম্বোক্তা ইনশিনগা মতা অমা ওইখি। খুংকক চাওরবী খুপীমচা অহুনা মপাপোকপা মবোক্ত শিরগে মখৈ য়াম্নবদগী মাগীদা লৈহৌই, থাদক্তী অহুনা মমাগী নাক্তা মীচাবোক অহুগীদা চৎখি। লৈকাই পুম্না ওকনখি, ডাংনখি—ইবেতোনদো কাবীবা ওইরমগনি, ধর্মলাইমা লৈতেদা মুপা হায়বা জাৎসে। অহুবু অচুম্বদি কুইনা লোংপা য়াদে, অহুম খঙনরকই। মহুদনা অমুক্তা হেন্না ওকনকম ওইখি, তৌবগীদি তুরেলগী ঈচেম্না তোর্বানথক্তা হৌরিবা মপান মরা চেংলিবা খোঙনাং পাম্বীবু থক চেন্নবা ওমদে, তুরেন খোঙমুংগী শীংনাং লাংতবু ফুক্তুনা মচেল্লি, উন্নিতনা উদা ময়েংলি, উপাল মত্ত অমতনা উরীদা য়েংখিন্নি।

অমুমনা অনীগী অতোম্বীগী মহীময়াই কল্লবী অমগী শর্কক অমুক য়ারে ইবেতোম্বী। মপা পোকপা মবোক্তী নাক্তা লৈহৌবী

হুপীমতা অহুগী মখাগী নাক্তা য়োজনীংবগী মখাবু খৌরাংজক্লা মিকপখোন্দু তাবদা হুংশিতোম্বী" হংনা শাবদোনা মনাক্তা ইশিং শিন্না "তুমলিবী মচানুপীবু" "মা-তুনা য়েংউ", মায়েক্লবা হিদাক্লা তুমলিবা মচানুপাগী নাক্তা লাক্তুনা মচাবু য়েংলৈ। মচাগী মায়থোংদু য়েংনা য়েংনা অরাপ্পদা কপলিবী অঙাংদুগী থম্মোয় শোক্লবা মরাইহৈশিংদু ময়েক শেংনা তারকই। খল্লকই, মাগী মনাক তারা চত্তুনা অহল ওইরবী মবোক্তুনা থেমলিবদু য়াওক্লাসরা হায়না। খনবদা নত্তে হুংশিতোম্বী থোঙ তম্না লাকলে, তপা হাংদোকলে। থোঙ জেক হাংদোকলুবদা তাংথক নাইত্রবী থাবলগী ঈপোমদু উরম্‌"। মপান্দা থোকউবগী মহুত্তা মমিৎ অনীমক চেজেৎ উইশিন ইমুংলোন্দা লৈশিল্লকলে, তুং-ওস্থোক্তুনা থোঙনা অনী য়েক্লশিল্লগা শৱ থবেৎ থবেৎ হোল্ল থোংবাদা ঙাথবকলে।

মেবা থানি—থাবলদু মেরা থাগীনি, মহাক কাওথোকলুরে। মেরা থা মাগীদি অশিবগী থানি, মেরা থা মাগীদি য়েক্লবনি।

নাংশিংলকই হাকস্থু ইবেতোম্বীগুম্না মপুরোইবনা মথোং কারকপা মতাংদা মথন হুন্দোকপীরম্বনি। মচানুপা অহুস্থু মপাগী মশক খঙহৌদে, মচানুপী অতোনবী মবুক্তা থম্বীরমই। মনেম মকু য়াওদে, মথোয় অনীতা তরক তরক পাঞবনি, লাইরা উল্লংনা হৌবা য়ুম্বান্নি। মপুরোইবনা কোইনা থক্ক থিবা চংলি, য়ুমশা কৈশাগী থবক তৌই, থবক থিবদা চৌং-মানদগী হেন্দোক্তুনা মীরম কাওবা হেক হেক চংলি; লাগ্তা লাপ্পদা চংলমদাই মপামদা মখাগী নাক্তা মরুম থুপলৈ।

মুখাল পুনসি মতাং করা লেনখি অসুমনা। মচাসুপা অহল পোকলবা মতুং মশা মিরোল্লিতৈ মৈত্রবাক রাংমা লান্দুনা পৈশ্লাগীরমক চংশা তাখি, চংখি মপুরোইবা।

লাইরবা মকুবোকনা থম্বিরমই ইখোল মচা অমত্তং, মুম মচা তেক্কদবতা মঙাইরবা অমগা। মকুনা লৈখিদবা চহী ওন্দরিতৈ মনেম অমুক লৈখিদে। তেল্লবা চহী অমা অনীগী মসুংদা কর্ম মথং মথং নূনখি। শেন্দোল্লা মরেপ থুমখি। লাইরে-নঙই খঙনা লাকখিবী মুংশিতোম্বী মপুরোইবগী অঙম্বা মতেং পাংই, মহাকনা শুদবা থবক য়াওদে—কিশা লোনশাবদগী হৌদুনা শঙোম য়োনবা কাওবগী শিনফম পায়খি অহুবু লাইরবনা কিত্তবা নোং নঙই হায়বগুম মপা ইচুম চুমখিদে; নোমজমনগী চাবতং চি কোল্লে মীগী শেন্দোন ফুকংপা ঙমদে। মহাক্কনগী শেন্দোই মিকুপ অমত্তা লেপতে, অহিং তুমদে। মকুনা থমনাম্বা ইখোল পন্নদুনা পুশিনখিবা শেনফম শেন্দোইনা মরেপ থুমলকই—ইখোল লৌখিবদা তারকই। মতৈ মলাওনা শিরগে মথে য়াল্ল-যামন। অসুন অসুম হেক্তিল্লকই, হাকুক অসিদা মুংশিতোম্বীগী মপুরোইবা আসাম তাম চত্তুনা শিল্লংবা তাখি।

নোংমা থরান থাদা মপুরোইবনা মঙোন্দা মহাক লংকৈ চংলগনি তমলৈ। সুমিত্তু অয়ুকনি, চংকদৌবা মুমিংকী মাংজিন থংবা মুনিংনি। চাকচামাং মীগী খুল্লং চংলুবদগী হল্লকপদা তমখিবনি। মুংশিতোম্বী মশাগী অবস্থা মতাহুনে, থকংপমা পোকখি। মতৌদু উবদা হায়খি মপুরোইবনা,

কাঁন্নগীনো নংনা অতুক হুংতক হুজাঁনরিবা ! নংখুঙ্ক মকুপ ঁঅমত্তা খাদোকনীংদবনি। নংবু থাজোঁক্তুনা করম চংলিগে থনবকপী অমুপ কুইবসি ওইজ ওইথক কংগদবা কয়ামা নাম্থোকপ্রবনি। অহুবু মীগী শেন্দোন শিংদোক্তুবদি ইথোপাসি থাদোকপা তাই। হন্দকীসি লাইবক য়েংউগে। কুইনা চংকদোবা নত্তেদা।

হুংশিতোম্বী য়াদশিন্ন তুমিন সৈজৈ অহুবু শমিত্তদি ঈন্না চেল্লি। তপনা হংই, "কদায়দনো চত্তোরিসিবো ?"

মরু লুকথহুনা 'ভাইহাক থল্লগা খুমক্ত নপুয়োইবনা কৌক্রলোমদা মথুংনা থিল্লগা—"তো আদগী অরাংবা চীং অসিগী মাংমদা।" অপংবী অঙাংদৌনা থুংনা থিল্লিবা অদোমদা য়েংজৈ অতুগা হায়রকই,

"কৈদোউত্তে হল্লকপা ?"

মথুং থেক্কুনা পারগা খুমলকই,

"মেবা থাদা ! মেরাদা শোইদনা ননাক যৌরকনি ঐ।"

হুংশিতোম্বী মথুং থেক্কুনা পাই। শ্বাই লাউই, থাবুম অতম মথত্তা মচা অপিশক অনীগা করমনা লেনবা। মিপাইববী থম্মোয় চেক্কেং কাথি।

"করে শোইদা ভামদা হনবীরকউ—রাংদি রাংথ্রেদা চীংথককসে, করমনা অসিবু লানগদোবা !"

হেক চংখিবা হুমিত্তগী কৌক্রগী মাংলবা শুকলবা চীঙ্জাওত্তবু য়েংজবনা হুংশিতোম্বীগী অরা পোম্বাতম ওইরক্কখি, মখুং থেক্কুনা হুমিং মশীং থিবনা মাগী মথৌ ওইখি। থরান থা লানখিক্কুনা লাংবন থা চঙলকই, চংশ্রগদবা মতমদ্ কল্লকউদে তপা চংলি হায়দুনা

কাঙ্গ্লৌখি। অতক্ অমম রাইদনা অপোকপু অরোইবা অমাংতবা তাওবগী-দগী হেন্না থোক্লকপা ঙম্মৌইই। অদুবু মহাক্কী হকচাংগী থোঙ থাদুনা।

মাগা লোইনমিন্না থোঙবুদি কুমকই মহাক্না থাওরমখি হায়রবু শরু মচেং ওইনা হল্লকখি, মহাজনগী লেন্দোন লেনকম পুত্নুনা। মুংশিতোম্বী কপখিদে, খোজেল থোরু তেংথাকপ খণ্ডখিদে; মুংগী মূর্ত্তিমক ওইখি। শাগৈঙাই মরুপ মপাংশিংনা চিবোল চিবোন ঙাংলখি ‘করি মতৌনো’ হায়না। মাগী থম্মোইনা ঈকংকান কাখিবদো কনা খঙখি-উখিদে। মুমিত্তুদগী হৌনা মুংশিতোম্বী “করি মতৌনো” অমা ওইখি। কৌত্রুগী অমাংবা চীংলোনাদগী য়েংলগা অমা পোথাভম ফংজখি, মেরা থা থাবুম চুপ্পা মহাক মপান থোকখিদে, মপুরোইবগী খূভম ওইহৌরবা ইথোন্নুং অদুদগী থোক্তৈ অমা লেঙখিদে।

শক্তা, চুদা, চহী মতাংদা মুংশিতোম্বী মীগী মিংয়েং চঙনকম ওইখি, শুকলবা তাইবং উম্নুংদা থেজনখিদবা নত্তে শা-কৈ কয়া অত্তুবু মহাক মমিং পায় পায় কনাসু উখিদে মনা পায় পায় কনাগী য়া তাখিদে। মাগী শিনকম ফিশা লোন্‌শাত্নুনা মমা ওইনতা মপুনসি লেপ্লকই।

—অরাপ্পদা কপলিবী নুপীমচাত্নুগী তেংথাখোল তারুরগা পুম্নমক নীংশিংলকই।

থোঙ-নাদা ঙাত্নুনা মমিত্তগী মপি শিন্নহুনা ঙাইহাক লেপ্লুরগা মাগী কম্মুং তায় লাকলে। মচাসুপীগী নাক্তা কমথরকলে। অরাপ্পদা কপালবী নুপীমচাত্নুগী মিকপ মিয়াওখোল তারয়োই হায়রবা ঙমখিদ্রে,

হেন্না হেন্নহৃম যরেক শেংনা তায়রকলে। কনা ওমলক্লগদুনা লমন্নাইদা হুজং হন্না চংলকলে। মমালী অমাদা তুমখুন তাঙ্গবী মচানা মমাদী ইনিল কংলক্লবা মিকপ থোকখকই, কৌরক্লই মমাবু।

"ইমা! ইমা!"

"ইমা লৈ তৃম্মু ইবেম্মা?"

চঙশিল্লকই—মচাগী নাক্তা।

"কল্লিগীনো মহাকনা ঐবু হন্দোকলমলিবা?"

"ইমা। করিস্থু চত্তে।"

"অদা কপলিখসি তাত্রা ইমা?"

"চাওবী মাল্লি।"

"মানি চাওবীনি।

ইমাই নাক্তা থিনবীয়ু হায়রিবসে।"

"ঊম্ হাররি।"

"মমা শিত্রে হায়বদাই?"

"ঊম অহুম হায়।"

"ঐহাক চৎলুগে ইমা ঐবু উরবদি মহাক কপ্লোই। ঐ থেম্মুগে, ঐবু থিল্লু ইমা।"

"লুমিদাংদা মীগী মযুমদা কমদোনা চৎলুনি? মবোকনা শাওরক্লনি।"

"শাওরোই; ঐবুদি লুনা তৌই। নঙোন্দমু চাওবীনা ইমা কৌবদাইনে। চৎলুসি।"

অঙাংদো হৌগৎলকলে। কি মচা অমা ইমুনা কম্মুংগী কুমথরকলে, মমাগী খুজেং পায়রে, খোঙ তমনা চিংলকলে। মুংশিতোম্বী তৌকয় থঙলক্তে। কপলিবীহ্ অঙাংনি—মমা ওইবীনিং-গীনা মচানি- মচানুপী অতৈপা পাথকনি। ভাংলুরবা মাগী মমিং উবা ওমলকই, তাক্তরবা মনাকোং তাবা ওমলকই।

"করে চৎলুসি, থেম্বীরুসি চাওবীবু ঐখোয় অনী চঙহনা ?"

ঈপোম হৌরবী মেরা থাগী থাবলদা মুংশিতোম্বী মচানুপী পোহনা খোকলকলে। থাবয়া থৎপা ওয়থিদ্রে। কপলিবী চাওবাগী মনাক তায় মমা মচা চৎপ্রে। অশিবগী থা, মেরা থা অচওবগী থা ওইহৌরে। থাবলগী ঈপোম লাংবদা মহাক খর কুইরক্রে মমিত্তগী মপি শিন্থিদ্রে, শুপগী কপলিবী অঙাংহুগী তেংথাখোত্তা মতাখে।

লাইগী য়ারক মীগী য়ারক।

নীংথম থাগী স্থাওনরবা শৈচিন-নোংকাইনা থানা কুপলরা অয়ুক। থৌয়ানী শালোইনা মরক্তদা মচা অপীশক অমা পোয়রক্লা শৈক্কোই ওয়মচোৎরবা ফুথিনি হায়রবগী শুরক হাৎলা চৈঙাক হায়রবা মন্দির অতুদা, য়ালহৌশঙ্গদা অনী য়াই তৈবা লোইক্রগা হক্লিকপা কাওবদা ঐজ্ঞা চাওবা য়াওন মশাং শুরমল্লি। থোঙ্গেল য়াকলগনা হৌরোকই থৌয়াকীনা,

"ঐজ্ঞা, হো ঐজ্জয়, সুমিৎ অা য়োরফাওবা উতুবী শাহ্না কন্মুহা অতুম ওমবলিবু কমদৌসি হায়রগে।"

মং-ওই হা-ওই তাই ঐজ্ঞা চাওবা। শেগায়রবা পোমক্রি মরক অতুলগী মকোক থিত্তং লীংথোয়কই, য়েং থংবা মনানা মোন্দা, ওইথংবনা মথুংনা মেন্, য়েক তব্ধকী অমা ওক্টারবা অশাওবা কৌবহ্ অতুক কাথে; তপ্পা খুমলকই, "কন্নিনোনে ইবেন্মা নংনা নোংঙান-কাক্রিগৈঙসিদা উয়াউ থরাউরিসিবু। নংনা অা য়োরে হায়রিবা সুমিৎকী মঙাল অমত্তস্থ ককলাং অহোবসিদা চঙলক্ত্রি। হকচাং অসে চোকথমন্দুনা তৌবনি।"

কৈজুপ চিংথংলি, থয় চাওরপ য়াওল্লি।

"ঐজ্ঞানা তৌস্নিবসে হাকমল্লবনি। ঐথোয় মী ওইয়রোই-দৌবনি। কৈদোগে লাইগী সেবা অসিতদি মতম চানা হোৎনসিদনা। মী ঐনা অসুপ য়ানীংজবা থৌদৌসিদবু লাইনদি কদাইদগী

য়ারকগে ; ওরাংতা হোঙলকপা ঐঙ্গা মনিহোরমীসি ফুরানে দলায়ে মন্দির-মাণ্ডপ কয়াদা য়েংবা ঙংঅইরে—পাইরকপা নত্তে মদু ! মীনা য়ারবদি লাইনা য়াবনি। ঐখোয়গীদা মিক্কা থিরবা মখোয়গীদা থৈদো, মখোয়গীগী টকংনা শাবা, ঐখোয়গীগী টকংনা শাবা অমাগী অমা—লাইয়ারক নঙলবমি ঐখোয়।"

মনঙন্দগী অভাংদু ভেক ভাক কপ্পা হৌগৎলকই—থৌরাঙীনা মথুংনা লামখত্তুনা পোপ পোপ থাদুনা হুম থেম্মি। মচা থেম্বদা মপা চাশ্নবদা পাম্ম।

ওরাং অহ খুন য়াংমা লাম্মা চত্তুনা মীগী খুৎনেক্তা লৌ খাউবা য'ওকই বামোন চাওবা। মপাবু না থুপলমদাইদা তাকপীরম্মি, "বামোন্না লাঙ্গোন পায়রৈদে, ব মোন্না লৌউকদে।" মহুগী হায়রবদি মহাক বামোন নত্ত্রবনি মহুবু লোংঙি মহাক মইক্লা ভৌরবহু মামা লাংলবা অহুদগী, খুন কৈরোই-লৈকাইদগী। মখোয়না ক্ষুন্নোক-পীববদি মহাক কমদৌনি ! অহুবু নোম্মা নোম্মা পুথবক্পনা মকোঁক্ষল্লবপা মাগী পুনসিগী খেংভংং মতাংনে, শংনোইনা লাইগী য়ারক নঙলবনি হাযবকপতুদা খংশাও শাওনীংলকই। অত্তবু মহাক তুমিন্না তাই ৰা অমত্তা য়াল্লুদে ! মথা অমুক তাথবকই থৌবানীনা—

"মীনা হায খওইদে—হুপাস্থ খেক্কে, কৈনো মত্তা অমনি !"

থেম্মা কেক লেম্মদ অভাংদুগু মমখু খোলবাই।

"অপংবী মন্সি লাইমা পংউবদা—। মীগী ফুরা লান শাম্নবসিবুবা মহাকনা ঐবু হুপা পোক্কে হায়ম্নিবসি ? মসি বামোন্না

শাবা নত্তেনহায়, মীনা কৎপনিনে। ঐ লোইনা খঙইব নি—ঐহ্ন য়েংলিবনি। লাই সেবা তৌবা বামোন ঐগুম্বা অসিনবু ফুরা দজান শাবা মাঙিকলা!"

অঙাংনগা হোঙাইদৌনা কপথংলকপগা ঐজ্ঞানগা ইশাও শাওদনা তপ্না লোইরোই খুমলকপত্তগা শানোই ফং শাওগংলকই, শোম্থাংননা হায়,

"মসিগী সুপাসিদি মমাযসিদা খুজুমাস খোক হেক হৈজিনবু!"

চাওবা তাই হায়রিবত্তু, তপ্না খুমলকই, "মত্তুদি ঐঙোন্দা নত্তে, আদা মন্দিরদা লৈরিবদো অত্তুদা! মানা ফত্তুনা, মচা মন ইগী খনবীদত্তুনা তৌরিবনে ঐখোয়না ৱারিবসে। চৎলু আদ মঙোন্দা!"

শানোইদো খংপ্রেক খংই, চুম্বু চুম্বা খল্লকই। মনীং লাইফমগী হায়রে—মারবাড়ী শেঙ্গাও পায়বা অমনা মমওদা লাইশঙ মন্দির কৎলু হায়রম্মি হায়ত্তুনা কংখিবনি হায়নৈ। মখোয়না নোম্বদৌনা মখোয় মতৈ মনাওসু অত্তুম মনোম্মি। মখোয়গীনা পাকা তৌই হায়বদনি মতৈ মনাও মখোয়গীনা লৈপাকীনি—মার্জনদি অত্তুম মতৌজরিবনি মখোয়সু। মমাং লৈরকী হায়রে ঠিকাদার অমনা থোঙ শাবগী ঠিকা তৌবদা মাগী থোঙ শারিবত্তু ওনবা লোইজ্রিবমখৈ ঈশিং হাইথহনবীগমু হায়বদা কুপা তৌখিথি হায়ত্তুনা ঠিকাদারত্তুনা কৎখিবত্তু মহাকনা চাওবগীদা লাকলবা মতমদনি। মপামলোমদসু থবক তৌবা অচৌবা অমনা ফমথোন কাহনবীয়ু হায়জবদা কাহনখিবদগী কংলম্বনি হায়ত্তুনা ফজরবা মন্দির লৈহৌই। লাইপু বামোন্দু অয়ুক চারগা ভুমিদাং হেল্লি—ওম্না নীংশিংলকই।

"অদুগা নোমদবা নত্তে ঐখোয় ঐজ্ঞ্যান্সু, য়াম্মৌ খজিক খেঙবগী রাদনি। জুরার শান্নদে, মমাম্নবা চহী লেজাগী বামোনশিং মরক্তা থরনা য়ু থকচিল্লগা ঙাওরি ঙাওরি লাই সেবা তৌবদৌনা তৌবসু নত্তে, মন্দির কংলিবশিং অসিদা অদুমনা সেবা তৌবসু ময়াওরি। চিঙ্গাক ফওবা, শাজা য়ুথকপা নত্তে ঐখোয় ঐজ্ঞ্যাদি। মনীংগী অসিদি মন্দির কাওবা লৈকাইনা তৈরে—শিঙ্কানা নোং ঙানকাত্রিত্তেদগী রালহৌশঙ হেক্তা মথল্লি।" খল্লকই শানোই ঙাইহাক্কদা। মচাদুনগা ঙেং ঙাং কপ্পনে ঙরাং মুম্মিদাংনদৌরা অ য়নচেং ফংহৌদদুনা মাই ঐজ্ঞ্যানা লেম্নস্বা চগা-চঙ্ খরা চারগা লোকপগী শদৌ খোংলকপনে শানোই মচীং কাংলকই। মাই ঐজ্ঞ্যাগী ফম্মাংদগী কয় হাইদোক্লুনা চংথি, উথোকতেন্দা খেংলিবা মন্দিরগী শো তাপ লৌই—মন্দির তম্না লাকই।

মন্দিরগী থোঙ তনহাং হাংদোকলুই। অমুক্তসু শকচাননা দর্শন তৌজবাফাও ঙমজখিদবী শানোই রাধা-কৃষ্ণগী যুগোল মূর্তি শংত্রিক য়েংই। অনৌবা নোংগী কুচুবু ঙমজবা, মোমোন নোকপা মায়থোং, কোক্তা চূড়া, খুত্তা বাঁশি, খাংদা সনা ফিগে থোনবা মূর্তি, অছুদগী অমুক নাক্তা থোগল্লিবী শ্রীমতী রাধিকাগী পাল্লবী কুচু, খোইখোইবা মিংচিনা মবুংঙোবু য়েংজবা, ঙন্না ঙন্না য়েংলকই। শানোই মেলুরগা মমিত্তা পিরাং হৌরকই, রাক্লবা খোনকমদা চৈরকই,

"নখোয়বু থৌজালহৈবনি হায়বদার। কয়িগীনো ঐখোয়গী লাইয়বা বামোন ইমুং অসিবুনা অসুপ মুংশিবীত্রিবা? ইক্ত ইয়াং তেকপমথৈ ঐখোয় অনীনা নখোয়গীদমকনি হায়দুনা চেন চোংলিবা,

মুমথোং খুদিং হাঝোই হায়োই চঙ্লা-লুক অমম্বং কংনরা জেংনবা, ঐখোয়গী ইথিবোং থাকপীয়ু-হায়রেনা, নখাগী মন্দির রাজকোশদগী অনিদম্বু মখাক্তো, অদু কাওবা ভমদবা নখোয়বু করি লাইনো! নখোয়গী নত্তিক চারদি মাগনি।"

হায়রমলগা মখুক্তা পাঙ্করকপা রাই তৈক্রবগী খুজুম হায়বা বাগটি অদুদগী খুজু-দু যুগোল মূর্ত্তি অদুদা থংচাই চাইশিন্নরকই। কনাগী মায়থোং, কনাগী কিজোল, সিংহাসন খুজুম ভাক্তা ভাইরে। শানোই মখা পুম্বা চেং খৈবগুম তনীক লনীক মূর্ত্তিদুবু শগৎত্রক লেংলকই! অমুক উতিংবগুম চপ মু-ক্ত মমিৎ অনীমক্তা মপি চক্ষু চজুম শিল্পরকই। তৌভম খঙদনা মিকুপ থরদং লেপ্পমলগা মূর্ত্তি অনীগী মাংদা শাজ্রাং তারে, হিক হৈনা কপলকলে,

"ননাই ঐ লানগ্রে, অপংবী ননাইনি; ননাইবু ভাকপীয়ু ননাইবু থোঞ্জ-নবীয়ু"

বামোন চাওবা মন্দির ভান্না শেগাইবা খুদৈ অদু-ভুং শেং চেন্নরকপদা মাগী চুপীনা কপকম্বদুগা ভান চানরে। কুদংনা য়েংথংলকপদা খুজুম মচুমনা যুগোলমূর্ত্তিদা থৌগলম্বদু উই—সুংশাথীবনা কৈরবা ভমলক্তে; অপংবী সুপীহৃদা করিসুংগী মাগা মপুকনীং কোঙদোকলুবজো থম্নকই, অমুকম্বু নোকনীংলকই, মাটিন্দা মুকম মুক্কম শোল্লকই,

"ননাইশিংদা অচান মীয়ান লাইবা করি থোকলে! মীনা রারক কংলেদো।"

অদুবু মংাকম্বু মমিত্ত ঈরান্ধি মচেল্লি।

ইমুং অমা, চৎনবী অমা।

হুমিদাংছু কনা থেঙনে ঐগাক তুমথরুরে। মং ওই হা খরই·
লাউনবক্রুপমা তাই। মোনদগী কোক কাংখত্তুনা তান্নবদা খুরা
অমুনা মচাহুপা য়াইমা মথং চৈবত্থু তান্নকই, "মতোইনরা বং—।
বং ঐবু খঙত্রিবরা। ঐনা কয়ারক হায়রে ঐগীসিদা লৈরস্থু হায়না।
নমারমু লুথমদা পানব্রা?"

লাউনরিবহু ইমুংদা নত্তে মাঙোল দারী মচিন্দনি, ঐগীদি
হেক লুখুমদা থোকলে। মচানা খুমই, "কদায়দনো পাঞ্জিনা ঐবু
চৎলো হায়রিসিবু? কনাদনো ঐনা লৈরুদৌসিবু?"

"কনানা খঙজনি, নংগী লৈকস্থু ঐনা থিগত্রা? চঙী কুন
হোমবাকাওবা নথিবোং থাকলে, নক্সিজেং থোক্তে। হন্নবা ঐনা
নংবু কয়া কুইনা নথিবোং থাকখিনি। চৎলো হায়রিবসিনি।"

ইন্দোম্ন খাস্বা তাই, "কষ্মিনোমে চাওবী-পা নহাকনা তৌরিসিবো?
ইচা অনী শুরে মহাকনা তান্থোকখিবা, ইচা অকন ইচা য়াইমা অনীগী
মশক রোংকত্তা উগে শংত্রে। য়াইমা-মথং অসিমস্থ চৎলো চৎলো
হায়না পংতানদা তানবসিবু হৌনত্রা? চৎখিস্থু ইবুংঙো।"

"হাই মুপী মংনা থঙবপোৎ নত্তে। ঐনা তৌবদা মুপী
মংনা অওৎ অপা শাস্থ। ঐখোয়ফাও চানীংঙাই লৈত্রে। মনাও
অনী শেমগদৌবা রাংলি, মচন অমা খাজগদৌবা য়াংলি। মাবু

সুম্ন থাকপা কনানা ওমনি? খাৎয়গী মচাগা মান্নবমু নত্তে; হিদাক কাগ্না ওলী চাবা কনানা পুবা ওমপনি? চক্লিবরা নং।"

"পাঙ্গি ঐ চৎকম নৈডে। নত্ত নত্তবা হায়জিনগন্থু। ঐবু ইমুংসিগী মচা নত্রবরা কদায় চৎলু হায়রিবনো?"

"মপা মমানা মচাগী তৌভম থোকপা লোইরে। চহী কুন থাকলকলে। করি অমুক তৌথো হায়রি?"

থোঙ গম লাউনা য়েশিনবা তাই। মুপামচা মথংনা থোঙ থিনবন্থমমু তাই। মুংঙাইত্রন্থুনা ঐহাক তগ্না তগ্না কন্মুংদগী হৌগৎলে। থোঙ হাংদোক্লুনা খুরা অমু-হোয়রোমদা চৎলে। মথংন্থু মাঙ্গোন মগ্নাইদা তুমিন লেপ্লুনা নৈরমই।

ঐনা হংঙি, "করি তৌনরবগে ইবুংঙো?"

"ঐমু খঙদে তাদা পাজিনা ঐবু চৎলো হায়না পংতানদা মতাঙ্গি। কদায়দা চংলু হায়বনো খঙদে। ওসি মঙা তরুকনি শুরকলে অমুমা তাঙ্গকলিবা।"

তাঙ্গি হায়ববুদি ঐমু খঙলবনি। হংদ য়াদগী অহুক হমগুবনি। পূকনীংঙ্গা শাওনীংবমা পোকলকই। মচাবু শা শন উচেক রাগ্নাদৌনা পংতানদা মতানংসিবু করিনো খঙদে। হায়ত্থম হাম্নরগে খঙ্গকলে। থোঙজিনপানদা লেপ্লুনা কৌই ঐনা.

"থোঙ অমুক্তা হাংদোকপীয়ু।"

"কনানো?"

"ঐনে খুরা, অহঙ্গাওনে।"

"করিনো ইবুংঙো খুরা কম্মুং চঙলে, হয়েং নোংজাল্লগা ভাংনরসি।"

"ঐগী লল্লাই রা নত্তে, মুপামচা মথংগী রাংনি।"

"মাগী রা লোইরে। মা চৎপ্রো হায়রবনি খুরানা। তুম্বা খেঙনবনি।"

মথা তাকম খঙদনা লেপ্তুনা লৈ ঐস্থু। কান্নদ্রে হায়রুনা মথংদা ওনশিল্লি,

"ইবুংঙো ইরাম্বগীদা লৈরুরসি অহিং অসিমদি। হৌজিক অখেঙবসিদা কদাইদা চৎলুগবনো।"

মথং রা অমত্তা হায়দনা এগী ইতুং ইল্লকলে। ঐখোয় অনীমক তুংথা মাংথা ঐগীদা লাকমিন্নরে।

"চাক্তি চাররবা নংবো?"

"চাত্রি তাদা। ঐ থবক অমা চৎলুবদগী হৌজিক্ত হল্লকপনি। চাক চাগে তৌবদগী পাজিনা লান হৌরকলিবনি।"

"মরম অমদি লৈরমগমিদা। শেংনা হায়য়ু নংবু গুলী চাবা জিদাক কাপ্পকা তৌত্রমে?"

"কদাইদগী রানোদা তাদা। হায়জিল্লিবনি। পাজিনা চংলো তাল্লকলিবসি গুসি মঙা তরুকনি গুরক্লবনি। চৎকম লৈতবনিনা ঐস্থু অস্থুম লৈরবনি। ঐ ভাব তাদে তাদা।"

"তাদ অহনস্থু রাইমস্থু তাম্মোকখি পাজিনা। জুয়ার্য শাটৈ, মু থকই হাররখি। অচুবদি খঙদে।"

"ঐস্থ খঙ্ঙহৌই তাদ। ঐগোয়গী তাচৌম্ব অমাইসু তাম্বোকখি। জুয়ার শামত্রা য়ু থকপ্রা ঐস্থ খঙদে।"

"হো অহুনা হায়বনি। মরম অমদি লৈরম্বা তাই। নং অঙলী চাদ চাদেকো?"

"কদাইদগী চাগদগেনে তাদা মশকপু খঙদেনে। মরম হায়রবু চহী কুন থিবোং থাকলকলে ইফিজেৎ খোল্লকলে। হৌজিক অমুক থাকপা ঙম্মরোই অসিনি। অসিবু চংনবরনে তাদা?

"ঙযাম্বদি ইপা মশক খঙহৌদে। ঐগী ইমুংগী চংনবী ইরাম্বা খঙলক্তে। অতুবু তাচৌম্ব তাম্বোকখি হায়বনিনা লৈরম্বা য়াই অঙুগুম্বা চংমবী অমসু।"

"অতুদি ঐস্থ চংখিবা তারি—নত্রা ত দা।"

"মহুনা চুমগদৌ মাল্লি খুরাগী রাসিনদি।"

সুপামচাহু মক্ক লুকথতুনা রাখল তৌই। ঐস্থ রাখল তৌই। ঐদি মসিগী চংনবী অসি য়ানীংদে অতুবু ঐবু পোকপা য়াবা অহন অমনা তৌরিবনিনা করি হায়গদৌবনো খঙদে। অঙাং অসিদা ইনশিন্দুনা খংনহনসিরা অমুকস্থ থল্লি, অতুম তৌরুবগা সুমলোম্নবা খংনবদা তারগত্রা, করিনা অঙাংশিগী ঐনা হাক্তৈ হায়বামদি খুরানা খঙহৌরে। অতুগী মথক্তা চিঙাক কত্তবা চাই হায়বগা হায়রি। ঐনা চঙুবহু লাক্লে-খলকই। মানা তাম্বোকখিবা মচানুপা অহন, মচায়াইমা নীংশিংলকই।

মচানুপা অহন ইরোচৌবা ঐঙোন্দগীস্থ হুল্লি কনা য়ামনা। করি বাংহৌগীনো খঙদে নোংমা মপা মচা অম্মাদা লেপ্তুনা কৈরোই

হৈকাই ত্রানা লাওরখি, খংনখি। কুমজি খঙহৌরে থুরাসিনা খুবকাও ওন্থখি, মপা মচা ৱৈনখি থানা তারখি, অতুদগীদ অমুম জকখিদে। মরামনা হায়রৈ, মপানা তাম্হোকখিবনি জুয়ার শাটৈ হায়দুনা। মহাক হৌজিক মোইরাংলোমদা লৈ ; চেংচাক হুবাই ফুংবাইগী অচৌবা কাব্রবার তৌদুনা, ইখোল শংবল লৈদুনা মযুম মকৈ চাওনা শাদুনা খুওয়াইরেমখৈ লৈ হায়। মথংগী তাবাইমাচা নোংমা মুমিদাং অমা খংনরকই খুরাগা। ঐনা চঙ্গুরদা থুরালা হায়খি, "মসিগী অঙাংসি ওন্থোকনা কংথিজবনি। পোং অমত্তা তাদ্রে ইমু সিদা উচি চাক হান্দা। জুয়ার শাটৈ চিঙ্গাক নত্তবা চাই। করম্না মচানো খঙদে। মসি লৈরবদি ঐহাক মুংপা তারে।"

তায়াইমাচু জুযার শাটৈ, মু থকই হায়রৈ। ঐ নক্কি থেঙনদে তিন্নকদবনিনা। অদুবু মপানা হায়রিবনিনা চুম্মগনি খল্লখি। মহাক লাইরিক থরদি তমহৌই। মানা মপাদা খুমখি, "হন্নুবা মু থকই হায়বদি হায়রু, জুযার শাটৈ হায়বদি হায়জিনগনু! নংনা তাচৌ তাম্হোকখিবদো নত্ত মত্তবা হায়জিন্দুনা। ঐদি অতুমনা হায়জিনবা য়ারোই। নংগী যুমসিদা লৈতগা তোকমুও'ই। মণিপুরদা ঐগী লৈকম রাত্তে। নং হয়েং শিবদা পুমদুনা শিজনি, কুলিনা মরাইনা থাংদোকচনি। ঐদি চংলনি, অতুগা শিত্রিদৈলা নথুংনা ইতুনা থনম্মু ইচাশিংসি ঐনা তাম্হোকপনি, ঐগী সেবা তৌদবদা কনামত্তনা আপত্তি তৌবা য়াবোই হায়না। ঐহাক তুম্মিন চংকদোবা নত্তে লৈকাই চৌকিদার অহল লমন তাকলমখিনি। ঐগী ইথক্তা আপত্তি লাক্কবা।"

হায়গুম্লহনা হুমিদাং অহুদা লৈকাইগী চৌকিদার অহল লমন কৌরুই তায়াইমা। কদাইদগীনো পেত্রোমেক্স অমা তমপু পূরকই ময়াম কোইকম কমহুনা য়াকমহ নৈনখি। খূয়ানা হায়খি, 'জুয়ারগা য়ুগদা লুপলবানি মসিগী অঙাংসি অহুনা তাঙ্খোকাদবনি।" তায়াইমানা জুয়ার শায়কম মকম তাকউ হায়খি, চিন্দা পাউদামখি মপা মচা। মমৈদা তায়াইমানা ওমহুনা চে অমা ইহনখি খুয়াদা "ঐনা শিবদা মহাকনা সেবা তৌরদবদা কনানস্থ আপত্তি তৌবা য়ারোই," হায়না। মমা ইন্দোনহু মতমহুদা বৃন্দাবন চংখি অহুনা ইন্দোনগী য়াদি তাহৌদে।

হৌজিক তায়াইমা খোইনা পংলাপ লাপুনা ইংখোল মচা অমা লৈহুনা ময়ুম মকৈ পান্দুনা অহুম হিংলি। নোংমতা মপাগীদা লাক্কে, অনা অয়েক তৌয়বস্থ চঙলক্কে। অহুগা করিগুম্বা উয় খোংনবদা ঐখোয় পাজি কমদৌরি হায়না হংবস্থ য়াওই। মপানা তাঙ্খোকলে হায়বগী মহাক খোইনা য়াবা লৈতে—ময়া লাইরজরবস্থ গপ লৈবা হুপানি, অহুম মরোল্লি হুংঙাইনা।

অহুম নীংশিংলুয়গা য়া অমা হংনীংলক্রহুনা কৌরুবদা মথংদি তুমথখিরমলে? নহা পাখংনি চাকস্থ চাজ্রি হায়খি অহুবু তুমখিরমলে। ঐনা মাগী য়াখলদা তুম্বা য়াহৌজ্রে। মথং মথং পংথনদা থন্দুনা লৈহৌরে। হুনকৌসিগী মথংদা লৈহৌরিবা হুপা অনী অসিমস্থ তাঙ্খোকলকখিগদ্রা, তায়াইমানা হায়বদৌনা হয়েং শিরমদাইদা মচাগুপা অমত্তা লৈঙ্খৌদহুনা অহলশিবু অপুম অশা মরক্তা শিহুনা তোকলদ্রা থঙজ্রে। ইন্দোন হায়রে চহীগা য়েংলবদা অহন ওইশিনবনা হেনজ্রে। [illegible]া মথং মথং কায়নবগী চৈনাখোজয়া থঙজ্রে।

লোংঙাগ্লকপদা ঐদি ওন্না মিকপ থোক্কলে অহুম্ মথমদি, লেং-লাকপোং নত্রি। মুমিং কনা য়াম্ন কারে মহাক্ক হৌগংলকপদা। হেক হৌগংলকপগা ঐনা পুহনা মথোয়গী তাম্ন চৎলে। খুরাম্ন ঈরু মায়থজথোক্লগা তুলসী খুকমলপিম্ন, মচাগা ঐগা তুম্বা মাংথা চঙশিবদা ঐখোয়ম্রোমদা শংত্রিক য়েংই, নাম শোল্লি "হরে কৃষ্ণ, রাধেশ্যাম!" ঐনা হৌদোকপনা করবমাল্লে হায়হনা হৌদোকই, "খুরা মুপামচা মথংসি ওরাংহ্ ঐগীদা লেংকলে, চাকসু চাত্রগাল্লে অঙাংনি চংকম থঙত্রবমাল্লে?"

"ঐগীদি ওরাংনা হায়ত্রেনা অতো। রানখা অমুক হায়নীংঙাই লৈত্রে। মুপামচা ইপানা হাংখিবহ্ শোয়ত্রবনি। নহাক য়ুমসিদা লৈবা মতম হেল্লে। নযাম্বশিংসু অহুম চংখিবহ্নি। চংলো চংলো, মঙ্গল ওইয়ু।"

চুরী তাকমদা লেপই ঐখোয় অনী; খুরা অমু থৌ-রা শংদনা ইমুংদা চঙথি। ঐখোয় অনীমক্ক তানন তুমিন লেপই, য়েংনৈ। মহাক পোল্লি পোল্লি নমিগ্না ঈরা চেল্লি, শম্বোংনা য়েংবা মুংঙাইতে। খুরা থোকলকলে, ঐখোয়না লেপ্পা উবদা শাওরকই— নং মতোইনরা হা!

মপানা শাওনা য়েংলকপহ্দা মহাক অহুম চংগ্রবমাল্লে ঐনা হন্না য়েংথোকলকপদা ওম্মাং মতোন যৌখিবমলে। ঐনা কৌই, "মথং ঙাইখোনে।" খুরানা মরক থংলি, "নহাক্কীদা লৈহনগে হায়রব্রা? খাম্মুহ্। থমন্থ থম্মুহ্ মীনাবোক থক থম্বা হৌনদে।" য়ুমদাংবনা

থৈশ্মীবা মুগ অনিগীনি। লৈপুনা 'শন-শাবা মো' খক' খোঙবনি অতো।"

"করিনো খুরা ইচাবু অন্থুরা— !"

"অতো নং খঙজ্রি খুরাগী রারক, খুরাগী লাইরিক মতমবি। মতম অমদা খঙলক্কনি নং। য়েংউ শুম্মাংদা মচিঙ্গাক তান্নিবা শেন্দাংশিং অসে, পিকলিভৈ মপিনা মচিজাক ইল্লি তায় তান্নহুনা, চাওরকলগা করি তৌই? চিক্কে তাঙ্মৈ, মকোন্দগী তাম্মোকই; ক্লাকন্থ অতুমঙাই শা উচেক পুন্নমকনি।"

"মহুনা শা-ঙাগী শাজংনিদনা খুরা!"

খুরা অমু মোমোন নোকই,

"লাউ কাখৎলকউ, কম্মোলাউ। রাতা মুংঙাই। ঐবুনি নংনা হায়রিবহু, নত্রা? ফৈ। অপংবা রাইখুনা মচাবু কা হেন্না মুংশিবদগী কমদৌই নং খঙত্রা? খঙ-জম্মোই। রাইখু মপা চাজেনবী অমত্তং থিয়ু খঙগনি। অনুম তৌবনি, মপীহুনা মচাশিংহু শুপথা থাদোক্কে মনঙ্গন্দা থোঙত্তুনা থম্মি, মচাশিংহুনা মপিহুগী তোংশা পুন্নমক, শিংলি নাওরী য়াওনা চাথোকই; অহু কাওবা মচাশিংহু থাদোক্কে, মমৈদা মথরাই মাঙহুনা মকু-ঙাক্কা তাহুনা লৈহৌই। কমদৌই অতো?"

"হোই চুম্মগনি খুয়া অহুনু ঐথোয় মীনি, রাইখুমক্তি নত্তে। মীগী চৎনবীদা মচাশিংবু শেম্বী শাবীবা—মী শুইহল্লবা হোৎনবা মপা মমাগী থর্মনি।"

"ঐখী ইমুংগী" নমবী অমত্‌ লৈকে অকোঙা, চিং মুংগী মিরক লৈকাই লেমবা তৌবা, মচা শেকপী মিরা মিংচং অনবা চংনবী অদো খুন্নাদি তৌদে। চংনবী তিন্নদবা ঐখোয় অনী লাই থাজবা অমগা থাজদবা অমগা মরৈ য়েংনবগুম্বনি, লোইবা নাইরোই। খুন্না হায়গে তাও, য়ামনা অরুম্বা য়াদি। মখুম্ব উরে হৌজিক অয়াংবা লমীং লুপলে, অরুম্বা নুং তাউরে, অচুম্বনা কেন্নু অরানবদা কোং কোং. মচন মচেশিংনা মবুং মৌপুম্নাগী মাংদা কনেক লোয়দেম শেং মোজাকুম্নিং অককপী অমগা, মকুং মৌপ্‌ম্না নাচৈ হাত্তবা কিজেং, মচানা মপাবু করিগী পোকপীদ্রি হায়বদা নাচুংন্দ্রে; মী পুম্নক মথোং তেনশিন্দ্রে—"

"করিনোনে খুন্না মীগী মথোং তেন্নে হায়বসিবু—"

"ইহে নংবু ওঝা ওইরি হায়বদাই? থায়নাদি রাইখৈ, রাকোই," মন্নাং ইম্ফাল মোইরাং খোঙনা চংনরম্মি। হৌজিক্তি খোয়াথোংদগী খাইরম্বন কাবদা রিক্সা, ওটোরিক্সা, মিনীবস। সিবু মথোং তেন্নশিন্নকুনা তৌরিবা নত্রাও? অচুনা তাত্ত অতো—লুম্নবা রা মকুনি। য়ুমগোইবীশিনো কৈথেলদা মশা পান্নে, মুপীনা লমীদা মপম থাদোকলে, লৈশাবীনা শাই কত্ত্রগা মৌনা ককনয়ে মপূরোই-বদা মাথী মুপীনা তাদা কৌন্নে, মচা পোকলিবা য়ুম্মাংবা মপানা বার্ত্তন চংলে, শাইজিন্দা ভাকম্নাক থমলে, ভাকবাক্তা তায়ো হাপনদ্রে, লুপানা ভারোয়ে, মুপীনা শোই চান্নে—মসিদবু মপানা মচা য়োকপা য়ারিবা? অচুনা খুন্নানা অনৌবা চংনবী অসি হৌজোকলিবনি। অঙ্গা কাউগনু রাইখুগী রারীদো। হৌজিক রাইখুগী মুনানি, খুন্নাদি

শাইগী চহীদো 'মৌনীংই, মকেম্বকাদা মাঙনীংঙে। নত্রে 'নয়ুম পাজনা নচা পোকলকলগা' খঙগনি।' হৌজিক নংথা রা 'ভাবেবা' নং ভাব ভারোই।"

ঐহাক ভঙক ভঙক য়েংলগা অচুম লৈরে, রা অমত্তা য়াল্লুবা ওমদে। ঐগী ইতৌহুদা মুংশিরুৱত্রা করিনো খুরা অমু মোমোন নোকই অচুমা হায়রকই,

"অত্তো ইশা হায়গে ভাউ। মপাগী খঙদে মমাগী খঙদে মুপামচানা মীগী খুজুম চাত্নুনা হিংবা হৌনদে। শিক্ত শিকলিঙৈ ঐ তাদে মখোয়বু। ঐনা উপাকথোঙগুম ঙাকপাসিনা মখোয় মনম লৈনীংত্রে। নহাক খঙলকনি। হল্লো হল্লো, লাইনা লৈ হায়বগী লাইবা হায়বনি, লাইগী রাবু হায়বা নত্তে। লাইনবু মীওান্দা মখোয়গী রা হায়দোকই হায়ব্রাও!"

ঐহাক চঙকনহুনবা অচুম লাকলে। লৈতোন কবা খুরা অমুগী রাদা য়াল্লুবা ইতিক নত্তে।

হৌথি খঙদনা চংখি মতম। চহী অমী অকম হৌখিবা কম্মিস্থ খঙহৌদে। কুইদে খুরা অমুগী লাল অমুক হৌরকই হন্দকনা মরীত্তবা মচাগী। মহৌশাগুম লাউনরকই "হাই মত্তোইনরা নং অথাইকাও খোকলুপ্নগা লুপা ১০০ ভাইহাক লৈরে ২০০, শেল শারিত্রা ঐসে? নথিবোং গুলী চানবু, হনি খঙনা খঙনা নশাবা হিদাক কাপশিন্নবা করিগী ঐনা লৈশা হনগনি। চৎপীত্রো, নংনা খোকপা তৌরুত্রো। চহী কুন ওয়বনি নহাক।" খোঙ গম ৱৈশিনখি। ইন্দোনদো হৈনরকলত্রা নত্রগা পংশিনগ্রবরা রা মচেং অমত্তা য়াল্লকে

মরীশুবা মচাসুপানা হায়খি, "ঐ চহী মুল তরকপনা। মুখসিদনী তাম্বোকনি হায়বা ঐহাক খত্তই।" ঐবুদি চৎপীরম্বি অনুপা হন্নবা নং কয়া কুইবগে য়েংঙু। গুলী চাবা, হিলোক কায়া ঐগী খৎঙন নং খণ্ডি।"

মন্নগুনুপা অত্তোনবা, থাম্বগীন্নু অত্তোনবা তোমৈনা মরাকক, থামই অহুবু মতিক নত্তে, মপাগী রায়ক মতা অতুদা মথা তাবা ওয়পোৎ নত্তে।

মচা মরী তাম্বোকপ্রবা মতুং অসিদা নোংমা মথং ঐগীদা লাকই মুম্মিদাংদা। চৈরাওবা মুমিংকী মুমিদাংমি, ঐগীনি হায়হুনা মোজাকুরিং অনা পুরকই। মানা হায়—"তাদা ঐগীদমক তাদনা রাখিবহু ঐহাক কাওত্রি। ঐ করিগুম্বা অমত্তং তাদগী তমগে খল্লকপনি। নহানমখৈদি ওম্মুত্রে হন্দক্তি ঐহাক হুকান কিয়োনকম অমদা থবক তৌজরে। ঐগী থাগী তলবত্তগী লৈয়কপনি মসি।"

"নহাক তলবু চায়বা, মুংঙাইরেদা। য়ুমদি কদায়দা লৈরি?"

"মহাজনগীদা অহুম লৈ। চাকম্নু মানা থাকই। কনা কুইনা ঐবু লৌবীয়ু য়াদে অহুবু ঐগী থবক্তু উবদা হৌজিক্তি মাগীদা চান্নবা থম্বীয়ে। মানা মুপী অমম্নু লুহোংবীয়ে।"

"এঃ করেদা অহুনিদনা মুপামচা হায়বদি। পাজিগদি উয়রুরবা?"

"ঐ উয়সিয়া খল্লবনি অহুবু উয়য়রোই তাদা, খোইদৌ শাওগৎননবনি।"

"[illegible] তৌরে [illegible] অহুমা [illegible]।"

"ইনাও [illegible] থোইমে [illegible] ঐহীদা [illegible]। মহাক [illegible] চৎলে। [illegible] ইতে-তাদ।"

"চা কপ অমত্তং থকখো য়ারী শাখিসি ইনাওশা [illegible]।"

"ঐহাক চা থক্তে, কা চাত্রে, চুরুট থক্তে তাদ। ঐবু ইনানা য়োকপা ওখয়োই তাম্থোকখ্রবনি। ঐ মী অমত্তংদি ওইগে নীংলি [illegible]। মরমসু [illegible], মহাজন বাবুনা শাওখ্রনি, মাগী থবক [illegible] হৈরবসু য়াই।"

শাখা [illegible] চৎখি য়াইমা মথং। মথবাইদা অশোকপা অমা [illegible] ঐহাক উহোই।

[illegible] কুইদনা [illegible] অমু অমা শগুম্থি; চহীনা য়ামশিল্লকপগা অহংবা পান্থাগা ওইবগা [illegible] তকশিল্লকখি। মচানুপা [illegible] চহী ১৭ য়োমতা মওাইরি কুন ওাত্রি মতমতু। ঐবু [illegible] চৎখিবদা অহন লমল মশীং ওনা তিল্লমলে। ময়াম [illegible] হায়, "অহল লমন পূম্মক খওবীহো ঐনা ইতুনা থমজরমলবনি। ঐগী ইচানুপা মওানি, মনী অমা তাম্থোকখ্রে। ঐ মখোয়বু পাউচেল্লি অহবু লাক্কে। মখোয়না ঐগী সেবা তৌদবা ঐহাক শাওদে, তৌকমসু থোক্কে, ঐনা ভাকনীংবদি অতোনবা অসিগী য়ানি। ঐগী লৈজবা সম্পত্তিশিং অতোনবা অসিগী ওইগনি। মহাক চহী মপুং [illegible] ঐনা [illegible] তারে। মসিমক্তং ময়াম খওবীহো।"

মহুং নীনি ক্ষোনবদা খুন্না অমু লৈখিদে। মচাশিং ওমা সেবা য়াওরে। কনাহ্ মপাগী সম্পত্তি তাম্লদে, মখোয়না অচৌবা অতুম কংনৈ। পালাদা চঙই শেল থাই. থুকুম থাজংবা য়াওই।

মপানা চেংনা কোল্লম্বা চহী ওহোদবা অঙাং মপাগী মায়ক কংহোদবনবা, খঙমে ইথোল মচেং-মচেং য়োল্লুনা হিংহৌই। মপানা পামখিদবা, জুবার, হিদাক কাপ্পা, গুলী চাবা মানা পাম্না তৌহৌই। খুরানা মমৈদা খঙলকনি হায়বত্রা কম্নিমো খঙদে।

-

মপাম চাক্কৌবা

ঙসি চাওবীগী মপাম চাক্কৌবা হুমিৎনি। মচেম মনেম মমাম্নবীশিংনা পূম্নমোম নোম্দি ইমুংগে। পংনোপ নোম্না ইমুং নত্তে, শাগৈ ঙাইনা পিক্ক থল্লি। মরাক ময়ুং মান্নবা গুম্বাং কজেংবা সাম্মিয়ানগনা লৈতেংই। অম্বাং শঙোয়দা বরগী কমকম কজেংনা শেম শাই। মবুং অনীগা মচেম অমগা মহুমহুগী ইতোন তোনবী চাওবী, মমা মপানা চাওবীতোন কৌজে পুনসি হায়রগনা অতুবু লৈকাইনা চাওবী চাওবী কৌবীবদগী চাওবী হায়বনা চৎখি।

মমা লৈশং কয়া লৈথোই শিংথোইদে, মচেম লুহোংখিবা মতুংদা চাওবীনা পাম্লহনি ইমুংদু। অতোন অতাংগা ওইরে, অঙাং ওইরবস্থু খুংলম থঙনা ইমুংগী থবক কৈগাক কৈনা পুরম্বী মচানুপী কায়নবদা মমাদু হান্নদগী পংশিম্নবগুম তোরে। মপাল্লোনদা চাওবী লাকলে, ম্না লাউনরকপদা হবাও হরাও চেম্থোকচরকই অহবু মপুরোইবনা শাওরপ য়েংলকপদা মাঙোল মচিদা চপ লেপই। মচাগী মশক হেক উরকপদা মপুরোইবগী মিংযেং কাওই।

তোমাল মচানুপীবু উবদা মমিত্তা ঈবা চেল্লি, মচানুপীনা চঙশিল্লক্নুনা মখোল শোক্ক খুকমই। তোমাল মখোল কাইরকই মপি তৈথোকই, মচাবু কোনখৎপী, "ইচা লাক্লেদনা।"

শাগৈ ঙাই মরুপ মপাং ডুং ডুং তিনখৎলকলে। মুনিং কনা য়াম্না কারকলে। চাকখুমগী পুজারীশিং পোখা পোখা চা

খক্কুনা য়ায়ী তুবা 'হৌগৎনয়কলে, অহুবু' য়ৌরক্তি' ঋরিগী 'কাংবু। থুমিং'থ্নুংবা' মতুং পুংখাই, পুংখাইদগী পুং অমা মথং মথং ভাশিল্লকই'। নহা ''পাথং থরিদি মনাক নকপা হোটেলদা চা থকপা থোক্লম্লকপা য়াওরে,'অহলগী কাংবুনা শোরোক্কা বয় ভাইনয়ে, অহবু য়ৌরক্তি।

" " তৌমাল কপ্পা য়াক্লে।। পোইঙ্গুগী মুংশা য়াইনীংবা মচাং অক্লা ছুম্মাং কাক্লকই। মচাশিংনা হংই মঙোন্দা, "কক্লিনো পাক্কা তৌরিসবো?" মাম্ম য়াহংহুমক হংনীংই মখোয়দা, মহাক মশাল। কৈনীং চৎপগা কৈমাং চৎপগা কনানা লুই হ লকপগা চপ মাঈ মঙোন্দা। কক্লম্না লুই মহাক খঙদে। মচাশিংনা হংলকপা অর্থ য়াম্না লৈ। মচাগী চাক্কৌবা অতাবী মুংমত্তা কৌবা নত্তে, যাম্না খল্লগা কৌথিবনি, কৈনীংলা কৈমাংলা খঙদে মা, চত্তবা য়াদবগী মচৎলবনি। লুহোংবগী হাক্তক্তা থোকখিবহু মহাক কাওত্রি—থুমি গুগী অকিবা চৈথেং মহাক শং শং নীংশিংলি, নীংশিংলুরগা মশাহু থক থক নীকই, মকোক ভাওরকই। বরহু লাক্কদবুকরবা, লাকম্ম লাকহন্নীংই, কক্লিম্মুংগী মচান্নুপীবু থাজরুবনো, মহাক তৌভম খঙলক্কে, খন্দ খজিল্লুরগা য়ারৌই মচন ইতোন তোনবীহুবু।

থোদোক্কু গুম্মাং অসিমক্তদনি। নিংথিনা শেম শারবা মাণ্ডপ, অঙোবা ফিজং মায়কৈ মরীদা, মাণ্ডপ মখোঙ থুদিংদা শক্লোম অনৌবগুম লুরবা অশাংবা ইলেকট্রীকী থাউমৈনা পুমঙান ভান, মরুপ মপাং শাগে ভাইনা চোক্লবা মচান্নুপীগী লুহোংবদো নীংশিংগকই—কন্যাদানগী-কমক মাণ্ডবকী ময়োল তুলসীবুঙ মনাক শেংলবা মকমহুদা য়াইরম ইতথোক্কুনা ঘট থাম্নগা ব্রাহ্মন পুরোহিতনা মন্ত্রপাঠ তৌহুনা মহাকনা

কন্যাদান পীনবগী লোম-শাখিবা, বর লেপ্লবগা অহল অমগনা লৈরুনা পুশিল্লকখিবা বর। মুখ্যোংকান্দা বর হেক কংথরকপদা য়েংলম্ঙামিদো চপ মান্ননা কা লাউনা নোকখি, কন্নিগীনো হায়বা মহাক লৌদ্রোহোনে। য়েংশংখিবদা নরহু অমনা ডাক্তগা মমিং মনা চেক্কেং উইশিল্লুরা কমকন্না উথি। বর লেপ্লবনা লোক্লপনা হায়খি, "কন্তাংলি মশা মামনা ডম্মলকহুনা ডাক্তরনে করিনে ওহ্ষোকনা ঋানা য়োঙ্গরকলন্নি। থিন্ন খুংটৈল খুজিমনবা তৌবীগদ্রা ?"

মহাক গুশা থিখি। অঙ্গুপ মুংঙাইরবা ষুমিং অসিদা মহাকনা তারিবতু করিনো মিপাইখি। হৌনবী মন্ত্র যন্ত্র থিবা লোইরহুনা কণ্যা পুখোকসকলে, দোরীনচিংবা পুন্নে, বর-কণ্যা অনীগী পুনশিন্নরবা মখুৰাক অনীদা থাঙ্গংলে কন্বী থল্লবা কণ্যাদানগী গৌনবী পোংসম্, মচান্নুপীবু অরোইবা ওইনা দান তৌরে, দক্ষীনা গাপলে। কয়াদা মুংশিগ্রবা। মগাক মখিত্ত মপি তরং হৌখি, নিঙোল পোকপা ওহ্ষোকই খনখি।

নৈ কোইবা লোইরকলে। মচান্নুপীনা বরগী মকশমদা বরমাল্য হুকলে, বর-কন্যা থাত্রাং কমলে। তরং ঈহৌখিবা পিরাংদো মহাক কিংবা ভমখিদে। বর লেপ্লবনা য়ামনা ধানা কণ্যাগী ওকশমদা বরবু বরমালা হুকতন্নবা তোংগৈ। বরবু পায়হল্লি নৈ-পরেং, লেপ্লবা মাওনা বরগী পুংনা কণ্যাগী হুকশমদা নৈ পরেং হেক কংকপদা কণ্যাগী তম্পাক্তা বর মমায় উপনা হাশিন্নি, মরাম শ্রা লোকই, খ্রিবনা রানা চিংখংলুবদা লুক্কাংবল্লা মনাম্নুমন্তা হৌনা লোক

থেংনরক হল্লোকই। যা য়া নোকনবহ চেক-মোক লাইরিবে, উন-রাইমুক চিকখি। চাক অপুম্বগী মুবমবা ধুপ-দীপকী মুংশিন্নবা মনম হাংখি. মী পুম্বমক নাতোন থেবে।

হল্লোকখিবা অহ কবিনো মহামনা অহুম খণ্ডনে। মরুং অনীমক শাগবনা মৈ হৌথি অহূবু মপাগী যা ঙাইহনা থক-থক নারা থাংখি। মহাক তৌবিবহ করিনো ভাব তাখিদে অহূবু খণ্ডখি মমৈথংদা। মচানুপা অনীনা মচল থিনবা য়াদে থিংগি, অশিঙ্গুবা মচোং মপাক লাইদবা মীদা মচন পীবা য়াদে কল্লা য়ানখি। ভাবুক কায়নখি, কনানা করেম কথাইনৈ, কনানা ওম্বোকপনি হায়না মাগী অরাবা য়াওবীখি। মচাশিংনা কন্না ময়াল্লবদা উমগী তাবগুম পংশিনখি. মচন্নুপী থিরুবদা থিবা খণ্ডখিদে, অমরোমদা বরগী মপা, মমা শাগে ঙাইশিংনা ভক্তা কি য়েত্তুনা মথোঙ পারহনা হায়জখি।

মখোঙ মউ লীংনা শাগংখিবা মাগী পুংঙাইবগী মও মৈচাকথাক ঙাইরে, মশামক মৈকম অহূদা চঙলে। অহূবু মানা থাজখিবা অহ থাল্লোকপা ঙমখিদে। তরেৎ তরা খল্লে। হন্না হন্না তাখি মনাকোংদা কণ্ব মুনিনা মচানুপী শকুন্তলাবু হূযন্তগী মকমদা লুহোংহনা থাজনৈদা হায়খিবা, "নহালমথৈ মগী মপোং অমা শোয়-ঙামখিগদ্রা হায়না ঙাক শেন্নবহ ওসিদি মপু ফংলে। ঐগী অরাবা পুম্বমক কোকলে।" নিঙোল ওইবী লমলানবা মপু অমগীনি। মপুং মরুং ফারকইঙ কয়া য়ান্না মহাকনা ঙাক শেন্নকপা। তোমশাংনরকইঙ মপুং ফারবীসিবু দান তৌফম খণ্ডবদগী ই থুজোক থুজোক থকপগী পাপ ফংলগদ্রা হায়না য়াবক্লপা। দান তৌহনা কংগ্রে অরুজক

মুম্না থডহৌরে। কৎপ্রবা অঁসিবু হৌজিক' করম" হন্দোকপা; ওইখোক্কবনি। মচাশিংদা হায়খি—

'ইচাশা ইপাগী ইরাম্নি মসি পুম্নমক। নচনসে কৎপ্রবনি। কত্তে হন্দোককত্রবনি। মপুরোইবগী নাক্তা চৎপনা তুপীগীদি হৌনবীনি। থিনথিনবা খৌরাং তৌরো।"

মবুং অনীমক নোং—খোঙবত্তম কপখি। মপুক্তা রাম্নৌখি মচনবু, মানা লম শারকপনা থোকখিবনি হায়না। অহুবু মাগী ঈ মথাকনা শাখিবীনি, মবুংগীবু মচম্না মাঙনবা তৌরগত্রা। রাহৌসিনা তপথখি মপান চাক্কৌবা।

নীংশিংনীংত্রবা থোদোক্কু ওসি নৌহৌন নীংশিংলকই তোমাল। তোমাংগী পাল্লবা কুচু উচুক মৈগাকপা মাল্লে। কাখিবা লম্মোযগী মমিনি।

চরাংনরিতৈ বরলোমগী অহল লমন য়ৌরকই। সর লাকলে রা রা লাউনরকই অত্তবু বরদি যাওলক্তে। অহল লমনশিং চঙলক্কুনা খুরুমই তোমালদা, "ননাইত মশা ঙমদত্তুনা লৈহৌরে, য়ারবদি পুগে হোৎনজবনি। রাম্নৌবীবা য়াত্রে। অরেম্বদা পংথেং থেংহুনা তোকলগত্রা—হায়হুনা ননাই ঐখোয হেক্তা য়ৌজরক্রবনি।" পাউথুম পীত্রিতৈ ওমুংদা চঙলকই; লৈমাদা হায় "তুপীমচা চাওবীদো অসিদা অমুক্তা কৌরকউ, রা অমত্তা হল্লে!"

"হঙ্গোইরোইত্রনে মাই পাজিনা তৌরিসিবো?"

"মপা মচা রা ঙাংনবদা করিগী হজোইদৌরিবা? বর শাক্তে, হায়বা তাত্রেদনা নংহু। ইচাগী রা অমত্তং তাগে।"

চংখি লৈম্না মচান্নুপী কৌবা। কা অনীদনি লাপ্নবা, যুগ অমা হৌখিবগুম ওাইন্নকই। পংকুই কুইদে মমা মচা চঙলকই। তোমাল মপুকনীংগী অরাবা লোং, চিনবান য়াম্না মথৈ হয়াও তয়ামনা হংলকই মচাদা,

"ইবেম্মা নবুংঙোন্থবু মশা ওমদে হায়রিসিবু কয়াম কন্ন ওমদবনো ?"

"ওরাংদগী ওমদে হায়ছনা মাইবা ডাক্তর চেম্নে। অসাই অয়ুক্ত হিদাক লৈনি হায়ভনা কৈথেল চংখি। হন্নকপদা অমুক ওমদে হায়না ময়াম চঙছন্না হোৎনৈ। চত্রবদি হৌনদে হায়বগী ওন্থোকনা য়ানা লাক্লবনি পাজি। খরা ওম্না হনংগে।"

"করে করে, খরা ওম্না হনখিনবা তৌ ইগাসিদি। ইপা শেম শানবা হোৎনকগে।"

"কনি পাজি।"

মচানা কুংশুক কুংজাননা থোকখিবতু য়েংহৌই তোমাল, কৈজোম কিজিনা মপি কৈথোকই। নুংশা থিদা থিরকই, মচানা হনখিবসিদা মাম্ন য়াওরুসিন্না অমুক খল্লি, অমুকসু খল্লি নোংশা মথোঙ মরী পানবা হোম্বংদি হায়বদৌনা শোইথ্রবরা মাবু। অনা লাইচেম্নবা মুপা অমদা মচা থাজরুরব্রা নীংওমলক্কে। মতাং চাত্রবদি চেকশিনবা চেকশিন্দবা চপ মথান্নে হায়বা তোমাল কাওই। মচান্নুপীনা মপুরোইবগীদমক মপুকনীং চঙবতু উরগা মুংওাইবা অমদি পোকই। অতুগা মম্মাক মুপাতু লাকপীদ্রুনা চাকলুক নেংপা ওম্না নম্বারোল য়ৌবীরক্কবতু মরাইবক কৈ হায়না অমুকসু খন্নকই।

তোমাল থোম্নাং লোইরুনবা কা অছুদগী চিঙৈ থোকখ্রে।

থিডেম্ভলগী নাশিখোঙলা

নীংথম চাকচামাং হুনিংনা য়ুমজি লাংলকপা রাউরবা লৈচিন মরক। ষ্টেট দরবার লোইশঙগী দরখাস্ত ইকম শঙ। দরখাস্ত ইবা তাঙাং ধন পানামা চিনবান তঙাং তঙাং ইশৈ ঙংনা ঙংনা উপু বাকসি হাংদোকুনা শেম শাই। কম্মিররবা, শিনকম তিন্নবী, মনাও মধুনা লিকোল শান্নবা লাকপা পাথংনা মানদি য়ামনা পামজবী, কমকমদি শংত্রবী ইবেম্মশিংবু য়েংবহু মঙাই, লোম্না হেক হেক য়েংই তাঙাংবু।

"তাঙাং ঐ মাঙলে। মেম্বরশিংনা লংথোকপীরকলে তাঙাংনা ইবা চোংসি, কনানা ইবনো হায়রুন!"

য়াক্লবা খোনকংহু হেক তাবদা তাঙাংগী রাগ কায়খি, নাখাংলা আনোক, মিং ওনখত্তুনা য়েংখংলকই, রাউরবা, শাওবনা মখা মন্নেং চিংলবা, পিগুম পিনা ইগুক গুক মথুত্তা চেঁমা পায়, লেপ্লিবা গুপাহু উবদা তাঙাং খংপ্রেক খংই। অহুবু নোকফেত্ত মতৌই,

"ঐগুম্বনা ইবা চেবু লাকুনা লংথোকলকই—সি নত্রদো? মখজাই অচোনবহু ধনগী থুবাক অচৌবসি চাগে সিনিনে!"

অমুক খংশাও শাওরকই, "মৈতৈ মচাশিংসি মচোং মপাক নাইদবা শাররদনা! থনম্মু চেহু ইবো মকম লৌথোক্কেহাই!"

উংহুনা লেপ্লবা গুপাহুংদগুবৎ শাংনা তাই, "তাঙাং ইবুংঙো মকম লৌথোকপা কোনবীয়ু, ননাই ঐগী সিদা য়াহনবীয়ু।"

"কৈ ইবে', য়েংউ ধন ঐনা তৌবা!"

চৎখি সুপ'ত্ত হয়াউ হয়াউ, খর চনীং তহৌই তাঙাং।

কশ্মিয়বা মনাও মধুনা সুংশা থবেৎ থবেৎ হায়জৈ তাঙাংদা,

"করিনোনে তাঙাং, মীশোক মীহিংবা ওম্বা মেম্বরবু মখজাইদা খুবাকনা থাগে, মকম লৌথোক্কে হায়রিবত্নবো? নিংথৌ মনা কক্লাংদা থেংলি হায়বত্ন তাত্রা তাঙাংবো?"

"থৌ-ন্না শাদ, নোকই তাঙাং "ইবুংঙো নয়াম্বা ঐবু মহুমক হেক হায়রবরা?"

নোক্রেম হায়গ্রেমনবা মতাং চাদে তাঙাং!"

"চুমই অতো, মতাং চাদে। ঐগুম্বনা মখজাইদা ৈখাকনা থাগে হায়রগা থাজরবা, মকম লৌথোক্কে হায়রগা শাওরবা মেম্বর, কৈদগী মেম্বর ওইবা য়াগদগে! থিবোং তাল্লিবা ঐথোয়দি করিনি হায়নি মতাংসিদা? মতাংদি ইচা চানত্রবনি। রাজগন্থ ইনাওসিদি অতুপ পংবা মেম্বব লৈবা হৌনদে।"

তঙক তঙক য়েংই মধু, ইশৈ ওংহৌরি মাগী তাঙাংদি।

মমিং থোক্লিবা য়ারী

মতম্মা খেঙ্খিবগা নোংনগা মীকপ মীয়াউবশুন চুবগা, শিলং কাওবা টেক্সিদা তুজিন্নহুনা লাকপগা, ঐহাক ওহোকনা য়ারমই। মণিপুরদগী লাকপদি ইথখুনি। তোংমিন্নরকপশিং মানা মানা থোকপা চংনপ্রে, ঐস্থ হোটেলদা লৈগে থিরুববু অহাংবা অমত্তা ফংহনহুনা রেড লেণ্ডস তান্না চংলমই। চৌকিদারনি হায়হুনা লৈরম্বা নেপালী পাখং অমা লৈরম্বহুনা অহাংবা কা অমত্তা লৈগে হায়না হায়না ঐনা কম্না হায়জবদগী উচিন নাচিন্ন কা অমথক পীবীরমই।

মতম কুইনা মী লৈনখিদ্রবা কা ওইরমাল্লে থোঙ হাংদোকুনা চঙ্খবদা কোক্কাই শুজা মনম নমলমই। তঙাইফদবদগী অহিংত্থু মত্থুদা লেনবা তারমই। কাহুদা পাল্লিবা ইলেকত্রীক থাওমৈ থানবা য়ারমদে। ময়ম অসিদগী ওইবা তাই চৌকিদারনা মোমবাত্তী মতেক অমথক পীরকপহু। মোমবাতী মত্তেক্তু চুথংলগা ঐনী হিপ্ন-চানবা শেম শারমই; চুরুট মচৈ অমা চম্‌খত্তুনা পোথাগে হায়হুনা ঙাইহাক তিংথোকলমই।

চুম্বিবা নোং হেন্না কনখংলকপগী শউম তারমই, মুংশিংন্ন মাহকৈ শলাই খঙদনা শিংলমই। মোমবাতী মতেক্তু লোইশিনপ্রে, ঐনা থকলম্বা চুরুট তাম্থি ওনপ্রে, কা মক্তুংহু পুমম মমপ্রে। ঐহাক ঙাইহাক উইথরুবশুম তৌরমই, মিং খংপাং পাংলমই—কা অহুদা কনাগুম্বা অমা চংলিবশুম লুয়রবা খোঙথাংদা চংপমা তারমই।

মোইরাংগী কোক থাজত্তুনা তাকপদা খোঙথাং অহু ঐতোক্লোই ঙক্লা চত্থিনরকলমই। ফুরিংখাউডা হাওবা মৈথেং লৌখোক্তুনা থৈংলদা কাদু কৌইদা য়েনুবদা কনা অমত্তা লৈদ উঠুমলে, তাদিবা শউম অহুম তারমলে। য়েন্দা দোং দাং থজিন্দুনা শাংদো তোংলকপগী তৌহিদা অমুকা মী ওয়েং-নিপান নংচুম্ব লাকপদা হামনখিবদগী তারবমাক্লে, অমুক পোখায়গে থন্দুনা তেক হিপথরকপা হাঙ্গী অরুবা খোঙথাংচু অমুকা তারকলমই। হন্দক্তি তু-মান থাউ চুংলমই, কোক-চাওবী কারমই; হৌগংলি থঙদনা হৌগত্তুনা কয়লমই।

তুক্না মরবা পীক্লবা কাহুদা খোঙথাং অহু অসুম অসুম চঙলকলমই ঐতোক্লোম্মদা, মৈথেং তনখেং হেক খেংপদা উন হাইমুক হেক্তা চিকথিরমই। মপান্দগী ফুজিল্লকপা নোংগা লোচনরবা মুংশিংনা মিহুংখোঙগী খোঙনাশিংদা শাফু কল্লা হেক হেক য়ৌশিল্লমই খংপ্রেক খংপ্রেক থংলমই। মৈগী মৈতান হেক মাঙখিবগা খোঙজাওহুগী খোঙথাং দং দং, হকচাং পুম্বা অকা অপুম্বকুম তৌখি; চাওরবা হায়কম খঙত্রবা থুংচাও অমা ঐগী চরমদা পায়রকখি, ফুইরবা গুংশা শরগী শউমনা ঐগী মাথদা—

থুদক্তু মতুংদগা, কয়াম কায়খি খঙত্রে থিংজিন্নবা খোঙজা য়ামনা কল্লা দোং দোং থিন্দুনা মত্রোল খোইতক তৌবা মীকৌ অমা— ইপা ! ইপা !

চরমদা পায়রবা থুংচাও হন্দোকখিবকুম তৌখি; হংনা শাবদৌনা মহুক-ইশান শান্দনা হানা, য়োরমই . খোঙজা, থর, থবেং, থবেং য়েল্লা, য়ামনা হানা, খোঙগী পৌয়োক, শক্তোকলুই। হাং-মাওরদা

[illegible] ঐগী [illegible] মাগী মুখি মুখিবয় টোর্চ-[illegible] [illegible]— [illegible] ঐহাক [illegible] [illegible] [illegible]।

পীক্রবা মৈতাম্বুনা ঐঙোন্দা [illegible] হাপজনই। [illegible]

"ইপা, ওসিতি ঐ নৈকে অসিতা!"

ঐহাক নোকলমই, মতেক মতেক তৌনা খুনাথ ঐনা,

"লাউ, [illegible] — নৈমিন্নসি।"

চপ-চুংলগা লরাইপী শম্ব [illegible] হুশানচ, শম্ব চনাং [illegible] অমুত্তং হোম্বরমই, হিংলিবা মী অমত্তন,

"কদায়দগী লাকপনো?"

"ঐ সিতা লৈবনি।"

"শিল্লংদা?"

"হৌং, ঐস্তু মণিপুরদগীনি।"

"করি তৌরি আসুদদি?"

"সিকাই ওইপা লাকপিবনি।"

"ছুটি চৎকদৌরিব্রা?"

"ছুম চেনপীরকপনি। য়ামনা [illegible]। [illegible]। [illegible] ছুপা চেনপা, চোংপা, [illegible] [illegible], ডিম্বিল [illegible], [illegible] মখোওনা নং কাউপা—[illegible]। তোকপীগে।"

"চেন্নকপা! কারবদি কমদৌনি নং?"

"[illegible] লাকপিপা—নং হায়রকনো। ঐ [illegible]—[illegible]।"

[illegible] শানা শানা কাপী মহুং চঙশিনরকবদা মাগী মুখি মুখিবা টোর্চ লাইট মচাহু কাপ কগু,না মাগী ছিম-টানবা শেম শাজরমই।

ঐহাক্না পাংথোক্লমই। ঐগী মহাক্না থাবীবু য়াইফনা চপ মান্নরবনি। ঐনা হিপক্লম মনাক্তা থাবিকী থোমজিলী হিপকন অমা মহাক কয়িরু থোপাদনা হিপ্পাখিরমই। হয়াঙগী অহাল ঐহাক ইচাও ভাঙরমই অম্বু কাওবা ওন্তমদে চাওরবা থুংলাওদে। অতকপা থোংদো অমনা মহাক হেক য়েংবকপা অতুপ কনা তুংবা নোংতু চপ লেপখিবগুম ভৌরমই, তাইবংপানপুম্বা তম-থাইদুক চিংথিরমই। অরাংবা মরুক মরক্তা হুই থোংবগী মথোংদা নত্তনা নিন থোংবা অমত্তা তাররমদে। শাবান মুষ্ঠি চুম্ববা, মশা মঙ কনবা নহা পাখংতু হেক হিপথখিবগা তুমখিবগুম খর চাওরকলমই, হন্দাক্তে জুম্নবা থোংথাংগী শউম অমুক লাংলকখিরে, ঐথোঙ্গী অনী ওবহুনা ওইরমাক্লে।

খঙহৌদে কমদোথিবনো, তুম্মুরবা পাখংতু হিপলম্বগী অঙাওব-দৌনা ফুক হোৌগৎলক্লপা ঐবু হুপকোন কোল্লমই; ঐহাক খংখ্রেক খংলমই; মহাক মশা পুম্বা চেংথৈবগুম তনীক তনীক খর খবেং খবেং, মথোঙ্জেল ইকাই কাইনা লাউরমই,

"ইস উব্রা নং—ইস।"

"করিনো?"

"শওমতৌনা মুশিন মুপা, মক্রোক-চাওপা।" মজিং মনা চপ মুং মশা থক থক নীক ঐবু চেংজেং কোল্লমই।

"হৌজিক্তা, মানা ঐপু কাপনি নমপানি। মকোঙ্গেল চাওরে মশম ওোয়ে।"

হায়রমলবা, থাবা লাকপা মতমদু মগী হিংচাম্বনা মখি মরেন্দ্রা অমখোম পোমজিন্দুনা অওাওবদৌনা মুক থোক্তুরি,

"মপান্ত্রা, ঐ কি ; মা লাকনি।"

ঐমু খোকচাওবী কায়রমই, চিন-শিন্ন শানা থামই চিনমখৈ অচৌবু পোত্তি লোইশিন্নমই। ঐখোয় অনী মপান হাম্না মৌবা অমবদা কেনা কুইনা ইরখি থোক্তজিন্দা।

মায়োল মৌরবদা ঐখোয় অনীমক মা অমত্তা ভাংবদনা তুমিন তুমিন লেপন্নমই। মাহু ঐমু কিবনা নীকলমই। ঐনা হায়রমই,

"কম থারসিন্না, অসিন্না তুমবা ?"

"ঐ তুমনীংজে, তুংমোই।"

"ঐদি তুমনীংলে, ঐ—"

"হুম তুমকন্থু লাকনি শওম মানপতো!"

খঙহৌদনা হৌরকলমই অমুক নোং-মুংশিং কুকেং কাকেং হুপলমই নোংখাংমু। থিংজিনহৌত্রবা থোঙগী থোঙনানা গম গম লৈশিলমই. কিবগী মথক্তা কিবা হেন্নমই। ঐনা কিনা কিনা থোক্তহু লোনশিনগে হায়হনা খুং হেক থিংজিন্নুবদা কাগী মতুংদা চৌংমার অমা কিন্থবদৌনা নিন-থোংবমা তারমই, থোঙ থিংজিন্নবগী থৌনা লৈরমদে।

"তাবনা নহাক হৌজিনাহ্র ?"

"উম যুর ভেকপানী।"

"কা অসিগী মতুংদনি।"

"হা—!"

ঐবু [illegible] অদুক [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] ঐখোয় অনীমক পোথাকম খঙদনা [illegible] তাইরমই।

নোং ঙানখুং ঙানখুং ভৌরকপা তু উরকপা তাঙ্গাদা পাখংহু চৎলগে তাকলমলগা মথন্তা চংখিরমই। ঐহাক আকিসকী থবক অমগী লাকপনি, নোংমা নীনি লেপ্পনবা হোটেল অমা থিরুবা য়াদে খয় খয় তমথীরবা কা অদুদা ঐবু করিগী থাজিনবনো হায়বগী শাওনীংবমা পোকলহুনা চৌকিদারহু অমুক্তংদি য়া ভাংনগে খঙ্গমই, মাগী মনাক তাপ্পা খুদক্তুমক্তদা চংলমই। মহাক চৌগংলমত্রি, মাগী কনা ওইরিগদনো খঙদে লীতক উরবী, মশক মতৌ ফজরবী তুপী অমা মাগী ইমুংদগী থোকলকলমই। ঐনা তুপীহুদা মাগী না হংবহু তারবমাপ্পে চৌকিদারনা মাগী কম্মুংদগী অহুমনা হায়রকলমই,

"অহিংসিমক্তংদি নিংথিনা তুম্বা কংই বাবু, অঙ্গুনা য়াহৌ থেঙপ্রবনি। ভাড়া পীজবহু য়ারে। অকবা কা অমত্তা লৈতহুনা তৌবনি। য়ারোবীগনু বাবু" ভাড়াগী য়াদি ঐদি কাউবু কাউথোকলুরবনি। ঐনা হায়রমই,

"করিগী ভাড়া লৌরোইদৌরিবা? অহুদি লাইরি চৌকিদার, মহাক কা অদুদা ভুত অমা লৈ হায়বসি থঙজ্রা?"

"ভুত! কা অদুদহু; মসিগী ইথোয়মুং অসি কুহুনবা তাইরবা খঙদে।"

নাক্তা লৈরিবী তুপীহুনা থীনা চৈরমই তুপাহুনা কায়নবা অঙাংগী বা হৌদোকলকলে হাংহুনা। চৌকিদারনা তনঙক [illegible],

[illegible] [illegible] [illegible] ঐবু [illegible] ঐহাক অহুপ রাজয়মলোই। [illegible] [illegible] [illegible]!"

মুপীছু মখা অমুক তারকখিদে, হুং লৈথোক্তুনা চংখিরমই। কৌকিদার চিংউ কম্‌ দেগী কুমথরকুনা মুপীহুনা হৌগৎলবা কয়া লৈফুছল্গী মন্নুক্তা কমলে। মুমিদাংজদি মাগী মশক অহুপ শেংনা উরমদে, অভানবহুদা মায়গা ম্যারগা ওনশিল্লরবদা মহাক মতম কনা মঙোং-কারকলিবা মশক মডৌ কজরবা পাথং অমা ওইরমলে। মানা হায়রমই,

"বাবু কা [illegible]দা করম করম তৌখিবগে হায়বা ঐঙোন্দা অমুক্তা [illegible]!'

মহাকনা য়ামনা থঙনাংনা হংলকপহু তারগা ওকস্থ ওকলমই, শাকস্থ শাওনাংলমই। ঐনা শংক্রিক য়েংলুবদা মহাক মমায় পুবা [illegible] মক লুকখিরমই। মানা য়ামনা থঙনাংখহু উবদা ঐগী শাওনাংবা খরা করমই, অকিবগী মশক কংলবা য়ায়ীহু অমত্তা চিথদনা মডোন্দা লীরমই। য়ায়ীহু তারগা মমিং মমা তথক তথক হেক হেক য়েংথংলমই, করি করিগুমদা ময়া চিকশিল্লমই, মহাকনা হায়রমই-

"ঐবু য়ারোখীগনু বাবু। অসুমনা ভুত [illegible] হায়না [illegible] [illegible] [illegible] ঐদি [illegible] য়েজনজি। ভুত অহু ঐগী [illegible] থোকপা অমগীমি, হৌজিকী মুপীহুনা—"

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]মই।

ঐনা [illegible].

"তুশীদু লৈরিনি হায়রকা"

ঐবু হায়রক্নে য়েংলম্লগা

"খুরাহ্না লৌরম্বা।"

"অদুগা কৈদোঙ্গৈদা ?"

ওকশিল্লমই ঐনা।

"ঐহাক—নেপালদগীনি, কাঠমাণ্ডু মফমদগীনি। মীশি লৌশিনবক পুম্না ইমা লুপ্তাবীদু থাকচবনি। মোংখা, নোংজু মফমদা খুরা অসিনা চিঠি অমা থারকখি। মহাক য়ামনা নক্লবা মরী লৈবগী চুম্বগী খুরা কৌবনি কৈরোই লৈকাইগী ওইবগী। নোংজু মতমদা নেপালদা য়ামনা খুদোং চাদে, লম্বী শেম্বগী থবক লৈরবা অতোপ্পা থবক অমা লৈতে। মতুংদু কংবা য়ামনা য়াই খাঙদ পুমনমক চঙহনা তাম্লবদগী। ঙসদোবা মীনা য়ামনথিবনা অজাবা খুংগংনা পীরে। খুখাং চাবী য়াম্না লৈ। অসিগুম্বা খুদোং চাদবা তাঙা অসিদা শিল্লংদা অচৌবা হোটেল অমদা থবক লৈরে, ঐবু য়ুমদগী খুনমক লাকপা হায়না কৌবীরমই। ইমাগী তাম্লবা চংলুচো হায়না তাকপীরমই। ঐসু থবক তৌরগা ইমাগী চানা-থক্লবা লাইনা তামবা ঙমলনি নীংঙ্গম্না চেল্লককলমই মাপী মনাঙদা। অদুগী—"

"অদুগা কমি তৌরবা ?"

মহাক কনা মুইনা মথা তারকখিরে। 'মাপী মিথমে অমরোকপা লৈমোকখিবগুম তৌরমই। কম্না কেথোকখিবনা তুশীদু ঐনী চুম্না লৌরুবা লৈরমদে।' মথুঙা মশিং কুং কুং কাবনা; কেথৌগী অমা পারমই। মপুং, মায়কদা 'লৌকপি' 'খিজাবা-বানী ...। ...'

হৈরগা ঐখোযনীগী। মাংদা থমলমই, চুরুট উপু অমম্তু মাক্তা লৈবা ক্যান অমদা থমলমই। মানা হায়রমই,

"ঐহাক কযলা পেকপা যাওকখিগে বাবুগী চানা-থক্নবা ঐনা হায়রমলবনি। খানসাত্নু কৌরগা হেক হায়খো !"

পাংখুম অমুক ভাইবমদনা মহাক লৈথোক্নুনা চৎখিরমই, পাখংত্নুনা মমিৎ কুপ্তুনা মুপীংগী তুংয়ান তাবত্নু চাগদোংগুম যেংহৌরমই, কনা য়ামনা তামথ্রবা কাওবা। যেংনা যেংনা মহাক নোকমি নোকমি তৌরমই, ঐনা য়েংথোকউবদা মুপীত্নুনা অরাপ্পদগী মথুং হাইরকপত্নু উরমই।

"অওকপনি মুপী !"

মথন্তা শোঞ্জখি পাখংত্নু। ঐহাক মাবু শংত্রিক যেংলমই, রাদি অমত্তা হাযরমদে।

"অসিনি বাবু" হায়রগা অমুকম্তু য়েংথোকলুই। মথা অমুক তাব্রকলমই,

"ঐনা হোবে হোবে চেল্লক্নুনা মাগী মনাক য়ৌরক্নবদা খুরাদো মশা ভমদনা লৈরমলে। মহাক চথোক খোক্তোকপা ভংলমদ্রে। মহাকনা হায়বা থবক্নুগীনি হায়ত্নুনা খুরাত্নুনা মুপীসিদা শিন্নত্নুনা ঐখোয় অনী হোটেল অমদগী অংদা কোইচৎ চৎমিন্নরমই। উচিন নাচিল্লা চাইনীজ রেষ্টোরা অমদা বিয়ারারগী থবক অমা ঐহাক ফংলমই। চাবা থাকই ইকিজেংৎ খোল্লি, পুং কুনমরীগী থবকনি। তলব মতিকচানা পী। য়ুমদা ইমাগী থারগা লম্মাই থরম্তু তুংশিল্লমই। খুরাত্নুগী মনাক্তা নোংমাইজিং খুদিং মাগী সেবা তৌই, ডাক্তর কৌই,

অনা লাইস্নেংনবম্বী ঐনা পৈশা হেক হেক পী। অতানবদা রেষ্টোরাদা ঐগী লৈকম পীরমই, মমৈদা লম্বাই স্নমদা লৈয়ু হায়রকলবদা ঐহাক খুরাগীসিদা লৈরমই।"

"মকম অসিমক্তদরা ?"

"উম মহাক মসিদা চৌকিদার ওইরমই।"

রারীহু মখা তানীংবনা ঙাইওমখিদে। মহাক চাহু তপনা তপনা থক্তুনা মতম লৌরমই। ঐস্নু চাহু থকলমই, ঐহ ক চিন শেংত্রি হায়রা ক্ষাওবা কাওথোকলমই।

"ঐনা মাগীদা লৈরবা মতমদা মাগীদমক ঐহাক নিংথিনা সেবা তৌবা ঙমলমই। অহিং তুমদনা য়ামনা রানা মাগী সেবা তৌরমই, পৈশা য়ামনা চঙনা মাগীদমক হিদাক লাস্থক চানা থক্রবা ঐনা লাংলমই। ঈশ্বরগী থৌজান্দগী তিংলক্লনি থাজরমদ্রবা মহাক্কী মপুকনীং চাওথৎলবখি। ঐগী সেবাদা মহাক পেনখি। নোংমা ঐখোয় অনীতা ঙাইরবা মতমদা মহাকনা হায়খি, নহাকনা ঐগীদমক রারিবা, থরচ লৌবিবা অসে অপোকপা ইচামক্লস্নু তৌগনি থাজদে। মসিগী লমন করিনা শিঙ্গনি! ঐদি অচনস্নু ঙম্ভরে, ইরনস্নু লৈতে- নংগী পৈশাস্নু য়ামনা তোনশিল্লে হায়বা ঐহাক খঙই অদুবু ঐনা লুনা থমজবা পোৎ অমদি লৈ, অসিমঙাইরে ঐনা পীগদৌবা। ঐনা শিগদৌবা লৈরবস্নু শিত্রিভৈদা মসি শোইদনা পীরমগনি নঙোন্দা ; ইশা কল্লকলবস্নু মসি ঐনা শোই দনা পীগনি ঐ মীগী লমন তোম্নীংদে। মসি নহাক শোইদনা লৌগদৌবনি।

হায়রু মহাক লৌগত্রা ? ঐনা খুমলমই, "করিগী লমন তোমগ-লৌথিবা, নংনা শেম্বীবনি, নংনা কৌরকপদগী ঐগাক তলব চাকা থবক অমা কংলম্বিবনি।"

"করম্বা পোৎনি হায়বগে ? নংদি করি খুমখি ?"

"করি হায়নি ! মাদি পীরগে লেপলবমাল্লে, লৌগত্রা পৌরোইত্রা অসিতা মতংখি। ঐনা করিস্তু খলহৌদনা মাগী মনীং থুংনবা খুমদোকখি 'শেগাইরবা কিনল ওইরবস্তু খুরানবু পীরবদি শোইদনা লৌগনি। কারমন্ত্রা চিংনবীগনু।' মহুদা মহাক মপি ঈরা চেম্ব ঐবু মুন্না য়েংলমই। ঐস্তু মহাকনা করি হায়রকপগে হায়বহু তাইরমই। মহাকনা করি হায়খি, অঙকপা রানি "

"হায়রু তাং, ঐস্তু তানীংই।"

"ওঙোকপা রানিদা বাবু, মাগী মুপী ঐঙোন্দা পীগনি অসিনি।"

"ও, হৌজক্কী মুপীত্তু !"

"মানি বাবু।'

"ও। য়ামনা মুংশিবা রানি।"

"করমনা ?"

"মাঙ্গা হেক হুকপাম্নরিবী মুপীবু মুপা অমদা পীথোকপা হায়বসি য়ামনা শুংশিবা রা নত্রা ?"

"হোয়, ঐস্তু অহুমনা থাজরমই। অবু মপিগী তুংদা করি ওইরকখিবগে হায়বহু তারবদি অকিবগী মশকনি। মুমিত্তু দদি রা অসি হাযনরগা অহুম তোক্নরমই। মিগী মতুংদগীদি মাস্তু শা থরা কাংলকলে। শোয়োক মপান্দা চোটেল মচা অমা কম্বা হৌরে।

ঐতেঙ্গদগী পুবা পৈশানা ফম্বা হোটেল্লি। মাগী মুপীসিনম্বু ঐতোন্দগী তোপ্পা পৈশা হেক হেক পূরমই, ঐনম্বু পী। মহাকনা হায়খিবা রাহু তারক্বগী ইখঙ খঙহৌদনা মুপী অসিদা ঐগী পুকনীং চঙবা হৌখি; মাবু শ্লেংনীংবা, মাগা নকনীংবামা পোকখিরমই; মুপীসিনম্বু মচুদা হয়াওনা য়ারমই। ঐখোয় অনীগীতা ওইবা সসার অমা শাগৎমিল্লরমই — য়ামনা লোল্লা। অমরোমদা খুৱানা নোংমচুদা হায়খিবা রাহুদগী হেন্না মথা অমুক তারকলমদে। মসিগীদমক ঐহাক মুংঙাইতবমা পোকলমই। ওন্তোকপনি, ইমানা ঐগীনি হায়দুনা মমৌ থিগদৌবগী তৌগৌবনি! খুরানা মানা হায়খিবা রাহু ঙাকপগী মঙতা মাপী মিংয়েং নাশ্রেং হোংলমই; ঐবু উরগা তুকচচবগুম তৌবমই। মাগী মনাক্তা লৈরিবা ঐবু লৈকম অমা থিয় চায়খি। ঐহাক পুমঙক ঙকলমই। ঙক্তনা হায়জিল্লকলবদা ঐহাক পুলিস বজারদা কা মচা অমা রাইদুনা হোংদোকলমই। ঐনা মুম হোংদোকলবা মতুং থা অমরোম লৈরগা ইমা মশা ওনম্রে পৈশা য়ামনা চিল্লে, ইশা লাক্তবম্বু পৈশা থরা য়ামনা থারকউ হায়না চিঠি অমা য়ুমদগী থারকলমই। ঐগী খুত্তা পৈশা অমত্তা লৈরমদে; ঐনা খুরাক্তা পাউ অস হন্দোকনা ঐগী পৈশা থরা শিংদোকনবা হায়রুবদা মখুত্তা পৈশা অমত্তা লৈতে, কারবারদা মাঙখ্রে হায়দোকলে। মুমিতুদা মাগা ঐগা অচকপা কংনা খংনরমই। ওহ্যোকপনি বাবু ইমাগীদমক পৈশা থিবা হোৎনবদা ঐহাক ঙাওরমই অহুবু কনা অমত্তদগী মতেং ফংলমদে। মুমিৎ তরেৎনিরোম লৈরগা নোংমা মুমিদাং অমা মাগী মুপী ঐগীদা লাকলমই, ইমাগীদমকনি হায়দুনা

লুপা চাম্বখক ঐঙোন্দা পীরমই। মানা হায়খি, 'নহাক য়ামনা রারমলগনি, ঐহাক নংগী মতেং পাংনবা পৈশা থিবনি। নংগী পৈশাসু য়ামনা তোল্লি অতুবু শিংদোকপা ঙমদ্রে। নংগী খুরাসি ছিংচাবনি পৈশা পুন্নমক মানা লোইশিনখিবনি। কদায়দা থম্বনো খঙদে। মসি ইমাগী থাবদা মতেং ওইনৌ।' ঐহাক করিনা মাগী লমন শীংগদবনো খঙলমদে। ঐনা হায়রমই, 'য়ামনা লুংঙাইব্রে ইন্দোন, ঐহাক নংগী লমন তোল্লে মসিগীদমক ঐবু করি তৌ হায়বগে, হায়য়ু ইন্দোন!' ঐনা রাসি হায়রুবদা মহাকনা করি খুমলকখি তানীংব্রা বাবু?"

"য়ামনা লুংঙাইবা রা ওইরমগদোবা মাল্লি হায়য়ু ভাস!"

"রা অসি লুংঙাইবা রানি হায়গদ্রা অরাবনি হায়গদ্রা খঙদে। মহাকনা হায়খি, 'নহাক ঙমগদ্রা?' ঙমগনি শোইদনা ঙমগনি' ঐনা খুমখি। 'অতুদি হায়রগে, নংগী খুরাসিনা নঙোন্দা পোৎশক অমা পীগনি হায়বতু নহাক নীংশিংলিব্রা?' ঐহাক খাই লাউরমই; 'নংদি করম খঙ্গ বিব্রা?' ঐনা হংলমই। 'অঙাওবা, নখোয়না রারী শাররিঙৈতুদা ঐহাক শক্তি শাতুনা লৈরমই। শিবনাথ, ঐহাক ইশম লৈশাররিঙৈদা মহাকনা লোনম তৌতুনা নেপালদগী লাকপা অকবা পাথং অমা লৈগৌই, মঙোন্দা লুহোংবীগনি হায়তুনা অহল লমন্দগী পৈশা কাও চৌতুনা মকমসিদা পুবীরকপনি"। মকমসিদা লাক্লগা মহাকনা ঐবু মীনাইগুমনা শিজিন্নরমই, মাগী মফি এরোল গুবা, লুখাক শেংবা, ঐবু মীগী থবক তৌহল্লগা মহাকনা তলব লৌবা, ঐবু অসুমনা থমখি। হায়রুরগা

ঐগী লুহোংনবগী পৈশা তাল্লিবনি হায়রমই। মথোংকারকপা পাখং ক্ষামা ঐগীদমকনি হায়দুনা পুরকলমই, অদুবু পুন্নমক্তু মঙনি হায়বা ঐহাক খঙলকলমই। মুপী ওইবী ওল্হোকনসু তোনগ্রে। ঐহাক ইথত্তা করমনা য়ুমদা হল্লুগনি। ঐবু থিবিরকদ্রা খল্লমই, থিরকলমদে; থিরকলবসু ঐগা করমনা থেঙনগনি. মহাকনা কৈদৌঙৈদসু ঐগী অশেংবা লৈঙ্কম তাকলমলোই। মহাকনা নঙোন্দা হায়খিবদু তারগা ঐহাক য়ামনা নোকনীংলমই। নোকনীদ্রা নংসু? মহাকনা ঐবু নমছুনা মাগী মুপী ওইহল্লমই, ঐগী মতিকচাবা বর মহাকনা ওইরমই। ঐগী প্লকনীং ঙসি ক্ষাওবা মাগী মথা পোনদ্রি, মাগী ওইদ্রি। নহাক মুপানি. মহাকনা মাগী মুপী ওইহল্লবী ঐবু নঙোন্দা পীগনি ম্নাশকখ্রবনি, নহাকসু হায়খিবদাই শেগ্নাইরবা কিমন ওইরবসু নংনবু পীরবদি লৌগনি হায়না? ঐহাক নংগী রাহু তারগা নোকইদি হায়রবু নংনা করিগুম্বা রাকম অদু তাররকদ্রা হায়না পোখাকম অমদি ক্ষংসমই। অসিনি শিবনাথ ঐগী আশা; অদুবু মসি নহাক ঙমগনি হায়বা ঐহাক থাজদে।"

"নহাক্তি করি খুনখি?"

"ঐহাক পুমঙাও ঙাওরমই রাসি তাবদা। মহাক মথোং কারকলিবীনি বাবু। নীংবা কায়বনা লাংশিল্লবী মাগী মায়থোংদু উরুরগা ইমানা কপ্পুনা তমখিবা ইন্দোন অমগী রারী নীংশিংলমই। ঐহাক মঙোন্দা ভৌথিবা নমথাক অদুগী লমন খুমনীংলমই। অদুবু পাউখুমদুমক্তি হায়দোকলমদে, অহানবদা ইমাগী শেল থাখিগে অদুগা

করি 'তৌদিগে তাম্নসি হায়নতা মথুমলমই। মহাক করিমক্তা য়াম্নকখিদে অতুবু মমিত্তা ঈম্না চেল্লিবহ্ ঐহাক উরমই। ঐনা হংলমই, মহাকনা হাম্নখিবা রাহু পাংথোক্লবা হায়রুবদা মহাকনা য়ারক্লবদি নহ ক করি তৌবা ওমগনি? ঐগী রাহু তারগা থেঙলবা অহংহুদা মহাক শিথবমখৈ নোকলমই, মহাকনা হায়খি, 'ঐহাক থঙই শিবনাথ নংনা ঐবু পামলোই, ঐসে কিমন্নি; পীরক্কলবস্থু লৌনীংলোই, তারম্মবস্থু খুন্নীংলোই, অতুবু মথম্নাই পান্দবা কিমন্দি নত্তে ঐহাক। মাগী মথা পোনম্রিবী ঐগী থম্মোয় হৌজিকস্থু লৈবি ংনৌ তনৌ। নীংতম্বা থম্মোয় অসিনা নহাকপু উবা মুমিত্তগী নংগী নথা পোন্নীংবগী মৈশা লাংথ্রবনি, মঙনি হায়বা থঙনা থঙনা, মঙ ওইরবস্থু মুংঙাইবা মঙ ওইরবদি মুংঙাই শিবনাথ। ঐগী মঙ অসি মঙলকপা কুইরে হায়বা নহাকস্থু মথঙলিগনি, নত্রা? অসিগুম্বা মঙনা তাইথং কাওরক্কনি হাযরবদা করিনো ঐনা তৌবা ওমলোইদৌবা?' অচুম্বনি বাবু মানা হায়রিবহ্। অতুবু পুকনীংদা তুজুংবমা হেক হেক পোকপদগী অস্থুপ কুইবসি মহাকপু কোটরুপ চারমই, মুমিং অতুদা চিংনবা পুমনমক কোকখিরমই। থেঙলবা অহিংহুদা ঐনা মাবু চেজেৎ কোল্লমই, ঐহাক মাগীনি হাম্নবসি শেংমা তাকলমই।"

"শিবনাথ মপা করম তৌগ্রবা হায়রকউ।"

"ঐগী ইমিং কবুমম্না থঙলিবা?"

"নহাকনা হৌজিক্তা কয়ারক হম্না হায়গ্রিবহ্দি নংগী রারীদা?"

মহাক থঙলবমাক্লে ইশি শিনা নোকলমই।

"অঙৌবগীদি বাবু অহিং অদু কনা খেঙলবাক্লাও মহাক ঐগীদা অদুম লৈরে। মথন্তা হনখ্রো হায়গদৌবস্থু লুংঙাইদ্রে। থিনবীরুখে হায়দুনা কি-ব্রোক সোংলিতৈমক্কদা ঐগী খুবাক্তু য়োৎরকলে। মহাক ইচম চমনা লাকলমদে। থোঙ দং দং থিন্দুনা লুপীত্তবু ওক্কবী হায়না চৈরকলমই, ঐবুস্থ ককবা রা মথৈ পন্দুনা চৈরমই। ঐনা থোঙ হাংদোকলুবদা মহাকনা তৌবমলিবা তমাসা, মখুক্তা পাংরম্বা খুগ্রী, ঐহাক উরমই। চঙশিল্লকুনা লুপীদুগী মশম পযদুনা চিঙ্গে তৌবদা লুপীদুনা মাগী মখূং কস্থংলমই। ঐনা হায়রমই, 'খুরা লুপীদা অদুম তৌবা হৌনদে! মহাকনদি ঐগী পৈশা হাংলি, লুপীসনদি ঐঙোন্দগী পুখিবা পৈশা শিংলরি। মহাক নংগীদা লৈ হায়বা ঐহাক খঙই, নিংথিনা থেম নৌহুনা পুখিবা য়ানি মহাকনা যাদ্রবদি মদুস্থ তৌরদে।' মহাকনা শাওনা ওনশিল্লকলমই, 'ঐগী লুপী পুবদা কনানা থিংগদৌরিবা? খুগ্রীসি চানীংদ্রবদি নহাক রা ভাংলকনু।' ঐনা হায়, 'খুরা মদুগী মতম নত্রে, ঐস্থু নংগুমনা খুগ্রী শিজিন্নবা হৈবা মীনি। নহাকনা লুপীসিদা মীনমথিবা পুমনমক্কু য়ারগ্নোই। অদুনা মঙোন্দা হায়জবা তাই। নত্রবদি নহাক নংনা তৌথিবা নরালগীদমক দণ্ডি শোইদনা কংগনি। ঐনা লুপীসি ময়ুমদা থিল্লুগদৌরি।' মহাক লুপীদুগী মশম পাযরম্বদু থাদোকলমই, ঐবু শংত্রিক য়েংলমই। লুপীদুনা চৈরকলমই, 'নহাক ঐগী কমাস্থু নত্তে শিবনাথতা নারী পুমনমক লীথোকলবনি। হয়েং নোংঙাল্লগা ঐগী শেংন চানবা পুমনমক লৌরগনি, মথক্তা লালিন তৌগনি ঐগী পুনসি মাঙহনবগী চপ চাবা দণ্ডি পীহনগনি।' মহাক অঙাঙ-বদোনা চপ লেপলমই। রা অমত্তা হায়রমদনা য়ুমদুগী চংখিরমই।

মুপীতুনা ঐগী নাক্তা অহিংদু লেপ্লমই। ঐনা অহিংচুপ্পা মাবু শংলমই। অদুবু মহাক অমুক হল্লকখিদ্রে। নোংঙাল্লগা ঐহাক ইমাগী পৈশা থারুগে চংলমই। হল্লকপদা মুপীদু লৈরমদ্রে। মুংশা থিদুনা খুরাগী তাল্লা অমুক চংলমই। অদুবু খুর দু অগিং অদুমক্তদা শিরমলে হায়দুনা লাংনদুনা লৈরমলে।"

"কমদৌনা শিরম্মলিবা?"

"মথন্তা শিজবনি, মাগী কা মনুংদা থৌরী য়ান্দুনা মথন্তা শিজরম্বনি।"

"মাগী কা হায়বদি—?"

"বাবুনা লৈরুবা কা। অদুননি ঐনা ঐবু ৱারৌবীগনু হায়খ্রিবা। কাগা লৈতবগা, কাদুদা লৈবাশংনা বাবুনা হায়বগুম চেক হেক হায়রবদুগা অচুম্বরা য়েংনীংদুনা ঐনা বাবুদা কা অদু পীজখিবনি। ঐনা লৈবদদি কা অদুদা অদুমনা থক ভৌথিদে।"

"চৌজিক্কি অচুম্বদু খঙলে, মতুংদা কা অদুদা অতোপ্পা মী অমত্তা থাজিল্লগনু। নংগী ৱারীসি তাবদা নংগী মুপীসিবু ঐহাক থাগৎনীংই, মগাক মথৌনা লৈবীনি।"

"অচুম্বনি বাবু। ঐনা মুংঙাইহৌদবা অমদি ঐগী ইমাদু ঐগী পৈশাদু ফংদি ফংখি হায়ববু ঐগা অমুক উন্নবা ফংহৌদ্রে। করিগুম্বা হিংলম্বা থোকলবদি মরাইবক থিরবী মুপীমচা অমা মচানা কনবীরে হায়না হয়াওজরমগনি। মহাকমকী মনাওমুপী অমসু অসুমনা মাওগ্রবনি। হাক্তক অদুদগী মহাকনা ঐঙোন্দা মুপীবু শাম্নপোৎকুমনা

শান্নবা হিংচা য়াইওম্বশিং লেমনা থক থারোইদোবনি হায়না ত্তনা তাকপীখি।"

"ইমাগী ময়াথং ভাকপা ভমলিবদো নরাইবক কন্নবনি শিবনাথ। নহাক মঙ্গল ওইগনি।"

ৱারী লোইরকপগা মপা চান্নবা মাগী মুপী য়ৌরকলমই। মতম অমুপ থেঙলবাকাও ঐবু চাক পীজরমদে হায়হুনা শিবনাথপু চৈরমই। মখোয়না য়াদহুনা ঐগী অচিনবা থবক থাদোক্লুনা মখোয়গীদা চাক চাহুনা পোথারমই। হোটেল অমুক থিরুত্রবস্থ মানা কা অমা পীগদ্ধি হায়রমই। ঐস্থ অত্তুম লৈরগে থল্লমই—ঐনা অহিং লেনখিবা কা অত্তদা শিবনাথকা ঐগা পুন্না অমুক্তং লৈমিন্নগে থল্লমই।

